www.sanaleibak.in

ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ
SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM
সনালৈবাক

24 Carat/g : ₹ 14,335
22 Carat/g : ₹ 13,135
1 Kg Silver : ₹ 1,91,916
10 Gram Silver : ₹ 2,200
WEATHER: Mostly Cloudy
Temperature 29/19°C
Sunrise: 05:16 AM
Sunset : 04:41 PM
Petrol : ₹ 106.90
Diesel : ₹ 92.59
GAS TODAY Nill
sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 318 | IMPHAL, THURSDAY, OCTOBER 29, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | শগোলশেন, মেরাগী ১৯নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

সেক্যুরিটিগী খূদোংথীবা মফমশিংদা সি আর পি এফ অমদি এ আর পূন্না থবক চথমিন্নবা ৱারেপনখ্রে

মণিপুরগী ইরাং কাঙলুপ–ফুরুপ খক্কি ৱা নংত্রে, মসিদগী যান্না হেন্দোরকখ্রেঃ রিপোর্ট

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস)ঃ ষ্টেট অসিগী কা হেন্না খূদোংথীবা মফমশিং সেক্যুরিটি দেঞ্জর পোইন্টশিংদা সি আর পি এফ অমদি এ আরগা পূন্না এক্সন চথনবা ৱারেপনখ্রে হায়না পাউচে অসিনা ফংবা পাউগী লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

সি আর পি এফ অমদি এ আরগা পূন্না এক্সন চথনবগীদমক ৱারেপ লৌখিবা অসি ইতৎ–তৎতনা ষ্টেট অসিদা হীংশাগী পামদবা থৌদোক–ৱাথোক কয়া থোক্লিবা অসি লাকশিনবা ঙম্নবগী পান্দমদা লৌখিবনি। ৱারেপ অসি হন্দক সি আর পি এফকী দি জি গ্যানন্দ প্রতাপ সিংহ (জি পি সিংহ) অমদি অসাম রাইফলসকী দি জি লেফটনেন্ট জেনরেল ৱিকাস লখেরা অনীগী মরক্তা পাঙথোকখিবা হায় লেভেল মীটিং অমদা ৱারেপনখিবনি হায়রি।

চাউরাক্লা পুং ২ রোম চুপ্পা খন্ন–নৈনখিবা অদুদা ষ্টেট অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা মতৌ করন্না তঙদু লৈতাবা পুরকপা ঙমগদে হায়বগী মতাংদা খন্নদুনা সি আর পি এফ অমদি অসাম রাইফল অনী পূন্না চথগদবা লাল্লোং কয়াসু য়াৎখিবনি।

সি আর পি এফকী ওফিসিএলশিংগী মতুংইন্না নাকল অনীগী মরক্তা চথখিবা হায় লেভেল মীটিং অদুদা মপূং ওইনা এজেন্দা অহুম পুথোক্তুনা খন্নখি। মীটিং অদুদা ফোর্স অনীমক্লা য়াম্না ফজবা মওংদা কোওর্দিনেসন তৌদুনা পূন্না ওপরেসন কয়া মায়পাক্লা চথবা হায়বা ৱাফমদসু য়ানখি।

...মখা লমায় ৫দা...

লাইভষ্টোক সেন্সসতা মণিপুরী পোনিগী মশীং হেনগৎলেঃ ডা. এল অরুনকুমার

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস)ঃ কুমজা ২০১৯ দা লৈরম্বা মণিপুরী পোনিগী মশীং অসি ১,০৮৩ নি। মসিগী মতুং চহী ৫ লৈরগা লাইভষ্টোক সেন্সস পাঙথোকপদা হান্না লৈরম্বা মশীং অদুদগী হেনগৎপা ঙম্লে। মসিদা মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিনা ওফিসিয়েল ওইবা রিপোর্ট ফোঙগদবদা ঙাইরে হায়না ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর ডাক্তর এল অরুনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

দি আই পি আরনা শীন্দুনা পরিংনাইনা চথরকপা মিট দ প্রেসকী শরুক অমা ওইনা ঙসি ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং য়াওবা থৌরমদা ডা. এল অরুনকুমারনা হায়, মণিপুরী পোনি য়োকখৎনবা খোঙথাং অমা ওইনা শেনবা চহী খূদিংগী বজেটতা শেনফম হাপ্তুনা শগোল লোইরিবা মীওইশিংদা ...মখা লমায় ৫দা...

চীফ মিনিষ্টরনা লৈখিদ্রবা রাকেসকী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াখ্রে, শান্তিগী পাউজেল পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস)ঃ খাঙবোক অমসুং সঙ্গাইয়ুম্ফম অনীগী তাইনবদা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা লাইশ্রম রাকেসকী ময়ুমদা চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা চৎতুনা অৱাবদা শরুক য়াখ্রে। সঙ্গাইয়ুম্ফমদসু চৎতুনা মফম অদুগী মীয়ামদা তঙদু লৈতানা অমসুং পূন্না হিংমিন্ননবা শান্তিগী পাউজেল পীখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোক চেরাপুরগী সি ৱাই এস এ গ্রাওন্দদা থা অসিগী ১৮গী নুমিদাংদা পাঙথোকপা ঈশৈগী থৌরম অমদা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা লাইশ্রম রাকেশকী খাঙবোক পার্ট–২ ময়াই লৈকাইদা লৈবা য়ুমদা ঙসি চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা চৎতুনা ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুদা হৈরোক এ সিগী এম এল এ থোকচোম রাধেশ্যাম, ...মখা লমায় ৫দা...

কোকোমিগী খোঙচৎ শৌগৎকনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস)ঃ থা অসিগী ৩১দা মণিপুরদা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা থৌদোক ৱাথোক অমদি লৈঙাক্লা চথরিবা থৌওংশিং পেন্দবগী মায়োক্তা য়েলহৌমীশিংগী ওইবা খোঙচৎ অমা কোকোমিনা শীন্দুনা চৎকদৌরিবা মীয়ামগী খোঙচৎতা মৈতৈ মীতৈ কনবা অপুনবা লুপ (এম এম কে এ এল)না মপুং ফানা শৌগৎকনি। মীয়ামসু শরুক য়াবিয়ু হায়না লুপ অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওক্রম থোমাস মৈতৈনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মহৈরোইশিং শেন্দালপোৎ ওন্থোক্লন্নে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস)ঃ কৈরাও লিতান মখোঙদা লৈবা ডি ত্রাইও ষ্টেন্দার্দ ইংলিস স্কুলদা ক্লাস ৮ ফাওবা তম্বা য়াবগী রেজিষ্ট্রেসন তৌরগা ক্লাস ৯, ১০ ফাওবা স্কুল অসিদা তমহল্লগা এগজাম থানবা হোৎনরম্লে হায়না ওল মণিপুর প্রোগ্রেসিব ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (এ এম পি এস এ)না মরাল শীরক্লি। ...মখা লমায় ৫দা...

স্কুল ১দি জেদ ই ও থোঙ লোনশিনখ্রে

জিরিবাম, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস)ঃ জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমদি জোনেল এজুকেসন ওফিস (জেদ ই ও) মতম কক্তনা থোঙ লোনশিন্দুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

লৈঙাক্লা মহৈরোইশিংগী ওজা অৱাৎপা লোয়ননা এজুকেসনদা মায় ওনশিল্লকপা ৱাৎপা থৌওংশিং অসিদা খোইশাওনরবা জিরিবাম ...মখা লমায় ৫দা...

ইন্দিয়ানা মণিপুরদা য়েংলিবা মীৎয়েং তোকহন্নবা লৈখাই তাথোক্লবা মতম য়ৌরেঃ গোপেন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস)ঃ মণিপুরবু ইন্দিয়ানা নমদুনা লৌশিনখ্রবা মতুং ঙসি ফাওবা নমথদুনা থম্বতা নত্তনা প্রোক্সি লান ম্রীশিং শীজিন্নদুনা মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপশিংবু মুখৎনবা য়েংলিবা মীৎয়েংগী মায়োক্তা য়েলহৌ ফুরুপশিংনা চপ চানা লেপ্তুনা ...মখা লমায় ৫দা...

মীয়াম পুন্না শরুক য়াবিয়ুঃ কোকোমি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস)ঃ থা অসিগী ৩১দা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরদা য়েংলিবা মীৎয়েং অমসুং চথরিবা প্রোক্সি ৱার লেপহল্লু হায়বা ৱাফমদা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা চীংমী–তম্মী পূন্না শরুক য়াদুনা চৎকদবা খোঙচৎতা মীয়াম পূন্না শরুক য়াবিয়ু হায়না কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)গী কনভেনর ফিজম শ্যামচান্দনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

...মখা লমায় ৫দা...

‘মপানগী কম্পেনিশিং য়েংশিনবা মথৌ তাই’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী চাওখৎ থৌরাংগী য়েংদনা শেল তান্নবা ৱাখল্লোলদা শেল খক্তদা মীহৌরগা থবক শুবা লাক্লিবা মপানগী কম্পেনিশিং কমদৌনা থবক শুরিবগে য়েংশিনবা মতম ওইরে হায়না থাংমৈবন্দ এ সিগী এম এল এ খুমুকমচম জয়কিষননা ফোঙদোকখ্রে।

থাংমৈবন্দ এ সিগী মনুং চন্না থারোন খুলদগী হৌরগা সিনাম লৈকাই, সেভিয়ো ইংলিস স্কুল মনিং জঙ্কসন তাবা ...মখা লমায় ৫দা...

দ্রগকা চান–থক্লবগা ওন্নদুনা লল্লোলম্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস)ঃ ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারগী মরক্তা চথরিবা দ্রগ ট্রাফিকিং অসিদা অনৌবা খোঙথাং অমা ওইনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা দ্রগ ট্রাফিকিং নেটৱার্কতা য়াওরিবা মীওইশিংনা ম্যান্মারদা দ্রগকী মমল কেস ওইনা পীবগী মহুৎ পেত্রোল, দিজল, চানা থক্লবা অচাথাওনচিংবা নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংনা মহুৎ শীন্দুনা পীবগী থৌওং চথরে হায়বা নৌনা ...মখা লমায় ৫দা...

অনৌবা মারুতি সুজুকি বালেনো লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস)ঃ ‘দ্যার টু গো গ্লেম’ হায়বা ব্রান্দ ফিলোসোফিগী মখাদা নেক্সা চীংমৈরোং ইষ্টর্ন মোটোরসনা অনৌবা মারুটি সুজুকি বালেনো ঙসি নেক্সা চীংমৈরোং সোরুমদা লোঞ্চ তৌখ্রে।

লোঞ্চ তৌবগী থৌরমগা মরী লৈননা ইষ্টর্ন ...মখা লমায় ৫দা...

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

ওসিগী ৰাষি ফল (২৯–১০–২০২৬)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৰার্দি)

এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল

মেষঃ থৌরম খরা পাঙথোকপা, মরুপ মফম ফগৎপা, শাগৈনা চানবীবা, শেল ফংবা ওইরগনি। ইথক থোংবশিংনা নুংশিবীরগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

বৃষঃ খুদোংচাবা থেংনবা, অরুবা থবক্তা মায় পাকচবা, শেল ফংবা, কুইনদগী খঞ্জরকপা মায়পাকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, লমতু চৎপা কান্নবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

মিথুনঃ হোৎনজমন কান্নবা, মতেং পীবীবা য়ামখৎপা, মিংচৎ হেনগৎপা, অনৌবা পোৎ লৈবা য়াবা ওইরগনি। শাগৈনা চানবীরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৰাখল মান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

কর্কটঃ চেকশিন্না হোৎনজগনি, তোখাই তাদনবা হোৎনজগনি। কল্লকপা মশিং য়াল্লগনি। থৌরমদি পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

সিংহঃ চরক চহিং নাইবা মরক্তা থবক খরদি পাঙথোক্লগনি। লন্নানবশিংনা চানবীরগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। লম চৎপদি হৈশিংগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৰারৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – ৰাখল চঙলোই।

কন্যাঃ হোৎনজমন কান্নবা ফংলগনি। লুচিংবশিং, লোল মান্নদবশিংনদি নুংশিবীরগনি। শেল ফংবা অনৌবা পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – নুংশিনগনি।
মহৈরোইশিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

তুলাঃ ৰাখল মুন্না খল্লগা থৌরম পাঙথোক্লবা হোৎনজগনি। মরুপ মফম পাক চাওরগনি। শীংথাবীবদা য়াওরগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই চঙলোই।

বৃশ্চিকঃ তিন্নবশিংনা, লোয়নবশিংনা য়েংশিনবা, তোখাই তাননবা হোৎনরকপা, শেল পীথোক পীশিন্দা হৈশিংবা তাবনি। থবক খরদি পাঙথোক্লগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত খেন্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী– ৰাখল ফকচিলগনি।

ধনুঃ হৈশিংনা চেকশিন্না হোৎনজরবদি অফবা ফংলগনি। মকোক ওইবশিংনা চানবীবা, পোৎ লৈবা য়াবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – চরাংনগনি।

মকরঃ পুক্নিং লাংতক্লবা, অমা নৎত্রগা অমা খনবা ওইরগনি। থবক মচাদি পাঙথোক্লগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৰারৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংলোই।

কুম্ভঃ চেকশিন্না হোৎনজগনি, থবক খরদি মায়পাক্লগনি। শেল ফংবা অনৌবা পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৰাখল চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী– বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

মীনঃ চরক চহিং নাইবা মরক্তা থৌরমদি পাঙথোক্লগনি। য়েংশিনবা য়াল্লগনি। শাগৈনা য়েংথিবা ওইরগনি। থবক মচাদি পাঙথোক্লগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ফকচিল্লগনি।

[illegible]/Registration Certificate Lost

I have lost my Registration Certificate of Class XII bearing Registration No. 28601 of 2021 issued by Council of Higher Secondary Education, Manipur on the way from Thangmeiband Lourungpurel Leikai to Thangal Bazar on 25/10/2026.

Finders are requested to hand over the same to the undersigned.

Sd/-
Bhavna Khomdram
Thangmeiband Lourungpurel Leikai
Ph. 9863293358.

SL/5725/29

[illegible]/CONDOLENCE



The Department of Anthropology, D.M. College of Science, Dhanamanjuri University, Imphal deeply condoled the sad demise of **Dr. R.K. Ranjit Singh, Former Head of Department** who passed away peacefully on **18 October, 2026.** A 2-minute silence was observed on 22 October 2026 in honour of the departed soul and prayed for eternal peace in the heavenly abode.

Department of Anthropology,
D.M. College of Science,
Dhanamanjuri University, Imphal

SL/Hema/29

[illegible]/Sha Semnaba Mee Pamjei

PISHUM DA LEIBA OKSHA ASHEMBA YONBA DUKAN AMAGI SHA SEMNABA MEE AMA PAMJEI. THAGI TOLOP RS. 15,000 DAGI HOUJAGANI. HANNA SHA KAKPA/ SEMBADA KHUTLOIRABA / EXPERIENCE LEIRABA MEENA HENNA PAMJEI.

Sd/-
TOMBA AHONGSHANGBAM
Ph. 8974910129.

SL/Hemch/29

[illegible]/N O T I C E

Imphal, the 28th October, 2026

Notice asina khanghanjari madudi society ama mingna "Mutum Phibou Awang Leikai Ema Apunb Lup", address Mutum Phibou Awang leikai, P.O: Mayang Imphal & P.S: Wangoi, Imphal West. Hairiba society asi Deputy Registrar of Societies, Imphal West ta register toujaragani. Maram aduna mari leinaba mioisingna notice asi published touba numitagi numit 7 (seven) days manungda yetpiba yagani. Makha taba wakat loujaroi

Haijariba
Sd/- **(Y. Sunita Leima)**
Secretary
Mobile No. 8575960642

SL/5724/29

[illegible]/EDUCATIONAL DOCUMENT LOST

I have lost the following educational documents on the way from Thangmeiband Polem Leikai to Khoyathong on 25/10/26.

1. Admit Card and Certificate of High School Leaving Examination 1993 bearing Roll No. 31132 issued by Board of Secondary Education, Manipur.
2. Admit Card and Marksheet of Class XI Sc. of 1994 Batch of Council of Higher Secondary Education, Manipur.
3. Admit Card, Marksheet, Certificate of Higher Secondary Examination 1995 bearing Roll No. 16220 conducted by Council of Higher Secondary Education, Manipur.
4. Admit Card of B.Sc. 1st Examination 1996 bearing Roll No. 600638 conducted by Manipur University.
5. Admit Card of B.Sc. 2nd Examination 1997 bearing Roll No. 600638 conducted by Manipur University.
6. Admit Card, Marksheet and Certificate of B.Sc. 3rd Examination 1998 bearing Roll No. 600638 conducted by Manipur University.

Finders are requested to hand over the same to the undersigned.

Sd/- **Yengkhom Sanjeep Singh**
Thangmeiband Polem Leikai
Ph. 8413076993

SL/Subash/29

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (CENTRAL)-II : MANIPUR

Ref. : Mut. Case No. 504/SDC/IW(C)-II of 2026, dt. 27/10/2026

1. Maibam Promila Devi, D/o M. Mohon Singh of Haobam Marak Lourembam Leikai
2. Maibam Sandhyarani Devi, W/o Longjam Kirankumar of -do-
3. Maibam Surjabala Devi, D/o -do- of -do-
4. Mayengbam (o) Basantarani Devi, W/o Mayengbam Ratan of Singjamei Wangma Kshetri Leikai Torban .....*Petitioner(s)*

-Versus-

(Late) Maibam Guni Devi W/o Mohon Singh of Haobam Marak Lourengbam Leikai .....*O.P.*

[illegible] / NOTICE

Lamphel, 28/10/2026

Under Section 46(3) MLR & LR Act.1960 অসিগী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Maibam Guni Devi গী মিংদা লৈবা Imphal West তাহশিলগী খুল নং **46-Naoriya Pakhanglakpa** অরিবা পাট্টা নম্বর **402** অনৌবা পাট্টা নম্বর **370** দাগ নং **363** অমসুং এরিয়া **0.02119** হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি Petitioners মমিংদা পানবিনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central)-II উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-II

SL/Sush/29

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR

Ref. : Mut. Case No. 665/SDC/IW(C)-I dated 28/09/2026

1. Laishram Suraj, S/o. Laishram Lokendra Singh of Lalambung Makhong RIMS Road
2. Laishram Rocky Singh, S/o. Laishram Lokendra Singh of Lalambung Makhong RIMS Road
3. Laishram Vikram Singh, S/o. Laishram Lokendra Singh of Lalambung Makhong RIMS Road
4. Laishram Geetanjali Devi, D/o. Laishram Lokendra Singh of Lalambung Makhong RIMS Road .....*Petitioner(s)*

-Versus-

(Late) Laishram (O) Binodkumari Devi, W/o. Lokendra Singh of Lalambung Makhong RIMS Road Haorongbam Leikai .....*O.P.*

[illegible] / NOTICE

Lamphel, the 28th October, 2026

Under Section 46(2) MLR & LR Act.1960 অসিগী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Laishram (O) Binodkumari Devi, W/o. Lokendra Singh of Lalambung Makhong RIMS Road Haorongbam Leikai গী মিংদা লৈবা Imphal West তাহশিলগী খুল নং 88-Lalambung অরিবা পাট্টা নম্বর 328/681, 328/831 (O) অনৌবা পাট্টা নম্বর 583 (N) দাগ নং 4082 অমসুং এরিয়া 0.091000 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীশিংগী মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central)-I উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Nute/29

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR

Ref. : Mut Case No. 756 / SDC/IW(C)-I of 2026, dt. 28/10/2026

Thoudam Sabhana Devi, W/o Sanamani Singh Yambem of Uripok Yambem Leikai .....*Petitioner*

-Versus-

Late Yambem Sanamani Singh, S/o Late Tombi Singh of Uripok Yambem Leikai .....*O.P.*

[illegible] / NOTICE

Lamphel, 28/10/2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act.1960 অসিগী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Yambem Sanamani Singh গী মিংদা লৈবা Imphal West তাহশিলগী খুল নং 87(A) Khwai Bazar, অরিবা পাট্টা নম্বর 427 (O) অনৌবা পাট্টা নম্বর 495 (N), দাগ নং XVIII/241 অমসুং এরিয়া 0.0340 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central)-I উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Nute/29

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR

Ref. : Mut Case No. 758 / SDC/IW(C)-I of 2026, dt. 28/10/2026

1. RK Lembisana Devi, W/o Haobam Shyamkishwar Singh of RIMS ROAD Nagamapal
2. Haobam Randhir Singh, S/o Haobam Shyamkishwar Singh of RIMS ROAD Nagamapal .....*Petitioner(s)*

-Versus-

Late Haobam Shyamkishwar Singh, S/o (L) Amubi Singh of Nagamapal RIMS ROAD .....*O.P.*

[illegible] / NOTICE

Lamphel, 28/10/2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act.1960 অসিগী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Haobam Shyamkishwar Singh গী মিংদা লৈবা Imphal West তাহশিলগী খুল নং 89-Khwai Lalambung, অরিবা পাট্টা নম্বর 422 (O) অনৌবা পাট্টা নম্বর 260 (N) দাগ নং 3045 অমসুং এরিয়া 0.00620 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central)-I উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Nute/29

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST (CENTRAL)-I : MANIPUR

Ref. : Mut Case No. 755 / SDC/IW(C)-I of 2026, dt. 28/10/2026

1. Donny Palmei
2. Languigai Palmei, S/o (L) P. Soraga Kabui of Majorkhul, Imphal West .....*Petitioner(s)*

-Versus-

P. Soraga Kabui, S/o (L) Poudetlung Kabui of Majorkhul, Imphal West .....*O.P.*

[illegible] / NOTICE

Lamphel, 28/10/2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act.1960 অসিগী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা P. Soraga Kabui গী মিংদা লৈবা Imphal West তাহশিলগী খুল নং 87(A) Khwai Bazar, অরিবা পাট্টা নম্বর .... অনৌবা পাট্টা নম্বর 1197(N), দাগ নং 346/447 অমসুং এরিয়া .... হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central)-I উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-I

SL/Nute/29

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG IMPHAL EAST

Ref. : Mut. Case No. 384/SDC/Hng/IE/2026

Takhellambam Pallahada Singh, S/o (L) T. Tomba Meitei of Maibakhul Mamang Leikai .....*Petitioner(s)*

-Ver-

(Late) Takhellambam Tomba, S/o (L) Nipamacha Singh of Maibakhul ....*O.P.*

[illegible] / NOTICE

Date: 05/10/2026

Under Section-46(3) of MLR & LR Act.1960 অসিগী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদিঃ– ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুন নং 18-Maibakhul দা লৈবা অরিবা পাট্টা নংঃ 117 (Old) অনৌবা পাট্টা নং 57 (New) দাগ নং 375 and 376 এরিয়া 0.45 and 0.12 acres চাওবা Ingkhol class অসিগী পাট্টাদার মৃতুঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা S.D.C. Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ–চে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C. Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখম তাবা ৰাকৎ তাদনা কেস মখা চৎথদুনা নামা ওল্লগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Heingang, Imphal East

SL/Ath/29

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (CENTRAL)-II : IMPHAL WEST

Ref.: P.t. No. 1136/SDC/IW(C)-II Date 16/10/2026

LEGAL WIFE CERTIFICATE

Nongmaithem Landhoni Devi W/o (Late) Nongmaithem Joychandra Singh of Kwakeithel Thokchom Leikai.

[illegible] / NOTICE

Lamphel, the 28/10/2026

অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Nongmaithem Landhoni Devi হায়রিবা মীওই অসি (Late) Nongmaithem Joychandra Singh গী লোয়নবীনি হায়রি। মরম অদুনা Legal Wife Certificate পীবিয়ু হায়দুনা application অমা SDO, Lamphel দা থারক্লে। মরম অদুনা মসিদা কনাগুম্বা কনাগুম্বী মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউ–চে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭(তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা য়েৎপীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৰাকৎ লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector
Imphal West (Central)-II
Lamphel

SL/Sush/29

SANA - SUDOKU

Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.

Evil Sana Suduku-1122

7	6					8		3
4		9			3		2	
2	3		4				7	
	7	3		2				4
		4	9	7				6
			3	6	4	2		
8					2	3		
	9			4			5	
		2	6			4		

সনা–সুদোকু–১১২২গী সোল্যুসন লমাই ৬তা

ৱাখলগী চীঞ্জাক

লাইবক ফবা হায়বসি
হুমাংমননি হুমাং তারিবা মখৈ
লাইবক ফবা হেনগৎকদৌরিবনি

লোইরদনা

ঐ য়াওরোই, লৈকায়দা লগাও খাওবা য়ারোইনা লাওখ্রুদি

কীমনখ্রে নংসু, কনামত্তা খাওদনবা ঐনা লাওবনীনে

হেক্তা হায়জিনবা

হৌ হৌ চোংসি

হৌ হৌ চোংসি
হৌ চোংদুনা হিংমিন্নসি
চীং তম খায়দোল্লগা হিংমিন্নসি
ময়াম্বগা মনাওগা হিংমিন্নসি
মনাওনা থেল্লগা হিংমিন্নসি
ময়াম্বনা ঙমহল্লগা হিংমিন্নসি
তৌরিখৈ য়ারগা হিংমিন্নসি
ফ্রি থারগা হিংমিন্নসি
পুকচাক লম্বী থিংলসু হিংমিন্নসি
নমদুনা শেল মুল্লসু হিংমিন্নসি
ফুনিংবা ফুরসু হিংমিন্নসি
হাৎনিংবা হাৎলসু হিংমিন্নসি
ময়াম্বনা ঙমহল্লগা হিংমিন্নসি
মনাওনা থেল্লগা হিংমিন্নসি
হৌ হৌ চোংদুনা হিংমিন্নসি
হৌ হৌ চোংসি

সেভ সোইল, সেভ ফার্মিং অমদি সেভ ফার্মর হায়বসিদা এৱার্নেস প্রোগ্রাম সেঙ্গম খুনৌদা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এসএনএস)ঃ চহিবা থা অসিগী ২২ দগী থা অমা চুপ্পা লৈবাক শীনবা থুংনা চথরিবা খেৎ বচাও অভিয়ান– সেভ সোইল, সেভ ফার্মিং অমসুং সেভ ফার্মরগী অনীশুবা তাক্কহী মনুং চন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সেঙ্গম খুনৌ ভিল্লেজদা ঙসি ইন্টেন্সিভ এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

আই সি এ আর–কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র (কে ভি কে) ইম্ফাল ৱেষ্ট আই সি এ আর রিছর্চ কম্প্লেক্স ফোর এন ই এঁচ রিজন মণিপুর সেন্টর লম্ফেলপাৎকী মীৎয়েং মখাদা চথখিবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা কে ভি কে ইম্ফাল ৱেষ্টকী টিম লিদর ওইরিবা সবজেক্ট মেটর স্পিসিয়েলিষ্ট ডা. টিঔচ মোতিলাল সিংহনা খেৎ বচাও অভিজানগী মরু ওইবা মীৎয়েং নীংথিনা মীয়ামদা খঙহনখি।

দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসার ইম্ফাল ৱেষ্ট য়ুম্নাম হেমাবতি দেৱীনা লৌউ–শিংউগী লমদা হেন্না খুমাঙ চাউশিন্নবা হোৎনবদা সোইল হেল্থ মেনেজমেন্ট অমসুং লৌমীশিংগী যৌদোংগী মরু ওইবা কয়া খঙহনবগা লোয়ননা অকোয়বগী ফিভম অমদি অহৎ অশাগী মতুং ইন্না লৌউ শিংউগী থবক পায়খৎপা অমদি সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা ন্যুট্রেল মেনেজমেন্ট তৌদুনা মতম কুইনা মদুগী কান্নবা লৌনবা লৌমীশিংগী তঙাইফদবা অদুসু নীংথিনা খঙহনখি।

ঙসি চথখিবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা কে ভি কে ইম্ফাল ৱেষ্টকী ডা. সিঔচ রোবেন সিংহ, ডা. লেদিয়া জেমিক অমসুং ডা. কে লিলি রমনামে অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিস ইম্ফাল ৱেষ্টকী মপূং ওইবা যৌমী ক্যাম্পু শরুক য়াখি। পুম্না লৌমী ১৩৬ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা ইন্টরেক্টিভ সেসনসু পাঙথোকখি। মদুদা লৌমীশিংনা অহৎ অশা সোইল হেল্থ অমসুং মতমগা চান্নবা এগ্রিকলচরেল প্রাক্টিসকী মতাংদা অখঙ অহৈশিংদগী খঙনবা হোৎনখি।

বামোন অমুমচাগী পূক্লিং লৌশিং

মতেং পাংনবগী খুদোংচাবা খূদিংমক লৌগদবনি

ডা. এদোলফ লোরেঞ্জ ভিয়েটনামগী অফাওবা ডাক্তরনি। মহাক্না নৌনা হৌদোকপা ঈ থোকহন্দনা পাঙথোকপা সর্জরিনা অরুবা অনাবা কয়া ফহনবগীদমক্তা ফাওরম্মী। মহাক্কী লায়েংগী মরমদা তাবদগী য়ু এস এগী শেঞ্জাও পায়বা নুপা অমনা মহাক্কী মচানুপী পুরক্তুনা লায়েংবদগী ফখিরম্মী। শেঞ্জা পায়বা নুপা অসিনা শীন্দুনা ডা. লোরেঞ্জবু য়ু এস এদা পুরগা মহাক্কী অনৌবা টেক্নিক অদুগী মতাংদা লৈবাক অদুগী ডাক্তরশিংগা তান্নহন্নবা থৌরাং তৌরম্মী।

নিউ য়োর্কতা ডা. লোরেঞ্জবু খ্বাইদগী তাঙবা হোটেল অমদা গার্দশিংনা চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থমলম্মী। অসুম্না জেলগুম লৈবদু হৈনরক্তুনা ডাক্তর অসিনা কনা অমত্তা খঙহন্দনা হোটেল অদুদগী তুমিন্না থোরক্লগা কোয়বা থোরক্লম্মী। মহাক্না লম্বীদা লম য়েংদুনা অসুম চৎলিঙৈদো খঙহৌদনা নোং চুরক্লম্মী। চেনশিনফম উপাই লৈত্রদুনা মনাক নকপা য়ুম অমদা হোৎচিন্দুনা কোল্লিং বেল খিংলম্মী। য়ুম অদুদগী নুপী অমনা থোঙ হাংদোক্লক্লগা ডা. লোরেঞ্জদা করি পাম্বগে হংলম্মী। মহাক্না ইমুংদা চঙলগা নোং ঙৈহাক্তা থুপ্পা য়াগদ্রা হংলম্মী। নুপী অদুনা নোং ইচোৎ চোংনা মহাক্কী অনানবা য়ুম অদুদা চঙলকপা নুংঙাইরোই হায়রল্লগা থোঙ অদু থিংজিনখিরম্মী। উপাই লৈত্রবা ডাক্তর অদু ইচোৎ চোংনা মচি অমদা লৈশিন্দুনা নোং থুপ্লিঙৈদো মহাকপু থিংবা লাকপা গার্দশিং অদুনা গাড়ীদা হাপ্তুনা হোটেলদা পুখিরম্মী।

নোংঙাল্লগা নিউ য়োর্ক সিটিগী পাউচেশিংগী অহানবা লমাইদা ডাক্টর লোরেঞ্জগী ফোটো চাউনা হাপ্তুনা মহাক অমসুং মহাক্কী অনৌবা টেক্নিক্কী মরমদা মরিক চুম্না ফোঙনরক্লম্মী। মীনুংশি য়াওদ্রবা নুপী অদুনা ফোটো অদু উরগা মহাক্না ঙরাং ময়ুমদা চঙহনখিদবা নুপা অদু ডাক্তর লোরেঞ্জনি হায়বা খঙবগা লোয়ননা মহাক্কী ময়ুমদা নাদুনা লৈরিবা মচানুপীনা নারিবা লায়না অদু লায়েংগদবা ডাক্তর অদুসু মহাক্নি হায়বা খঙবা ঙম্লম্মী। খুদক্তা হোটেল অদুদা চিঠি অমা ইদুনা মহাক্কী মচানুপী অদু য়েংবিনবা মতম পীবিনবা হায়জরম্মী। অদুবু তাঙলবা ডাক্তর অদুগী মতম ফংবদি ঙমলমদে। লাইবক থিবদি লাইমক্না পুশিল্লকপগুম ময়ুমদা লাক্লম্লবা ডাক্তর অদু মহাক্না থোঙ থিংজিন্দুনা চঙহনখিদবদগী মচা অদু লায়েংবগী তাঞ্জা ফংখিদে।

নুমিৎ খূদিংগী ঐখোয়দা অতোপ্পশিংবু মতেং পাংনবা তাঞ্জা মখল কয়া ফংহল্লি। ঐখোয়না অদুগুম্বা তাঞ্জাশিং অদুগী খুদোংচাবা লৌবা ঙম্ব্রা? অদুগুম্বা খুদোংচাবা অদু লৌহৌদবনা ঐখোয়দা তুংদা নীংঙমলক্তবা লাক্তবা নত্তে।

ৱাটর সেফটি অমদি ই ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট এৱার্নেস পাঙথোকখ্রে

ফেরজোল, ওক্টোবর ২৮ (দি আই ও)

অফবা থক্লবা ঈশিং, সেনিটেসন অমদি লু নানবগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ফেরজোলগা পব্লিক হেল্ঠ ইঞ্জিনিয়ারিং (পি ঐচ ই) ফেরজোল দিভিজনগা খূৎশন্নদুনা ঙসি পার্বুং অমদি দামদৈ খুলদা এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অদুগী শরুক অমা ওইনা মীওইবনা হিংবদা অফবা ঈশিং অমদি ফিভম চাবা সেনিটেসন মথৌ তাবগী ৱারোলশিং দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংনা থমখি। ঈশিংদগী শন্দোকপা লায়নাশিংদগী ঙাকথোক্লবা অফবা অরুবা ঈশিং থকপা, অকোয়বগী ফিভম লু নালহনবা অমদি ঈশিংগী সোর্সেসশিং লু নান্না থম্বা তঙাইফদবগী মতাংদা ৱারোলশিং থমখি। খুলশিং অসিগী ওইরিবা ঈশিংগী সোর্সেসশিং লু নান্না মতিক চানা ঙাক্তুনা থম্বদা পুন্নমক্কী থৌদাং য়ামিন্নবগী ৱাফমশিং থমখি।

অমরোমদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনি–ষ্ট্রেসনগা জেদ ই ও ফেরজোলগা খূৎশন্নদুনা ইলেক্ট্রোনিক ৱেষ্ট (ই ৱেষ্ট) মেনেজমেন্ট তৌবগী মতাংদা পার্বুং হয়ার সেকেন্দরি স্কুল অমদি পি মুন্তে গভর্ণমেন্ট হায়স্কুলদা অখন্নবা এৱার্নেস অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা হান্না তম্লম্বা অমদি হৌজিক হৌজিক তল্লিবা য়াওনা পূন্না মহৈরোই ১৬৩ না শরুক য়াখি। লোয়ননা ই ৱেষ্ট নীংথিনা মেনেজ তৌদবনা মীওইবগী হকচাং অমদি অকোয়বগী ফিভমদা থোকহল্লকপা য়াবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদসু ৱারোল কয়া থমখি হায়রি।

ভিজিলেন্স এৱার্নেস ৱিক হৌদোকখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ২৮ (এসএনএস)ঃ ইন্টিগ্রিটি ঙাকপা, ট্রান্সপরেন্সি অমদি একাউন্টেবিলিটি লৈহনবা হায়বা পান্দমদা লৈবাক শীনবা থুংনা ওক্টোবর ২৬ তগী হৌরগা নবেম্বর ১ ফাওবা ওবজার্ভ তৌগদৌরিবা ভিজিলেন্স এৱার্নেস ৱিক ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট দি সি কমপ্লেক্সকী কাউন্টিং হোলদা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন দিপার্টমেন্ট, মণিপুর ষ্টেট ভিজিলেন্স কম্মিসন্না শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা এ দি এম অরিবম অমরজিৎনা শরুক য়ারদুনা হায়, পব্লিকতা সার্ভিস পীবা মতমদা ইন্টিগ্রিটি লৈনা, মীচং মীখাই নাইদনা অমদি একাউন্টেবিলিটি লৈহনগদবনি। করপসন লৈতবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবা হোৎনবদা করপসনগী থবক যৌওং চথরিবশিংগী মথক্তা মরী লৈনবশিংনা কূপ্লা মীৎয়েং চঙগদবনি। মসিনা য়াম্না ট্রান্সপরেন্ট ওইবা খুন্নাই অমসু শেমগৎপদা মতেং ওইগদৌরিবনি। করপসন মুখৎপা হায়বসি মীপুম খূদিংমক্কী থৌদাংনি হায়না ভিজিলেন্স এৱার্নেস ৱিক অসিনা উৎলি। এক্টিভ ওইবা পব্লিক পার্টিসিপেসন, মথৌদাং খঙবা এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি মরী লৈনবা ইথিকেল প্রিন্সিপালশিং কাঙলোন চূম্না ইনবনা অফবা লৈঙাকলোন ওইহনবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংদসু মীয়ামগী থাজবা হেনগৎহল্লি হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা ইন্সপেক্টর সুনিলকুমারনা ভিজিলেন্স দিপার্টমেন্টনা লৌগদৌরিবা মরিক চুম্বা যৌদাংগী মতাংদা ৱাফম কয়ামরুম থমখি। থৌরম অদুদা এদিস্নেল এস পি ওইনাম সুকুমার, দি এস পি হুইদ্রোম সুরেসকুমার, ভিজিলেন্স ইন্সপেক্টর সুনিলকুমার, ভি দি ও থৌবাল সুর্মা থিয়াম য়াওনা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসার কয়াসু শরুক য়াখি।

তাংজেং চীংখোঙদা মীয়ামগী ৱাইটিং সেদ শাবদা অয়েৎপা পীবিগনুঃ এসোসিয়েসন

থৌবাল, ওক্টোবর ২৮ (এসএনএস)ঃ এসিয়ান হায়ৱেগসু নক্কনা লৈরিবা তাংজেং চীংখোঙদা চীং কোখোক্তুনা করিনো খঙদবা ষ্ট্রকচর অমা শানবা হোৎনরে হায়না তাংজেং লম্পাক অমসুং তাংজেং কনবা লূপ্না ঙসিগী মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিং অমদি ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াশিংদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি য়ুম্ফম য়াওদবনি। তাংজেং চীংখোঙদা খুঞ্জাশিংনা শাননবা হোৎনরিবা ৱাইটিং সেদ অসিদা অয়েৎ অপন অমত্তা পীবিগনু হায়না থৌবাল নিংথৌ এন্দ তাংজেং নিংথৌ উমংলাই দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ঙসি কিয়ামদা লৈবা থৌবাল নিংথৌ অমদি তাংজেং নিংথৌগী লাইবুংদা তাংজেং মীয়ামগী ওইবা খন্ন–নৈনবা মীফম পাঙথোকপগা লোয়ননা পাউমীশিংদা হায়, তাংজেং চীংখোঙ অসিদা মতম অমদা মীয়ামগী ওইবা ৱাইটিং সেদ অমা লৈরম্মী। হায়রিবা ৱাইটিং সেদ অসি নেস্নেল হায়ৱে টু শেমগৎ শাগৎলকপা মতমদা শিদোকপিখি। মসিনা মরম ওইরগা মীয়ামদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অদু কোক্লনবা কিয়াম খুঞ্জাশিংনা অঙন্বা শেল খাইগৎনদুনা হান্নগুম্না মফম অসিদা ৱাইটিং সেদ অমা শাননবা হোৎনবনি।

কিয়াম খুঞ্জাশিংনা চীংমাই কোখোকপগী ৱাফম অমত্তা লৈতে। নৌনা শাগদৌরিবা ৱাইটিং সেদ অসিনা কিয়াম খক্তা নত্তনা হৈবোং লৈরক, থৌবাল সবলতোংবা, নিঙোম্বম, কিয়াম লৈতানপোক, থৌবাল মোইজিংনচিংবা মফমদগী তাংজেংদা থোরক্লগা পেসেঞ্জর গাড়ী ঙাইবদা নোংজু নুংশা কয়া মায়োক্লরিবা অসি খরদা ওইরবসু কোকপা ঙম্লগনি।

অমরোমদা তাংজেং লম্পাক অমসুং তাংজেং চীং কনবা লূপ হায়রিবা অসি লন্নাই মীওই খরনা তাংজেং চীংগী লমশিং অসি লোনা য়াদবা মওংদা লম খোপচিনবা য়ানবা অমদি হান্না শান্নবুং ওইদুনা লাক্লবা তাংজেং লম্পাক অসি মাঙহন্দুনা চহী চূপ্পা ঈশিং থুমহন্দুনা থম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌবা মীওই খরনা শেমজিনবা লূপ অমনি। হায়রিবা লূপ অসিগী ওফিস বিয়াররশিং অসি ২২এ তাংজেং ভিল্লেজদা লৈবা মীওই অমা ফাওবা নত্তে। লূপ অসিনা মতম কয়াদগী নুংশি চান্নগা লৈমিন্নরক্লবা কিয়াম অমদি কিয়ামসিফাই অনীগী খুঞ্জাশিংগী মরক্তা নুংশিনদনবা শীনবিগনু।

তাংজেং চীং অসি কিয়াম খুঞ্জাশিংনা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী ঙাক শেন্দুনা লাকপা মফম্নি। মতম অমদা অসাম রাইফলদা এলোটমেন্ট থোরকপা মতমদা এলোটমেন্ট পীবা য়ারোই হায়দুনা ৱাইথৌগী খুঞ্জাশিংগা খূৎশন্নদুনা খোঙজং চঙশিনবগা লোয়ননা ৱানা কঞ্জরকপা মফম অমনি। মরম অসিনা মফম অসিদা খুঞ্জাশিংগী কান্নগদবা ৱাইটিং সেদ অমা শানবা হোৎনবদা অয়েৎপা অমত্তা পীবিগনু।

থৌবাল নিংথৌ এন্দ তাংজেং নিংথৌ উমংলাই দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন্না তাংজেং চীংগী লম খোপচিন্নবা হোৎনবা কাঙবুশিংগী মথক্তা লিগেলগী ওইবা মতেং লৌদুনা এক্সন লৌখৎহন্নবসু শেম শাবা লোইরে হায়খি।

আই দি পিশিংদা শেলগী মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এসএনএস)ঃ আই দি পিশিংগী পূক্লিং ৱাখল নুংঙাইনা লৈনবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা হেল্ঠ এৱার্নেস প্রোগ্রাম তোয়না পাঙথোকপা মথৌ তারে হায়না লাইক মাইন্দেদ গ্রুপকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈবা হু থকপা য়াওনা অরুবা অনাবনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রবা মীওই অহুমগী ইমুংদা ঙসি লাইক মাইন্দেদ গ্রুপ (এল এম জি) মণিপুরনা লুপা লিশিং মঙা মঙাগী শেনফম তেঙবাংখিবগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াখ্রে।

তেঙবাং খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা গ্রুপ অসিগী সেক্রেটরী ওজিৎ সোরোখাইবম্না কুমজা ২০২৩ গী মে ৩ দগী থোরকখিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা আই দি পিশিংগী পুন্সি য়াম্না সেফ ওইদ্রে। লৈফম মতিক চাদবনা মরম ওইরগা লায়না তিন্না কয়া নারকপা য়াওরে হায়খি।

নাকল অমরোমদা আই দি পিশিংগী পূক্লিং ৱাখল শোন্থরকপনা মরম ওইরগা মশা মথন্তা শিজবা মশীং য়ামশিল্লক্লে। লৈঙাক্না আই দি পিশিংগী হিংলিবা পুন্সি মহিং অসি কূপ্না য়েংশিনবিবগা লোয়ননা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা আই দি পিশিংগী পূক্লিং ৱাখল নুংঙাইনা লৈনবা হেল্ঠ এৱার্নেস প্রোগ্রাম নচিংবা তোয়না পাঙথোকপা তঙাইফদে। মসি নৎত্রগদি মশা মথন্তা সুসাইদ তৌবগী চাং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্তুনা রিলিফ কেম্পশিং মীকপ মীরাওখোলতনা নিল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

পোলিটিকেল পার্টিশিংগী কন্সলটেসন মিটিং পাঙথোকখ্রে

বিষ্ণুপুর, ওক্টোবর ২৮ (দি ই ও)ঃ

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা এসেমব্লি কন্সটিট্যু–য়েন্সিশিংগী পোলিং ষ্টেসনশিং রেস্নেলাইজেসনগী মতাংদা শক খঙলবা নেস্নেল অমসুং ষ্টেট পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিং য়াওবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কন্সলটেসন মিটিং ঙরাং দি সি ওফিস বিষ্ণুপুরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার (দি ই ও)সু ওইরিবা দিপ্যুটি কম্মিস্নার পুজা এলাংবম্না ময়ায় ফমদুনা পাঙথোকখিবা মিটিং অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ইলেক্টোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসার (ই আর ও)শিং, এসিষ্টেন্ট ইলেক্টোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসারশিং, ইলেক্সন ওফিসারশিং অমসুং ইলেক্সন ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ই সি আই)না খঙহল্লকপগী মতুং ইন্না মথং চহী ২০২৭ জনুৱারী ১ না ক্বালিফাইং দেট ওইরগা ফোটো ইলেক্টোরেল রোলগী স্পিসিয়েল সমরি রিভিজন পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী মতাং য়াওনা ই আর ওশিংনা প্রপোজ তৌবা রেস্নেলাইজেসনগী রিপোর্ট মীটিং অদুদা পুথোক্তুনা কূপ্না নৈনখি। মখা তানা ষ্টেকহোল্ডরশিং মপূং ওইনা রিকোগনাইজ নেস্নেল অমসুং ষ্টেট পোলিটিকেল পার্টিশিংনা স্পিসিয়েল সমরি রিভিজন অসি মায় পাক্লবা হোৎনবদা মপূং ফানা মতেং পীবিনবসু খঙহনখি। মখা তানা বি এল ও খন্দ্রিবশিংসু খন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংবিনসু খঙহনখি হায়রি।

অদালট দিৱস নবেম্বর ৬ তা পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এসএনএস)ঃ

মণিপুর পোষ্টেল দিভিজনগী মখাদা লৈবা দিপার্টমেন্টেল পোষ্টেল ষ্টাফ, গ্রামিন ডাগ সেবক (জি দি এস), পোষ্টেল পেন্সনরশিং অমসুং মীয়ামগীদমক দিভিজনেল লেভেল অদালট দিৱস মথং থা নবেম্বর ৬ ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবদা ইম্ফাল হেদ পোষ্ট ওফিস বিল্ডিংগী অনীশুবা ফ্লোরদা লৈবা সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পোষ্ট ওফিসকী ওফিস্তা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পোষ্ট ওফিস মণিপুর দিভিজন ইম্ফালগী চেরোল অমনা হায়, দিভিজনেল লেভেল অদালট দিৱস অসিদা ষ্টাফ অদালট, জি দি এস অদালট, পেন্সনরস অদালট অমসুং ডাগ অদালটনচিংবা কোনশিনগনি লোয়ননা পোষ্টেল সার্ভিস, ষ্টাফ ৱেলফেয়ার, জি দি এস মেটর অমসুং পেন্সনগা মরী লৈনবা ইসু কয়াদা হেন্না মীৎয়েং চঙগনি।

অদালট অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা লাক্লিবা নবেম্বর ৩ ফাওবগী মনুংদা মখোয় মখোয়গী অইবা চেরোল হাকথেংননা নৎত্রগা পোষ্টতা নৎত্রগা ই মেলদা থারকপা য়াগনি হায়রি।

থাখায়সিদা মণিপুরী থিয়েটর য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোর ২৮ (এস এন এস)ঃ মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টগী হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা পাঙথোকখিবা থাখায়সিদা মণিপুরী থিয়েটরগী কম্মিটি মিটিংনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি ওদিটোরিয়মদা থাখায়সিদা মণিপুরী থিয়েটর পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বদু খুদোংচাদবা খরদগী মখা তাবা নোটিস অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা য়ৈথোক্লবা ৱারেপ্পখ্রে হায়রি।

মতম চানা মীয়ামদা খঙহলহৌদবগীদমক ঙাকপিনবা হায়রদুনা নৌনা লেপ্পা মতম অথুবা মতমদা মীয়ামদা খঙহল্লক্কনি হায়রি।

কম্বাইন্দ ফোর্সনা মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এসএনএস)ঃ

মণিপুর পুলিসকী স্পিসিয়েল কম্মান্দো য়ুনিট অমসুং ৩৩ অসাম রাইফলসকী অপূনবা টিম অমনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা পুখাও তেরাপুর এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে। মদুদা মেগজিন য়াওবা তোঙান তোঙানবা মখলগী পিষ্টোল ৪, লেথোদ লোঞ্চর ১, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ৪, হেন্দ গ্রেনেট ৬, নোংমৈ মরু ৬৯ য়াওনা আইরন বুলেট প্রুফ প্লেট ১৭, কেপলর হেলমেট ২২, গ্রেনেদ দিটোনেটর নচিংবা কয়া খোমগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

মণিপুর পুলিসকী কন্ট্রোল রুম্না ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইকোপ পাৎ জেনরেল এরিয়াদা থৌবাল পুলিস কম্মান্দো অমদি ৩৩ অসাম রাইফলসকী অপূনবা টিম্না চথখিবা ওপরেসনদসু খূৎশু খূৎলাই কয়া খোমগৎপা ঙমখি হায়রি। মফম অদুদগী খোমগৎখিবা খূৎলাইশিং অদুদি এস এম জি কর্বাইন ২, দবল / সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ৪, পিষ্টোল ৩, হেন্দ গ্রেনেদ ৪, দিটোনেটর ২, কাপ্পা য়ারিবা মরু ৩৯ নি হায়রি।

অতোপ্পা অমনা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ঙরাং ভালপাকোট ভিল্লেজদা চথখিবা এন্টি দ্রগ ওপরেসনদা ব্রাউন্দ সুগর কেজি ৭.৭৩২ ফংবা ঙমখ্রে হায়রি। পুলিস টিম অদুনা বোলেরো গাড়ী অমা খামদুনা চেক তৌবদা হায়রিবা ব্রাউন সুগর অদু য়াওরম্বদগী ফংবা ঙমখিবনি। গাড়ী অদুগী দ্রাইভর চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা লোংজা ভিল্লেজদগী লুনমিনলাল মাতে (২৯) নি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে, মহাকসু ফারে হায়রি।

‘খোরিরোলগী থৌরম শরুক য়াবা লাকপদা অথিংবা পীবিগনু’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস)ঃ সাহিত্য একাদেমি অমসুং ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জে লূপ (ইমাখোল) অৱাং পোৎশংবম খুনৌ অনীনা খূৎশন্নদুনা ‘লিটরেরি ফোরম ওন লাইফ এন্দ ৱার্কস ওফ কেশো সিংহ ইরেংবা’ হায়না মিংথোনবা খোরিরোলগী থৌরম ওক্তোবর ৩১ দা ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবমদা লৈবা লিবরেল কোলেজদা পাঙথোক্কনি হায়না মাঙজৌননা পাউজেল চৎখিবা মরন্না নুমিৎ অসিদা চীংমী তম্মীগী অপূনবা খোঙচৎ অমা চৎলগনি হায়না কোকোমিনা লাওথোকখিবা অসিনা থৌরম অসিবু শরুক য়াবা লাকপিরিবা মীওইশিংদা অথিংবা পীবিদনবা ইমাখোলগী সেক্রেটরী লাইরেল্লাকপম রিসিকান্ত অঙোমচানা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা আপিল তৌরক্লি।

In the court of The Sub Deputy Collector, Lilong Chajing, Imphal West

Mutation Case No. 214 of 2026

Ningthoukhongjam Malenganba Meetei S/o N. Nilla Meetei of Langthabal Kunja

--- Petitioner

-Vs-

Ningthoukhongjam Sanajaoba Singh S/o (L) N. Kulla Singh of Langthabal Kunja

--- O.P.s

/NOTICE

Lilong Chajing Dated 28-10-2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি মৃতু ওইখ্রবা Ningthoukhongjam Sanajaoba Singh S/o (L) N. Kulla Singh of Langthabal Kunja গী মিংদা পানবা খুল নং 67-Langthabal Kunja Patta No. 378 অরিবা 2264 অনৌবা C.S. Dag No. 2335 গী এরিয়া 0.082500 একর চাওবা ইংখোল অসি Petitioner না মশাগী মমিংদা নমা পানবিয়ু /ওনশিনবিয়ু হায়না উক্তা Court SDC-Lilong Chajing Imphal West কী Office তা দরখাস্ত থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাকপিদুনা Objection তৌবিরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। Court কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector
Lilong Chajing, Imphal West

SL/Pradesh/29

In the court of The Sub Deputy Collector, Lilong Chajing, Imphal West

Mutation Case No. 215 of 2026

Ningthoukhongjam Malenganba Meetei S/o N. Nilla Meetei of Langthabal Kunja

--- Petitioner

-Vs-

Ningthoukhongjam Sanajaoba Singh S/o (L) N. Kulla Singh of Langthabal Kunja

--- O.P.s

/NOTICE

Lilong Chajing Dated 28-10-2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি মৃতু ওইখ্রবা Ningthoukhongjam Sanajaoba Singh S/o (L) N. Kulla Singh of Langthabal Kunja গী মিংদা পানবা খুল নং 67-Langthabal Kunja Patta No. 378 অরিবা 243/1908 অনৌবা C.S. Dag No. 1298/2131 গী এরিয়া 0.142500 একর চাওবা ইংখোল অসি Petitioner না মশাগী মমিংদা নমা পানবিয়ু /ওনশিনবিয়ু হায়না উক্তা Court SDC-Lilong Chajing Imphal West কী Office তা দরখাস্ত থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাকপিদুনা Objection তৌবিরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। Court কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector
Lilong Chajing, Imphal West

SL/Pradesh/29

IN THE COURT OF THE DISTRICT JUDGE, IMPHAL WEST; MANIPUR

Original (Succession) Suit No. 7 of 2026.

Rajkumar Gourachandra Singh, aged about 42 years S/O (Late) Khumanthem Nungshiton Devl, a resident of Uripok Panchai Maning, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District, Manipur.

.... Petitioner

-Versus-

NEMO

.... Respondent

NOTICE UNDER INDIAN SUCCESSION ACT, 1925.

To

All interested persons,

Whereas, the above named Petitioner have filed an application in this Court under Section 372 of the Indian Succession Act, 1925 for grant of Succession Certificate for the sum of Rs. 7,80,121/- (Rupees seven lakhs eighty thousand one hundred and twenty one) only, payable by RIMS, Imphal Manipur, in the name of deceased person namely Khumanthem Nungshiton Devi. It is hereby notified for information to all concerned that anybody who is interested and desirous of rising objection to the grant of Succession Certificate applied for may appear before this Court on 16/11/2026 at 10.30 O'clock before noon, and show cause why the Succession Certificate applied for should not be granted and if no objection is received on or before the said date, the application will be proceeded with and dispose of according to law without any further notice in this regards.

Sealed and signed by the order of this Court this the 27th day of October, 2026.

Seal :

Sd/-
Sr. Sheristadar,
District & Sessions Court,
Imphal West, Manipur.

SL/B(Birjit)/29, 30

SL/Sush/17 July -Jan-16

Space Coaching Centre
Kwakeithel Heinoukhongnembi Near RM school.
HURRY ADMISSION OPEN HURRY
REVISION COURSE FOR CLASS X
ALL SUBJECTS # RESDENTIAL MODE
STARTS ON 12TH NOVEMBER
HINDI TUITION CENTRE
SPOKEN HINDI COURSE 3 MONTHS
TUITION CLASS FOR ALL V-X
CONTACT -7005285138/9615455360

এডিটোরিয়েল
ꯁꯝꯄꯥꯗꯀꯤꯌ

মেরাগী ১৯ নি পানবা শগোলশেন, ওক্টোবর ২৯, ২০২৬

ꯗꯦꯃꯣꯛꯔꯦꯁꯤꯒꯤ ꯀꯨꯟꯗꯣ ꯑꯣꯏꯔꯕꯁꯨ
ꯄꯩꯁꯥꯅꯥ ꯚꯣꯠ ꯂꯩꯈ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯏꯃꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯨ ꯂꯩꯈꯤꯕꯥ ꯌꯥꯏ

[illegible]

ফুরুপ মশেলগী মরক্তা শান্তি পুরকপগী পান্বে অমা ওইনা শান্নবা

শান্নবুংগী ৱা
এল কালা, উরিপোক

মীয়ামগী পূন্সি অমসুং লন–থুম নীংথিনা ঙাক শেনবা ঙমদ্রে হায়দুনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিবু পেন্দবদগী খোয়রাং খোয়শাওনরবা মণিপুর মীয়ামগী খোল্লাওনা সনালৈবাক মণিপুরগী মায়কৈ খুদিং পূম্নিল নিল্লি। মণিপুর মীয়াম অসি কুকি ফুরুপ নৎতনা অতৈদি অমৎতা ওইনা পুনশিন্নরবা লিংজেন মান্নরবগী মশক্নি। অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবগী মশক অসি তশেং তশেংবা থম্মোয় থম্মোয়না য়ানরবা তুং কোইবা ওইরগদবা ওইবজাৎলা হায়বদুমদি হায়ফেৎ চমম্নবা অমদি লৈতবা নৎতে। অদুগা লৈঙাক্তা পেন্দবগী লাওরিবা খোল্লাও অসিসু খুদক খুদক্কী ওইবা পূক্নিং লাংবনা পেন্দদুনা লাওবা খোল্লাওরা নত্রগা তুং কোইবা ওইরগদবা খোল্লাওরা হায়বসিমসু মীখল ময়া নকশিল্লকপা অসিদা হেক্তা হায়বা ঙমদবা মতাং অমসু ওইবগুম তৌই। কনানা খঙগনি ঙসিগী অমত্তা ওইবা পূনশিন্নবগী মশক অসি হয়েং ভোটকী মতমদদি পুমচাই চাইবগী মশক ওইরকপা উরকপসু য়ারি।

শান্ন–খোনবগী লমদা মহৌশাদগী শরুক য়াবগী চাং য়াম্না শোৎথনা লাক্লবা চীংমী নহাশিংগী ফিভম হৌজিক ওইরিবা চীং তমগী ফিভম অসিদা অমুক্তা হেন্না অকায়বা পীরন্লোইদবগী ৱা লৈতে। হৌজিক চীংদা নোংমৈগী লান, তমদনা সোসিয়েল মেদিয়াদা চীনগী লান, চীংদা মীশি মীনাগী, মীকপ মীরাওখোলনা চীংমাই খুদিং পূমনিল নিল্লি, তমদনা লৈঙাক পেন্দে, সি এম পেন্দে হায়বগী ৱাকৎ খোঞ্জেলনা মরেং মরেং, চীংদা য়ূম কৈ কয়া মৈ চাকপগী মৈখুনা অতিয়া পক্লা পায়রি তমদনা বন্দ তায়ার থাবগী মৈখু, মৈরা খোংচৎকী মৈরাগী মৈখু, তিয়ার গ্যাস অমসুং স্মোক বোমগী মৈখু ময়াম অসিনা পুম্মম মল্লি। চীংদগী চেন্থরকপা ইৱাই ইনিলনা তম্পাক লম য়ৌরকপদা কংলাগী শেনবুং মখোলনা য়ৈবদা লম্বী শরক খুদিং, লৈকাই খুদিং, য়ূমথোং খুদিং পুং–ঝান, পুখম, তেংগোৎ, খুটি কৌতা অপায় অপায়বা থেংন থেংনবা য়ৈবা, থিনবা খোংবা ময়াম অসিগী মখোলননা তম্পাক লম পুমলাং লাংই। মসিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী য়াথং পুখম থিনবা, মৈ মুথৎপা অদু অমুক নৌহৌনা নীংশিংলকপগুম তৌহল্লি। জ্ঞান তাদে লমদম অসিগী ওইরিবা ফিভম অসি কনানা মীয়ামগী য়াইফনবা অফবা করি তৌরিবনো হায়বসিমদি খল্লুবদা চমম্নবা ফিভমনি।

চপ চাবা নুমিৎমক্তি হায়বা ঙমদ্রে। অদুবু নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা দিপুটি চীফ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা কাংপোকপীদা করিনো ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা হৌদোকখিবগী পাউ লোকেল পেপরশিংদা থেংনখিবা লৈ। লৈঙাক লুচিংবশিংনা লমদম অসি শান্তি হঞ্জিল্লক্লে ফনা হায়জরবসু মৈতৈ, নাগা, কুকি খেৎনবা ফুরুপশিং খাইবুং তানবগী মশক অসিমদি কোকপগী মমি ইতা তাদে। লমদম অসিগী মীয়াম ফুটবোল মশান্নদা কা হেন্না ঙাওজবনি হায়বা ৱাফমসিমদি য়ানরবা ওইগনি। মণিপুরগী ফুটবোল ইতিহাসতা খরা ঙল্লিঙৈ মতম হায়গদ্রা শোক ১৯৫০ মতম মমাঙ ১৯৪৭ মতম অদুৱাইদগী মে ৩, ২০২৩গী ইরাং অসি থোক্ত্রিঙৈ মমাঙ ফাওবদি নাগা কুকি ফুটবোল শান্নরোই কয়ানা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাকখিদবা নত্তে। অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ১৯৪৭ মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইবা মতমগী ফোতোদা (কটর্সি এ এম এস এ) উরিবা থেংনরিবা অসি নাগা, কুকিগী শান্নরোইনা মশিং হেন্না য়াওবগুম তৌই। ফোতো অসিদা মৈতৈ নত্তবদা সাঙম, বাওরৈ, য়াংমাসো সৈজা (সি এম ওইরমখিবা) সোংজিলেন, মংজাকাই, ফরেং অমসুং য়াংখোহাও অসিদা নৎতবা মমিং খঙদবসু য়াওবগুম তৌই। নাওগোং ইন্দিপেন্দেন্স দে ফুটবোল কপ ১৯৫২ ৱিন্নর ওইবা মতমদা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শান্নখিবা নাগা, কুকি কয়া অমা য়াওবসু ফোতো (কটর্সি এন ব্রজমণি সিংহ)দা উবা ফংই। মণিপুরগী ফুটবোল ইতিহাস শেম্বদা চীৎথবা য়াদবা ফজরবা শক্তম অমা হায়বা তারবদি মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংলবা মতুংদা মণিপুর মহুৎ শীন্দুনা শান্নগদবা টিম শেম্ব খুদিংদা মৈতৈ, নাগা, কুকি, মৈতৈ পাঙল অমসুং নেপালি হায়রিবা ফুরুপশিং অসিগী শান্নরোই কয়া অমা য়াওদুনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম শাগৎতুনা শান্নরগা লাকখি হায়বসি ককপা য়ারোইদবা ৱাফমনি।

অমবু ওইরে অমবু ওইরে দিপুটি সি এম নেমচা কিপগেননা হৌদোকখিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট মৈতৈ, নাগা, নেপাল্লি অমসুং পাঙলগী ওইবা ক্লব / টিম শরুক য়াবা য়াওদ্রবসু কুকি ঙাক্তনা শরুক য়াখিবা ওইরবসু নোংমৈ পাইবা পাইদবা লমহেন তুহেনবা ওইরবসু ওইদ্রবসু শান্তিগী লম্বী থিবদা য়াম্না কান্নবা উপায় অমদি কুকিরক্তা খোং থাংজিনবা হৌরে হায়না হায়বা তায়। পাঙথোক্লিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি কুকি ফুরুপ ঙাক্তগী নৎতে, মীওইবা খুন্নাই য়াইফনবা খেৎনবা লৈতনা হিং মিন্নবা লৈমিন্নবা য়ানবা হোৎনবা নুংঙাইরবা ফুটবোলগী কুম্মৈনি হায়না কুকি লুচিংবশিংনা কুকি নহাশিংগী পূক্নিং চীংশিনবিবা ঙল্লবদি য়াম্না ফগনি। মতাং অসিদা লৈঙাক্কী পূক্নিং চীংশিজনিংবা ৱাফম অমদি কুকি মীহুৎশিং (এম এল এ) অমদি লুচিংবশিংনা খঙবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিনা শান্তিগী খোংফম অমা থিবা ওইহল্লগা মতুং তারকপা অথুবদা শান্তিগী মিসন অমা ওইনা ফুরুপ খুদিংমক্লা পুন্না য়েংবা য়াবা অমদি শরুক য়াবা অচৌবা ফুটবোল মেটচ অমা নত্রগা টুর্নামেন্ট অমা মফম চাবা য়েংলগা পাঙথোকপা ঙল্লবদি শান্তি থিরিবা অসিদা ফনা য়াম্নদি কানবা ফংগনি হায়না অশা তৌবা য়াই।

মীওইবগী য়াইফনবদা খনবা ঙম্বা অমসুং থবক ওইনা পাঙথোক্তুনা খুদোল তৌরম্বা মীওই মালেমসিদা লিশিং লিশিংনা খুজিং ওইদুনা লৈরি। পোকপদগী নত্রগা খঙহৌদনা থোকপা থৌদোক্লা ওইহনখিবা শোয়নবা মীমান্নদ্রবা অসিগুম্লবা মীওইবগী মতৌ ওইরবা অসি শোয়নাইদবা মীওইশিংগা খেনবা থমদনা লৈমিন্নবা অমসুং হিংমিন্নবা ঙম্নবা শান্ন–খোনবগী লমদা হোৎনরম্বা ফাদর ওফ পেরালিম্পিক সার লুদৱিক গুট্টমান ঐখোয়না মাবু নীংশিংবা য়াবা মতাংনি। মাগী মমল নাইদ্রবা খুদোলনা ঙসিদি ঐখোয়না মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা শোইনাইরবা মীমান্নদ্রবশিংগী ওইবা মল্টি স্পোর্টস কম্পিটিসন এসিয়ান পেরা গেমস ২০২৬ হৌখিবা তারিক ২৪ ওক্টোবরদা লোয়শিনখ্রবা অমদি সম্মর পেরালিম্পিক গেমস অমসুং ৱিন্টর পেরালিম্পিক গেমস ওলেম্পিক গেমসগুম্না লেপ্তুনা পাঙথোকপা থেংনরিবসিনি। এসিয়ান পেরা গেমস ২০২৬, লোয়শিনখ্রবা অসিদা ইন্দিয়ানা স্পোর্টস ১১দা নুপা অমসুং নুপী পূন্না শান্নরোই ১৬৮না শরুক য়াখিবদা গোল্ড মেদল ৩০, সিলভর ৩৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪৮ য়াওনা পূন্না মেদল ১১৮ ফংলগা টেবলগী মরিশুবা মফম কনবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়া এসিয়ান পেরা গেমস ২০১০দগী অহানবা ওইনা শরুক য়াবা হৌরক্লগা হন্দক ২০২৬দা পাঙথোকপা অসিদা শরুক য়ারিবা অসি মঙারক শুবনি। অহানবা ওইনা শরুক য়াবা চহী ২০১০দদি ইন্দিয়ানা গোল্ড ১, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ৯ পূন্না মেদল ১৪ খক লৌবা ঙল্লগা ১৫শুবা মফমদা কনখিবনি। ইন্দিয়াগী এসিয়ান পেরা গেমস গেমসকী মেদল ইতিহাস পার্ফোমেন্স শরুক য়াবা খুদিংগী য়াম্না ফগৎলকই হায়না লৌবা য়াই। ইন্দিয়াদা পেরা স্পোর্টস মুভমেন্ট অসি শোক ১৯৯২ চহীদা এম মহাদেব অমসুং মাগা লোয়নবা খরগনা পূন্না হোৎনমিন্নদুনা মতমদুদা ফিজিকেল্লি হেন্দিকেপ স্পোর্টস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া হায়না খঙনবা অমা নেসনেলগী থাক্তা শেমদুনা লিংখি। কোন্নদি হায়রিবা ওর্গনাইজেসন মমিং অসি পেরালিম্পিক কম্মিটি ওফ ইন্দিয়া (পি সি আই) হায়না থোল্লগা শোক ১৯৯৪দা রেজিষ্টার তৌখি। অসুম্না ইন্দিয়াদসু শোয়নাইরবা মীমান্নদ্রবশিংগীদমক য়াইফনবা খনবা ঙম্বা মীওই লৈরমদুনা মখোয়বু স্পোর্টসকী লমদা মখুৎ পায়দুনা চীংলগা মখোয়গী পূক্নিং ৱাখলদা শোইনাইদবশিংগা খেৎনবা থমদনা হিংমিন্নবা য়াই হায়বসি মশক তাক্তুনা লাক্লি।

মালেমগী ওইনা মীয়ামগী য়াইফনবদা খনবা খেৎনবা থমদনা হিং মিন্নবা, লৈমিন্নবা, শরুক য়ামিন্নবা য়াবা থবক কয়া তৌদুনা মীয়ামদা খুদোল তৌরম্বা মীওই কয়া অদুগী মপান্ননি। ঙসি ঐখোয়গী মীরোল অসিনা চাউখৎপা হায়নবা মশক উরিবা থেংনরিবা অসি। চাউখৎপা হায়বসি মীওইবনা অরিবা অমদি অনৌবা হায়বা ইতিহাস পারগা নৈনরগা হান্নগী মফমদুদা হঞ্জিন্নবা ৱাখল্লোন নৎতবদা তুংগী লাক্কদবা মীরোলনা কনা–কনাগদবা ওইবা অফবা ৱাখল্লোন লৌখৎলগা হোৎনবা য়াবা হোৎনরগা থবক ওন্থোক্তুনা লাকপনা ঙসিগী চাওখৎলে হায়রিবা সভ্যতা অসি য়ৌরক্লিবনি।

মালেমগী ওইবদা য়াম্না পাক শন্না খঙলুদ্রবসু নৈনরুদ্রবসু ঐখোয় স্বাই ঐখোয়না লৈরিবা সনালৈবাক মণিপুরদসু য়াম্না অরিবা ইতিহাস ফাক্তোলুদ্রবসু য়াম্না লিবা ওইবা ওইদ্রিবা নিংথৌরেলগী ৱারীদা খুন্নাই মীয়ামগী য়াইফনবদা খনবা অমৎতা ওইনা লৈমিন্নবা খুন্দামিন্নবা, শরুক য়ামিন্নবা য়াবা অশানবা মীৎয়েং উবা ঙম্বা নিংথৌ কয়া লৈরমখিদবা নৎতে। য়াম্না অনকপদা পাল্লমখিবা নিংথৌ অমা লৌখৎপদা মোর্দন স্পোর্টসপু লমদম অসিদা মশক তাক্লম্বা অমদি চাওখৎনবা চোকথবা লৈতনা হোৎনরম্বা মশামকসু শান্নরোই ওইনা শরুক য়াবা ঙল্লমখিবা সার চুরাচান্দ সিংহ কে সি এস আই, সি বি ই মহারাজ ওফ মণিপুর (১৮৯১–১৯৪১) ঙসিসু মাগী মিংদা শান্নবগী ট্রোফি কয়া পীদুনা নীংশিংনরিবা অসি লৌখৎপা য়াই। মানা শান্নবগী হোৎনরম্বা কয়া অদুগী খোঙ্গুল লিদুনা মীরোল মীরোলনা হোৎনরকপনা ঙসি মণিপুর অসি শান্নবদা মালেমগী ওইবদা ফিদা কনবা ঙল্লিবনি।

মণিপুর নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইদ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী ষ্টেট ওইরবা মতুংদসু চাউখৎপা হায়বসি অৱাংবা থাক্কী মহয় মশিন তম্বগী মঙাল ফংদ্রবদি য়ারোই, ঙল্লোই খনবা ঙম্বা তুংদা লাক্কদবা মীরোল মীরোলগী য়াইফনবা তৌরম্বা মীয়েং শান্না উবা ঙম্বা লৈঙাক লুচিংবা লৌখৎপদা অনীরক চীফ মিনিষ্টর ওইরমখিবা (২৩–০৩–১৯৭২, ২৮–০৩–১৯৭৩), (০৮–০৩–১৯৭৪, ০৮–০৭–১৯৭৪) মহমদ অলিমুদ্দিন য়াম্না শাংনা চীফ মিনিষ্টর ওইরমদ্রবসু মহাক অমসুং মহাক্কী মতমদা ইদুকেসন মিনিষ্টর ওইরমখিবা য়ুম্নাম য়াইমা সিংহ পক্লা লৌখৎলগা নীংশিংবা য়াই। মখোয় অনীনা লুচিংবা ওইরিঙৈ মতমদনি। মীরোল মীরোলদা মমল নাইদ্রবা ওইরগদবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি (এম য়ু) ঙসি কাঞ্চিপুরদা মশেক মঙাল লৈনা অহিংবা অকনবা অমগী শক্লোন লৌদুনা লৈরিবা অসি।

লোয়শিল্লকপা অসিদা শান্ন–খোনবনা তুংদা লাক্কদবা মীরোলনা কান্নবা ফংগদবা মশক অদু মুন্না খঙবা শাননা উবা ঙম্বা ফিদম্নিংঙাই ওইবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ স্পোর্টস (১৯৮৫–১৯৮৮) ওইরম্বা অদুগা মণিপুরগীসু চীফ মিনিষ্টর ওইরমখিবা (০৪–০৩–১৯৮৮, ১৭–০২–১৯৯০) আর কে জয়চন্দ্র সিংহ মণিপুরগী শান্নবগী ইতিহাসনা কাওবা য়ারোই। ঙসি ঐখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা খুমন লম্পাক মল্টি কমপ্লেক্স অসি মহাক্লা খুদোল তম্লম্বনি। ঙসিগী মীরোলনা ইতিহাস নৈনরগা হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিন্নবা হোৎনবগী মমি তাদবগুম তৌবা অসিদি চুমদে হায়বা তাই।

মণিপুরদা নিংথম মহৈ মরোং ওইনা হৱাই থাবা

ভুবনেস্বোরি এস

হৱাই মখলশিংগী চীঞ্জাক অসি ফৌ মহৈ মরোংশিং (সিরিয়েলস)গা পূন্না চামিন্নবদা তঙাই ফদবা চীঞ্জাক মচল ওইবনা মরম ওইরগা ভারতকী মীশিং অয়াম্বনা মরুওইরবা চান্নবা চীঞ্জাক্কী মচল ওইরি। মালেমগী মফম পূন্নমক্তগী ভারত্তকী হৱাই মহৈ মরোংশিং (পলসেস)না পীবা চীঞ্জাক্কী মচিনা চাংচৎতা হেনবনিনা চীঞ্জাক মহৈ মরোং মখল অসিগী কান্নবা মরুওইবদুসু হেল্লি। হৱায় পান্থী অমমম্না মশানা মশাগী নায়ট্রোজেন সুংজনবা ফেক্টরি ওইজৈ অদুনা মশাগী তঙাইফদনা চঙবা নাইট্রোজেন মচল পীবা ঙমজৈ লোয়ননা মথংগী থাগদবা মহৈ মরোংদসু কান্নবা পী। মসিগী মথক্তা পলসেস মহৈ মরোং অসি শা ষণগী মচীঞ্জাক অমসুং শজিক ওইনা শীজিন্নবসু য়াই। মসিগী মথক্তা মখোয়গী চীঞ্জাক মচি ৱাংনা য়াওবা অমসুং নাইট্রোজেন ফাজন্দুনা থম্বা ঙম্বগী মপাঙ্গল য়াম্না লৈবনা মরম ওইরগা লৈহাও ফগৎহনবদা মতেং চাওনা পাংই। ফিজিকেল, কেমিকেল অমসুং বাইওলোজিকেলগী ওইবা মচল ওইরগা লৈহাও ফগৎহনবদা মতেং চাওনা পাঙই। ফিজিকেল, কেমিকেল অমসুং বাইওলোজিকেলগী ওইবা মচল ময়াম অসিগী ফিভম ফগৎহনবনা মরম ওইরগা মখল মখা কয়াগী চেং ফৌ থাবদা মরুওইবা থৌদাং লৌবগী ফিভমসু লৈ।

কালেনগী মতমদা (খারিফ) মণিপুরদা রাইসবিন, উর্দ বিন, পিজন পি গুম্বা মহৈ মরোংশিংসি চীংগী লমদমদা থাই অমরোমদনা পীয়াস, লেনতিল, লাথায়রস অমসুং চিকপি হায়রিবা মহৈ মরোংশিং অসিনা লমলেন ওইনা লৈবা তম্পাক্কী লমদমদা নিংথম মহৈ মরোং ওইনা থাই। নিংথম মহৈ মরোং মখলশিংসি তম্পাক অমসুং চীংগী লমলেমশিংদা থারি। পলসেস মখল অয়াম্বা য়ুমগী কিচন গারদেনদা থাই। খরিফ মতমদা ফৌগী মহৈ মরোংনা হেন্না পান্না থানৈ অদুগা নিংথমথাদগী মতমদনা নোং চুদবা অমদি ইথৈ লৌখোং ফৎতবনা লবুকশিং অসি হাঙহল্লগা থম্মী।

পলসেস মহৈ মরোং ফগৎহন্নবগীদমক ফৌ লোকখ্রবা মতুংদা হৱাই থারগা লেমহৌবা নাইট্রোজেনগী শরুক্তু শীজিন্নদুনা পলসেস চাথোক হেনগৎহন্নবা মচাক অমা ওই। মফমসিদা পলসেস থাবগী মওংশিং অমসুং মণিপুরদা চাথোক হেনগৎহন্নবা মরমশিং ঃ

হৱাই মঙ্গল–

পলসেসশিংগী মরক্তা ফিল্ড পিত্র লমদমসিগী লোলদা হৱাই মঙ্গল হায়না কৌবা হৱাই মখল অসিনা পলসেস মহৈ মরোং থানরিবা অপূনবা লৌফম পরি ২৬,০০০ গী মনুংদা ৮৫%গী লৌফমদা থাদুনা চাথোক তোন ২১,৮০০ পুথোক্তুনা পরিদা কে জি ৮৩৭ পুথোক্লি। লমদমসিদা থানরিবা ফিল্ড পিত্র মখলশিংদি মখয়াৎ মুবী, মকুচাবি হায়রিবা মখলশিং সি মশা পূম্বা নৎত্রগা মরুদমক চানবা লৌমী মীয়াম্না থাই। অদুম ওইনমক, মসি ৱাংই অমসুং চৈ য়ুংবা তঙাই ফদবা লৈ। লোইননা পাওদরি মিলদিয়ু (অঙৌবা মহি তাবা) অমসুং রষ্ট (কোহ্লিং)গী লায়নাশিং তাগল্লি। চাথোক লৈবা মখলশিংগী মরক্তা *রাচনা* হায়রিবা মখলসি মীয়াম্না পান্না থাই। অৱাং নোংপোক লমদমদা পলসেস থাবগী থবক হেন্না পান্নহন্নবা আই সি এ আর ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ পলসেস রিছার্স, কানপুর (য়ু. পি.) ইং কুম ২০১৪–১৫ দা ফজনা মতেং পাংনরবা থৌওংদা চাংয়েং (কোওর্দিনেটেদ ট্রাইএল) পাঙথোকখি। মসিদা আই পি এফ – ৫১৯ (অমান), আই পি এফ ৬–৩ অমসুং আইচ য়ু দি পি ১৫ হায়রিবা মখলশিং অসি মণিপুরদা হান্না থানরিবা রাচনা মখল (পরিদা তোন ০.৮ লোকপা) মখল অসিদা গারিদা তোন ১.০–১.৫) ফাও চাথোক হেন্না পুথোকপা ঙম্বা থেংনরে। মখোয় অসি নুমিৎ ১১০–১১৫ ফাওবগী মনুংদা মহৈ চাবা অমসুং লোকপা য়াবা মখলশিংনি। মনা পানবোই পান্দবোই তৌবা মখলগা লোয়ননা মনাশিংদু মতোন মকোইদা ওন্থোকখি, মসিনা তুথদুনা লৈবা হন্থহল্লি অমসুং পাওদরি মিলদিয়ু অমসুং রষ্ট তগী ঙাকথোকচবা ঙমই। অকঙবা মরুশিংদি মোন মোন লাওই। *অমান* মখলগী মরুশিংদি মচু শংই। অদুবু আই পি এফ ৬–৩ অমসুং আইচ য়ু দি পি ১৫ দি ক্রিম মচুনি।

মুকসোরি–

মীয়াম্না *মুকসোরি* হায়না খঙনবা হৱাই মখল অসি মণিপুরদা মীয়াম্না পান্না থানদে। অদুমওইনমক মহৈ মরোং মখল অসি মণিপুরগী মফম কয়াদা চহী খরা অসিদা থাবা হৌরক্লি অমসুং মীয়াম্না পান্নবা হেনগৎলক্লি। মরমদি হৱাই মখল অসি অমুক তকখায়বা য়াওদনা মপুম ওইনা পুল্লপ চাবা য়াই। লমদমসিদা থাবদা চাথোক লৈবা থেংনরিবা মখল খরদি পি এল–৪, দি পি এল– ৬২ অমসুং আই পি এল ৮১। অপিকপা মরু পানবা মখল আইচ য়ু এল ৫৭ অসি লমলেমদা থাবদা চাথোক লৈবা থেংনৈ– কান্নে।

চনা–

মীয়াম্না *'চনা'* হায়না খঙনবা হৱাই মখল অসি চীং অমসুং তম্পাক্কী অপিকপা লমদমদা মপূং ওইনা (হিংনা, ফুৎলগা, তাওরগা, ঙাল্লগা, মতোন চোংহল্লগা) নৎত্রগা *হৱাই* কাঙতক নৎত্রগা মকুপ (য়াম) ওইনা চানৈ। অদুম ওইনমক মণিপুরদা মসি অহিংবা মকু পানবা মশা ওইনা য়োল্লি অমসুং মরুদগী হেন্না শিংলি। চাথোক লৈবা মখলশিংদি রাজাস অমসুং জে জি ১১° হায়রিবা মখলশিং অসি থাবদা চাথোক লৈবা থেংনরি।

কশারি–

মসি *'কশারি'* হায়না খঙনবা মণিপুরগী তম্মীশিংনা থানবা হৱাই মখলনি। ইংলিসতা গ্রাস পিএ, হিন্দিদা *খেসারি* অমসুং বেঙগালিদা *কশারি* হায়নসু হৱাই মখল অসিবু খঙনৈ। মসি চিক পিএ য়ামগী মহুৎ শিন্নবা থানৈ অমসুং লেঙদবা লমদোংশিংদা থাই। অশংবা মনা পানবা শরুকশিংনা শন শজিক ওইনা পিজৈ অদুগা অকঙবা মরুশিংনা য়ৈথোক্লগা য়াম ওইনা তক্লগা শীজিন্নৈ। মরুশিং অসিদা বি ও এ এ (বি–এন–ওক্সলিল–এমায়নো এলানাইন), হায়বা মীওইবদা লাথায়রিসম কৌবা লায়না থোকহনবা নিয়ুরোতোকশিন য়াওই। মরুদা বি ও এ এ অসি ০.১ দগী ২.৫ % ফাওবা য়াওই। অদুম ওইনমক ০.২%দগী হন্থনা বি ও এ এ য়াওবা মরু চাবদা মীওইবদা অকায়বা লৈতে। চাথোক লৈবা বি ও এ এ হন্থনা য়াওবা মখল খরদি বাইও এল ২১২ (রাতন) অমসুং প্রাতিক হায়রিবা মখলশিংসি ঈশিং মনিল হন্থনা য়াওবা মফমদফাও থাবদা হৌবা ঙমই।

মৰূ অমসুং মৰূ শেম শাবা ঃ

অফবা মৰূ হায়বসিনা অফবা পান্থী ওইহনবা অমসুং চাথোক হেন্না পুথোক্লবা পান্থৈনি। মৰূশিংদু কারবেন্দাজিম, থিরাম, কাপতোন নৎত্রগা ব্রাশিকোল হায়রিবা হিদাকশিংসিনা তোৎশন্নরগা শেম শাবিগদবনি। মরু কে জি অমদা ফংগিসাইদ গ্রাম ২–৩ তোৎনরগা শেম শাবিগনি। হিদাক তোৎপগী থবক অসি হুনগদবা নুমিৎ হুন্নি ৱাৎলিঙৈদা তৌবীগনি। লৈশৌ তাবা মফমশিংদি অলদ্রিন হায়বা তিলহাৎ হিদাক তোৎলগা শেম শাবিয়ু। রাইজোবিয়ম শীজিন্নদুনা মৰূ চারা শেম শাবনা মৰূদা নাসট্রোজেন তুং শন্দুনা থম্বদা মতেং পাংই। মসিনা হুনগদবা নুমিৎ ৫ নি ৱাৎলিঙৈদা তৌবিগদবনি।

থাবগী মতম ঃ

খ্বাইদগী চান্নবা নিংথম মহৈ মরোং পলসেস হুনবগী মতম অসি মেরা (ওক্তোবর)গী চয়োল অনীশুবদগী হিয়াঙ্গৈ (নবেম্বর) থাগী অনীশুবা চয়োল ফাওবনি। থেংথনা হুনবনা চাথোক শাথিনা হন্থহল্লি। অদুম ওইনমক মণিপুরদদি মসিগী মরু মরাংশিং অসি লমলেম অমসুং ফৌ লোকখ্রবা মতুংদা থাবা ওইবনা অমসুং অকংবা মফমদা থাবনা মরম ওইরগা নোংজু মতম লোইখিবা অমসুং ফৌ মুনবগী মখা পোল্লি। অথেংবা মেরা নৎত্রগা অঙনবা হিয়াঙ্গৈগী মতম হুন্নবগীদমক লৌ লোক্কদবা নুমিৎ ৪–৭ নিগী মমাঙদা লেনতিল নৎত্রগা লাথায়রস মরুশিং হুনগদবনি। অদুম ওইনমক ফিল্ড পি দি ফৌ লোকখ্রবা মতুংদা ঈশিং মনিল য়াওদবা থেংনরবদি ঈশিং চনবীগনি।

লৌফম শেম শাবা ঃ

মসিগী নিংথম মরু মরাং অয়াম্বা লৌ লোকথোকখ্রবা লমলেমদা থাই, ঈশিং মনিল য়োকখৎতুনা থম্বা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। লৈচঙ লুনা খোইদোক্তবা ফৈ মসিনা ঈশিং মনিল (মোইচার) য়োক্তুনা থমই। অদুনা খজিক্তং খোইদোকপনা ফৈ। মৰূশিংদু ফৌ হৌরিঙৈ (*উতেরা*) গী মতমদা থাবা ঙমদ্রবদি। ফৌ মখোক্লা কুপশন্দুনা ঈশিং মনিল মাঙহন্দনা মৰূ হুনখ্রবা মতুংদা থম্বা ফৈ। মসিনা লৈহাও অইং অশা চাং চানা থমদুনা মতোন থুনা চোংহল্লি।

ঈশিং পীবা ঃ

লৈ মপান শাৎলকপা অমসুং মখাওদা মচাক হাল্লকপা মতমদা ঈশিং মরাং কায়না পীবনা চাথোক হেন্না লৈহল্লি। ঈশিং মরাং কাইবগী মতুং ইন্না মৰূ হুন্দ্রিঙৈ, লৈ শাৎলমদাই অমসুং মচাক হান্নবা মখাও শারকপা তাঞ্জাদা ঈশিং পীবা কান্নৈ।

লোকপা অমসুং চাথোকঃ

পোখাইবা হন্থহনবা মতম চানা লোকপা ফৈ। মসি ফোইদুনা নৎত্রগা থাঙ্গোননা কত্তুনা হেক্কনি, ফজনা কংহনগনি অমসুং অনানবা লৈমাইদা য়ৈথোক্কনি। মসিনা ঈশিং মনিল য়াওবগী চাং হন্থহল্লি য়ামদ্রবদা ১০–১২%গী চাংদি হন্থহল্লি লোইননা চান্নবা হাপফমদা থমগনি।

পরী অমদা তোন ১–১.২ ফাওদি চিকপিএগী চাথোক ফংই অমসুং ফিল্ডপিএনা পরীদা তোন ০.৮–১ ফাও লোকই, লেনতিল অমসুং লাথয়রসসু অসুন্না লোকপা ঙমই। মসি ফজনা শেম শারগা পায়খৎপা লৌউ থৌরাংনা হায়রিবা পান্দমসি ফংই। অদুম ওইনমক লৌউ কুম মনুংদা ঈশিং অনীরক অহুল্লক পীবনা চাথোক হেনগৎহল্লি।

মনা–মশিং থাবগী কেলেন্দর 'ওক্টোবর'

নিংথমগী ইঙ্গাং নাপিশিং অদুম হুনবা য়ারি। সেপ্টেম্বরদা হুনখিবা চারাশিং লিং থোকপিরো। খামেন অশিনবগী চৈঙাক য়ুংবিবগী লোয়ননা হিদাকসু কাপথোকপিরো। লোকপা য়াবা ভিজিটেবলশিং লোকপিরো।

দেমোক্রেসিগী কুন্দো ওইরবসু
পৈশানা ভোট লৈখ্রবদি ইমা লৈবাকসু লৈখিবা য়াই

দেমোক্রেসিগী খ্বাইদগী অচৌবা কুন্দোনি হায়না লৌনরিবা এসেমব্লি মীখল নকশিল্লক্লে। হৌজিক লৈরিবা ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লী অসি মথং চহী ২০২৭ কী মার্চ ১৩ দা লোইরগনি লোয়ননা বি জে পিগী খেমচান্দনা লুচিংবা লৈঙাক অসিসু থুপচিনখ্রগনি। মসিগী মমাংদা মীখল পাঙথোক্তবা য়ারোই। লুরিবদি মীখল নকশিল্লকপা অসি মহৌশাগুম মীখলগী কুন্দোদা য়াওখিদুনা ২০২৩ গী মে ৩ দগী থোক্লকখিবা ইরাংনা মরম ওইরগা মায়োক্লরিবা অৱাবা খুদোং চাদবা অমদি মীশি–মীনা কয়া য়াওনা মণিপুর মচেৎ তানা কায়বা য়াবগী ফীভমদা লৈরিবা পুন্নমক অসি কাউখিগদ্রা হায়বদুনি। ৱাবা য়াবা ৱাখ্রে, কপ্পা য়াবা কপখ্রে। মণিপুরীশিংদা তাইবঙ শেম্বা মপুনা অৱাবা পুন্সি খক্তা ওইনা তল্লিরল্লবা জাৎলা ফাওবা হায়নরবনি। ৱাখল খনবা ঙম্বা ওইরবসু থৱায় পানবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী শোনবা জিব অমা ওইরিবা মীওইবা ঐখোয়দা কাউথোকপা ঙম্বগী থৌনা ইশ্বরনা পীরম্বা মরম্না মীখল লাকপদা অৱাবা পুন্নমক অদু কাউখিগদ্রা হায়বগী মীপায়বসু লৈতবদি নত্তে। অকাউবা হায়বসি ঈশ্বরনা মীওইবদা পীবিরম্বা ফজরবা খুদোলশিং গী মনুংদা অমনি হায়না লৌবা য়াই। অকাউবা লৈরমদ্রগদি তাইবঙ মীওইবা হিংবা ৱারমগনি। অদুবু মীখলনা মরম ওইরগা লৈবাক্কী অৱাবা কাউথোকপদি লানগনি। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অসিদা মীখল হায়বসি তঙাইফদনা পাঙথোক্তবা য়াদ্রবা থবক অমনি। মীওইবা অমগী পুন্সি অসি চাউরাক্লা য়াল্লবদা চহী ৯০ মুক হিংগনি হায়না লৌরসি। অদু ওইরবদি চহী ৯০ হিংগদৌরিবা মীওই অদুনা মহাক্কি পুন্সিদা ভোট থাদবা হৌগদৌরিবা অসি চহী ১৮ শুরকপদগীনি। মীওই অমনা চহী ১৮ শুরকপদগী চহী ৯০ ফাওবা ভোট পীরগদি মীওই অদু মরক্তা লৈখিবা য়াওদ্রগদি মহাক্কী পুন্সি খোঙচৎ অদুগী মনুংচন্না থাদগদৌরিবা ভোট মশিং অসি শুপ্নগী ১৪/১৫ খক্তনি। অদু ওইরবদি ভোট অসি কয়াদা মমল য়ামখ্রবনো?

মরম অদুনা হৌখিবনা হৌখ্রবসু অমুক্তং ওইরবসু ইমা লৈবাক্কী খল্লগা থম্মোয় শেংনা ভোট পীবনা পুন্সিগী অশেংবা ৱাহন্থোক ওইরোইদ্রা হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক খন্থমিন্নবা চুমগনি। অমুক্তং ওইরবসু থম্মোয় শেংনা লৈবাক্কীদমক খল্লগা ভোট পীবগী মতম অদু ওইরবনি। নঙ–ঐগী ভোট অদুনা লৈবাক কনবা ঙমগদৌরিবনি। করিগুম্বা ষ্টেট অসিদা ইরাং কনশিল্লক্তুনা পি আর থমখ্রগনা থমখ্রে। পি আর থমদ্রগদি মথং চহীগী ফেব্রুৱারি থা ফাওবগী মনুংদদি মীখল শোয়দনা পাঙথোরকপা য়ানা লৈরে। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা অথুবদা মীখলগী নোটিসসু থোক্লকপা য়ানা লৈরবনি। মণিপুর য়াওনা ষ্টেট ৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখলগীদমক ট্রান্সফর পোষ্টিংগী চৎন–কাঙলোনগী ওর্দর ই সি আইনা থোক্লকখ্রবনি। মীখল হায়বসি দেমোক্রেসিগী অচৌবা কুন্দো অমনি। অদুবু মীখলবু লিলা–দ্রামা, ঈশৈ–নোংমাই অমদি য়াওশঙগী কুন্দোগুম খল্লবদি ঐখোয়গী খ্বাইদগী অচৌবা অশোইবা ওইগনি। মমল য়াল্লবা ভোট পৈশানা লৈখ্রবদি ইমা লৈবাকসু পৈশানা লৈখিবা য়াই হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্লা নীংশিংমিন্নবা চুমগনি। ভোট হেক থাদরমদাইদা ২০২৩ মে ৩গী থৌদোক, খামেনলোক্কী থৌদোক, হেমচান্দ অমদি লিন্থোইঙম্বী ফারগা হাৎখিবা থৌওং, জিরিদা পিক্লিবা অঙাং য়াওনা মীওই ৫ তমথিনা হাৎখিবা, বোমগী এটেক্তা পিক্লিবা অঙাং মচিন–মনাউ অনি খাঙুথক্তা শিখিবা, কুকি টেরোরিষ্টশিংনা ফাখ্রগা থিবা খঙখিদ্রবা, য়ূম মৈ থাদোকপীদুনা তান্থোকপিরকপদগী ঙসি ফাওবা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা হিংলিবা পুন্সি মহিং, মশিং থিঙমদ্রবা বন্দ–ব্লোকেদ, রিলিফ কেম্পতা সুসাইদ তৌবগী কেস, নোংসুমগী থৌদোক, আর্মি কেম্পতা চঙখ্রগা ঙসি ফাওবা হল্লকখিদ্রবা মীওইশিং, মণিপুর কায়বা য়াবগী ফীভমদা লৈরিবা, ষ্টেট অমদি ওইরগা চীং–তম পুন্না খুন্দা লৈতাবা য়াদনা লৈরিবশিং নীংশিংবিয়ু। লোয়ননা তুংদা ওইরকপা য়ানা লৈরিবা অকিবা ফংলবা থৌদোক–ৱাথোকশিং সেকেন্দ খরা ঙাইহাক মীৎ উইশিন্দুনা মুন্না খন্থরবা মতুংদা লৈবাক কনবা ঙমগদবা মীওইশিংদা ভোট পীবনা অশেংবা ঈ মণিপুরী অমা হায়বদু ওইগনি।

নোংমগী ওইবা খন্ন–নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস)ঃ
'ফিদবেক এনালাইসিস এন্দ ৱে ফোরৱার্দ ওন মীতৈ (মৈতৈ) এস টি ষ্টেটস' হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা খন্ন–নৈনবগী থৌরম অমা চীংমৈরোংদা লৈবা অদিমজাতি শিক্ষা আশ্রমগী এমটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মীতৈ / মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন (এম এম টি য়ু) গী সেক্রেটরি এদমিনিষ্ট্রেসন মুতুম চুরামনিনা হায়, মীতৈ মৈতৈশিং সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা চনফম থোকই হায়বা ৱাফম অসি চিনথাং ৱারি ওইনা কুমজা ১৯৫১দগী ঙসি ফাওবা লাক্লবা ৱাফমনি। কুমজা ১৯৮১গী ঙসিগী নুমিৎ ওক্টোবর ২৮দা মতম অদুগী চীফ মিনিষ্টর রিসাং কৈশিংনা মীতৈ মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চন্নবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌরমখিবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, লমদম অসিগী মশক নাইরবা মীওইশিং মরু ওইনা হান্নগী সি এম রাধাবিনোদ কোইজম, অশোক পোৎশঙবম অমদি চীংগী লুচিংবা সুইসা, সোসো লোরহো, সোইহেন হাওমী অমদি আর ভি মিনথিংনচিংবা লুচিংবাশিংনসু ৱাফম অসি পুখৎলম্বনি। মীতৈ মৈতৈশিং এস টি লিষ্টতা চন্নবগী মতাংদা লুপ কয়ানা মাগী মাগী ওইবা ৱাখল্লোলদা য়ুম্ফম ওইরগা খোঙজং অসি চঙশিন্দুনা লাক্লি। ৱাফম অসি মীপূম খূদিং য়ৌহন্নবা এম এম টি য়ুনা শীন্দুনা মীয়ামগী ওইবা রেল্লি অমদি মাস মিসকোল কেম্পেইননচিংবশিং চথুদুনা মীওই লাক ৯ লোমনা মীতৈ মৈতৈনা এস টি লিষ্ট চনবগী মতাংদা মেন্দেট পীখ্রবা লৈখ্রে। মসিগী মথক্তা কুমজা ২০২৪দা এম এম টি য়ুনা নুমিৎ কুন্নি চুপ্পা ষ্টেট অসিগী ৱাংমদা চথখিবা নেসনৱাইদ কেম্পেইনদসু এস টিগী ৱাফম অসি মতিক চাই হায়না মপানগী মীয়ান্না ফোঙদোক্লরকখিবসু লৈখ্রে। ঙসি শীল্লিবা খন্ন–নৈনবগী থৌরম অসিদা অখণ্ড অহৈ অমদি মীয়ান্না থল্লকপা ৱাখল্লোলশিং লুপ অসিনা থবক্তা ওন্থোক্লবা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

ইন্দিয়া মনুংদা হীংসি হায়রবদি চুমগেরা লানগেরা মীতৈ মৈতৈশিং এস টি ওইগদবনি হায়বা য়াওল ইহৌগী লুচিংবা নামৈরাকপম বিসেশ্বরগী ৱাখল্লোল তুংইনবা চুমগনি। মণিপুরগী ওইবা দেমোগ্রাফিক ইমবেলেন্স অমদি মীতোপনা লম খোপচিনলক্তুনা ইরমদম অসি মখোয়গী মপা–মপুশিংগী লমনি হায়বা ৱাফম পুখৎলক্লিবা অসি থেংনসি হায়রবদি মীতৈ মৈতৈশিং এস টি ওনবা মথৌ তাই। মীখলগী মতম নকশিল্লকপা মতম অসিদা মীতৈ মৈতৈশিংগী ফংফম থোকপা হক ওইরিবা এস টি লিষ্ট চনবগী ৱাফমগী মতাংদা মীরেপ ওইগদৌরিবশিংগী ফিরেপ লৌথোকহন্নবা কেম্পেইন চঙশিনমিন্নবা হায়না মহাক্লা

মপানগী কম্পেনিশিং য়েংশিনবা ...

*লমায় ১গী মখা...*লম্বী অসি মতম শাংনা রিং রোদ প্রোজেক্টতা য়াওই হায়দুনা চহী কয়া শেমদনা লাকখিবা অদু ঙসিদগী থাংমৈবন্দ কেন্দ্র দিভলপমেন্ট ওগর্নাইজেসন (টাকদো) অমসুং লম্বী অসিগী নাক য়েৎতা লৈবা লৈকাইগী মীওইশিং মান্নরগা শেন্বা হৌখ্রে।

লম্বী অসি শেন্নবা প্রোজেক্ট পায়রিবা ভেণ্ডর কম্পেনিনা অথুবদা শেন্বীয়ু হায়দুনা থা অসিগী ১০দা লৈকাই মীয়ান্না পাউগী মীফম পাঙথোক্তুনা ফোদোকখিবসু লৈখ্রবনি। মদুদা থবক পায়খৎলক্তবদগী ঙসিদগী হৌনা লম্বী শেন্বা হৌখিবনি। লম্বী শেন্বা হৌরকপা অদুগা ইরোইননা লম্বী অসিগী নাক য়েৎতা লৈরিবা থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকাই, থারোন ভিল্লেজ, তরুং ভিল্লেজ, নিকালোং ভিল্লেজনচিংবা খুলশিংদগী মীহুৎশিংনা লম্বী অসি চহী ৫ রোম হেন্না শেমদনা লাকপা অসিনা চখোক চৎশিন্দা চাওনা অকায়বা পীবা খক্তা নত্তনা লম্বীসিদগী থোক্লকপা উফুলনা লায়না ওন্দুনা মীওই কয়া নাহল্লে হায়খি।

লম্বী অসি রিংরোদ প্রোজেক্টকী মনুং চন্না ভেণ্ডর কম্পেনিনা শেন্নবগী ৱার্ক ওর্দর পায়রগা লৈরবসু শেন্বা হৌরক্তবদগী টাকদো অমসুং খুলগী মীয়াম চঙলগা শেন্বনি হায়না ফোঙদোক্লখি।

মীয়ামগী খোঙজংনা ঙসিদগী লম্বী শেন্বা হৌখিবা অদুগী মতাংদা এ সি অসিগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা হায়, ঙসি টাকদো অমসুং খোইশাওনরবা মীয়ান্না চঙশিল্লক্তুনা কম্পেনিনা শুগদবা থবক কেন্সেল তৌবিরো হায়না মখোয়না শেন্বা হৌরক্লিবা অসি শৌগৎলি। মপান্দগী লাকপা কম্পেনিশিংনা লমদম অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক তৌবগী মিংদা মখোয়গী শেল য়ান্না তোংদবা থবক শুদবগী হৈনবী থমদুনা শেল খক্তা মীহৌরিবা অসি তোক্লবা হোৎহৌবনা চুমগনি। ঙসি থাংমৈবন্দ মীয়ান্না চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসি ৱার্নিং ওইনা লৌরগা মখা তারকপদা শেমদোক্লবা হোৎনবিয়ু। পূন্নমক অসিদা মপানগী লাকপা কম্পেনিশিংনা কমদৌনা থবক শুরিবগে হায়বসি য়েংশিনবা মতম ওইরে হায়খি।

মহাক্লা হায়, থাংমৈবন্দগী হৌজিক্কী লম্বী অসি রিং রোদতা য়াওনবা হায়দুনা ঙসিদগী চহী কয়াগী মমাঙদা কোংগ্রেস লৈঙাক মতমদগী হৌরগা ঙাঙনদুনা লাকখ্রবনি। মতম অদুদগী হৌরগা লমগী চয়েৎনবা লৈবদগী য়ান্নদনা লৈরবা মতুং বি জে পি লৈঙাক লাক্লগা মহাক্লা লোয়ননা মীয়ামদা নীংথিনা হায়নরবা তুংদা মফম অসিদা রিংরোদ চৎপগী অয়াবা অদু পীখিবনি। অদুগা রিংরোদকী প্রোজেক্ট অসিগী ৱার্ক ওর্দরসু ভেণ্ডর কম্পেনিদা পীখিবা লৈখ্রবনি। অদুবু ঙসি চহী ৫ হেল্লবা ফাওবা লম্বী অসি শেন্বগী মমি উদনা লাকপদগী মীয়ান্না ৱা ঙাঙবা হৌরকপনি। অসুন্না মতম শাংনা শেন্মল্লক্তবদগী টাকদো অমসুং লৈকাই মীয়ান্না লম্বী শেমজরগে হায়না পায়খৎলক্লিবা অসিদা মহাকসু শৌগৎকনি। লোয়ননা লম্বী শেন্বা হৌবগা মীয়ান্না লম্বী অসি রিংরোদকী শরুক্তগী লৌথোকপীনবা হায়রক্লিবা ৱাফম অসিমকসু চীফ মিনিষ্টরদা পুখৎলক্লগনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

লম্বী শেন্বা হৌবা অদুগা মরী লৈননা টাকদোগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ নোবোকুমারনা হায়, ফিসরি গেটতগী হৌরগা থরোন ফাওবগী লম্বী অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট রিং রোদকী মনুং চন্না ভেণ্ডর কম্পেনিনা শেমগদবনি। অদুবু কম্পেনিগী মায়কৈদগী থৌৱা শাদবনা মরম ওইরগা লম্বী শেন্বগী থবক অসি হায়নরকখিবা মতমদগী চহী ৫ হেন্না শেন্বীদনা লৈরকপনা লম্বী অসিগী নাক য়েৎতা লৈরিবা মীওইশিং য়ান্না নুংঙাইতবা ফিভম অমদা লৈরকখিবনি। নোং তাদবা মতমদা উফুলনা চৎপা য়াদে লোয়ননা নোং চুবা মতমদনা লৈখোম লৈনাংনা মীয়ান্না চৎপদা অৱাবা অমা ওইরি। লম্বী অসি য়ান্না মরু ওইবা লম্বী অমা ওইবতা নত্তনা স্কুল অমদি নুপীগী হোস্পিটাল অমসু লৈরিবনি। লম্বী অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম লোয়ননা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা হায়জবদা তাবিরক্তবদগী টাকদোনা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রগী মীয়ামগা পুল্লগা অঙন্বা শেনফম পুথোক্লগা শেন্বনি। কেন্দ্র অসিদা লৈরিবা কাংলুপ ফুরুপ কাইদনা মীপুম খুদিংনা শরুক যাবা অসিদা অপেনবসু ফোঙদোকখি।

অনৌবা মারুতি সুজুকি...

লমায় ১গী মখা... মোটোরস নেক্সা সোরুমগী মেনেজর আর কে কেসাবনা হায়, হান্না বালেনো অসি ভেরিয়েন্ট ৪ লাক্লম্বনি। অদুবু অনৌবা মারুটি সুজুকি বালেনো অসি ভেরিয়েন্ট ৫ থোক্লল লৈ। মসিমক কম্পেনি অসিগী মাইলষ্টোন অমনি। হায়রিবা ভেরিয়েন্ট ৫ অসি সিগ্মা, দেল্টা, জেতা, অলফা অমদি অলফা (ওপসনেল)নি। অনৌবা বালেনো অসি বেজ মোদেলদা লুপা ৬,০৯,৮৫৩ দগী হৌই।

গাড়ী অসিগী এদভান্স সেফটি ওইনা ফার্ষ্ট ইন সেকমেন্ট লেভেল ২ এ দি এ এসকা লোয়ননা এদভান্স ওইবা ড্রাইভর এসিষ্টেন্ট ফঙ্কসন ৮ যাওরি। প্রেমিয়ম কমফোর্টকী ওইনা ভেন্টিলেটেদ ফ্রন্ট সিটকা লোয়ননা প্লস লেদরেট অপহোলষ্টরি যাওরি। স্মার্ট টেক্নোলোজি ৩৬০ দিগ্রি ভিউ কেমেরা, হেদঅপ দিসপ্লে, স্মার্ট প্লে প্রো প্লস ইনফোটেনমেন্ট সিষ্টেম অমদি ৱায়ারলেস স্মার্ট ফোন কনেক্টিভিটি যাওরি। সেফটিগী ওইনা এয়রবেগ ৬, ই এস পি অমদি টায়র প্রেসর মোনিটরিং সিষ্টেম যাওরি।

লোয়ননা গাড়ী অসি এদভান্স ওইবা জেদ রান টু ই সেরিজগী ইঞ্জিননা লোয়ননা ই–ঈপ সি মেন্যুয়েল অমদি এ জি এস ওটোমেটিক ট্রান্সমিসনগী ওপসন কয়াসু যাওরি। মেন্যুয়েল ট্রান্সমিসনগী মাইলেজ ২৩.৮০ কিলোমিটর পার লিটর অমদি ওটোমেটিক ট্রান্সমিসনগী মাইলেজ ২৪.৭৭ কিলোমিটর পার লিটর ওইরি হায়খি।

ইন্দিয়ানা মণিপুরদা য়েংলিবা মীৎয়েং ...

লমায় ১গী মখা... লৈখাই অমা তাথোক্লবগী মতম য়ৌরে হায়না পাবুং ইবোয়াইমা মেমোরিয়েল ট্রষ্টকী কনভেনরসু ওইরিবা ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট কে এচ গোপেন লুৱাংনা ফোংদোকখ্রে।

কাকেথেল অখাম লৈকায়দা লৈবা অমুকোগী ওফিসতা পাওখুমলোয়ডা ঙসিগী থৌরম অদুদা থৌরম অদুগী প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক যাখিবা পাবুং ইবোয়াইমা মেমোরিয়েল ট্রষ্টকী কনভেনর কে এচ গোপেন লুৱাংনা মখা তানা হায়, ঙসি থৌরম অসি লৈখিদ্রবা পাবুং ইবোয়াইমাগী পামজরবশিং অদু করিনো হায়বগী মতাংদা নৈনবনি। ইন্দিয়ানা মণিপুরদা য়েংলিবা মীৎয়েং অদু হায়বগী মতাংদা অসি পাওখুমলকপনি। ঐখোয়গী পোত্শী মচাদৌনা তেৱৈরি। হৌখিবা চহী ৩ অসিদা নোংমদা ৩ হাৎপা, ৪ হাৎপা তৌদুনা লাকপদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মীৎয়েং চংদে। ক্রাইসিসলেনদা লৈরিবা চৈথেংদা অসি তোক্কনবনি। মৈতৈশিং নাগাগা পুন্নগা ইন্দিয়াগা রাই শান্নদুনা লৈখায় তাথোক্কনি মতম মৌরে।

পাবুং ইবোয়াইমা ট্রষ্টকী কনভেনরসু ওইরিবা ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট কে এচ গোপেন লুৱাংনা হায়, ইন্দিয়ানা মণিপুর ফরুক লৌশিনখ্রবা মতুংদা ঙসি ফাওবা প্রোক্সি ফোর্স শীজিন্নদুনা য়েলহৌ ফুরুপ মুখথৎনবা হোৎনবা লেপত্রি। মপানদগী চডলকপা নার্কো টেরোরিষ্টশিংগী য়েলহৌ ফুরুপচা চথরিবা লাল অসি ইন্দিয়ানা লোইশিন্নদুনা হায়রবগী মীকুপ্তা লৈশিনবা যাই। অদুগ লম অসি হৌজিক ফাওবা লৈপাকচিংগী ফুরুপশিংনা মরম ওইনা লমদম অসিগী শেংলোংলল, লৈঙাক্লেন অমদি খুন্নাইলোনগনা লাংশা নোংমা অসিগী চৈথেং অসি হেন্দকলে। মতৌ অমুপ্না মণিপুরনু ইন্দিয়ানা তপ্পা তপ্পা লোইশিনগনো হায়বগী মরমদা চথরক্লিবা লাল্লোংনো অসি খুন্দ লেপকদৱনি হায়নসু মহাক্লা ফোংদোকখ্রে।

অমুকোগী প্রসিদেন্ট সোরোকখাযাম সঞ্জয়, পোইরৈ লৈমারোলন ষৈরা শাম্ন অমদি খুৎলায় লৌবগী মেম্বর হিজম মেমচা, কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইটসকী চেয়ারমেন ফুল্লেন্দ্রো কোংবম, ওল মণিপুর রিমেন্ড ভলন্টিয়র এসোসিয়েসনগী প্রসিডেন্ট টিঙ্কুই ইবেম্বা, নেসনেল রিসার্চ সেন্টরগী টিঙ্কু অজিৎ, রাঈ ও এফ এফকী প্রসিদেন্ট হিজম মেঘচন্দ্র এসেম্বেলীগী প্রসিদেন্ট ইবোতোম্বি লোইতোংবম অমদি৫ এম এস এফকী প্রসিদেন্ট হিজম রোসনচিংবনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক যাখি। থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা পাবুং ইবোয়াইমাগী ফোটোদা মীয়ান্না লৈশং কৎলুনা ইকাই খুম্না উৎখি।

লাইভষ্টোক সেন্সসতা মণিপুরী পোনিগী ...

লমায় ১গী মখা... ইনসেন্টিভ পীদুনা লাক্লি। কুমজা ২০২৫ গী বজেটতা লুপা লাক্ষ ৩০ হাপ্লনা শগোল ১০৫০গী ওইনা শগোল মপুশিংদা শগোল অমমমগী ওইনা লুপা লিশিং ২৬০০ রোম খুৎশিনগে। মসিগী মতুং দা শগোল মপুশিংদা লাক্লোরিবা শেনবা চহী ২০২৬–২৭ অসিদি চহীগী ওইনা ইনসেন্টিভ অদু লুপা লিশিং ১০ দা হেনগৎহনবা প্রপোজেল থাখিবা লৈরে। লোয়ননা লাইভষ্টোক সেন্সসতা হান্না লৈরম্বা শগোলোনগী মশীংদগী হেনগৎপনু ভঙ্গে। হায়রিবা হেনগৎহনবগী অসিগী রিপোর্টতাই ফাওবা দা মরী লৈনবা মিনিষ্টর ওফিসিয়েল ওইনা ফোংদোকখ্রে।

নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিল (এন ই সি)গী মখাদা পায়খৎলিবা 'দাইরি ফোর এ রে ওফ লাইফ ফোর সেদ্যুল কাষ্ট পিপল' প্রোগ্রামগী মতাংদা পল্লপনা মহাক্লা হায়, প্রোগ্রাম অসিগীমখাদা খনগৎলবা বেনিফিসিরি ৬১২ গী মনুং দা হৌখিবা সেপ্তেম্বর ২৫ দা অহানবা ফেজগী ওইনা চীফ মিনিষ্টরনা বেনিফিসিরি ৩১ দা নাওপুরবী যনবী ৩১ য়েষ্টোখখিবা লৈরে। মসিগী মতুং তারকপদা ঙরাংখ অনীশুবা ফেজগী ওইনা যনবী ২১ য়েষ্টোক্তুনা পুন্না প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা যনবী ৫২ বেনিফিসিরিশিংদা খুৎশিনখ্রে ঙসম্রে। অহানবা ফেজগী ওইনা য়েষ্টোকখিবা যনবী ৩১ অসি লেন্দ ইবুরেন দিপোটিয়ে তৌরে। মসিগী মতুং চঙ্ক্রবা য়াপ্লবা পোংলমশিংদা শেংবু বেনিফিসিরিশিংদা অথুৱা মতমদা মৌহন্নবা ৱাফম লৈঙাক্তা খুৎশিনখ্রে। মসিগী মতুংদা যনবী ৩১ অসি খেংনরবা যারিবখেৎলে অথুৱা মতমদা বেনিফিসিরিশিংদা খুৎশিনখ্রে হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, নেস্লেন লাইভষ্টোক মিসননগী মখাদা শ্রী–মনশিংগী ইন্দ্রুরেন্সকীদমক খুম্থাংখিবা নেস্লেন ইন্দ্রুরেন্স কম্পেনিগী দিপার্টমেন্টনা খুৎয়েক পীনরে। ইন্দ্রুরেন্স অসিগী ওইনা শা মল লোইবিশিংনা চাদ ১৫ গী শেনফম পুথোক্লগা খুনা চাদ ৫২ না সেন্টর অমদি চটৈ লৈঙাক্লা পুথোক্লৌরিবা স্কিম অসিগী চাদ অসিগী এপ্রিল ১ দগী হৌজিক ফাওবদা পুন্না বেনিফিসরি ২৩৫৬ শুগ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

গাইদেন্স ইংলিস স্কুলদা লিটরেরি মিট মনা য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস)ঃ
গাইদেন্স ইংলিস স্কুল (জি ই এস) লৈমপোকপমগী চহীগী লিটরেরি মীটকা লোয়ননা চহী অসিগী ঐচ এস এল সি এগজামদা মার্ক ৱাংনা মায় পাক্লবা স্কুল অসিগী মহৈরোইশিং ওকপগী থৌরম লৈমপোকপম মমাঙ লৈকাইদা লৈবা চন্দ্রেশ্বর মল্টিপরপজ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা জে ই ও জোন ৪ (বিষ্ণুপুর) গী এ আই, এল মনিলৈমানা হায়, ঙসিগী থৌরম অসিদা শরুক য়াদুনা স্কুল অসিগী মহৈরোইশিংগী হৈথোই শীংথোইবশিং খঙবা ঙম্বা অসি নুংঙাইবা পোকই। থৌরম অসিগী মনুং চন্না পাঙথোক্লিবা এগজিবিসন অসিদা মহৈরোইশিংনা মখোয়গী হৈজা শীংজবশিং উথোক্তুনা অমদি মহৈরোইশিংনা খঙনিংবগী ইহুল, তম্নিংলিবা মহৈদা থৱায় য়াওবা অমদি ওজাশিংনা মখোয়বু নীংথিজনা লমজিং লমতাকপীবা অসি থাগৎলি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, একাদেমিক্কী লম অসিদা খক নত্তনা অঙাংশিংবু এক্সত্রা করিকুলর এক্টিভিটিজশিংদা মায় ওনশিনবা পূক্নিং থৌগৎপীবা অসি হৌজিক্কী মতম অসিদা য়ান্নমক তঙাই ফদ্রবা খোঙথাং অমনি। স্কুল অসিনা হীরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙলিবা অসি থাগৎলি। এজুকেসন দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোক্লিবা তোঙান–তোঙানবা চাংদম্নবশিংদসু মহৈরোইশিংবু শরুক য়াহন্দুনা মখোয়গী হৈথোই শীংথোইবশিং অসি উথোক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল মাইবম নোরেননা হায়, মহৈরোইশিংদা লাইরিক্কী গ্যান লৌশিং ফংহন্নবা খক নত্তনা মখোয়গী মনুংদা লোৎতুনা লৈরিবা টেলেন্টশিং উথোক্লবগী তাঞ্জা অমা পীবা ওইনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মখোয়গী টেলেন্টশিং খঙদোক্তুনা ওজাশিংনা লমজিং লমতাকপীহৌরগদি মখোয়গী তুংগী তুংলমচৎতা মরোমদোম লেপচবদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা অমা থমদুনা স্কুল অসিনা থবক থৌরমশিং পায়খৎলি হায়খি।

জি ই এস লৈমপোকপমগী এদমিনিষ্ট্রেটর য়ুম্নাম রুপেন্দ্রনা প্রিসাইদ তৌখিবা থৌরম অদুদা য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট কম্মিটি লৈমপোকপম খুনফমগী সেক্রেটরি অসেম নৱাং সিংহ অমদি স্কুল অসিগী একাদেমিক সেক্রেটরি থোকচোম সুনিল সিংহনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপা সাইন্স এগজিবিসনদা স্কুল অসিগী মহৈরোইশিংনা মখোয় মখোয়গী হৈথোই শীংথোইবশিং উৎখি।

কে সি পি তাইবংঙানবা গ্রুপনা লৈবাক মীয়ামদা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস) ঃ
হৌজিক হৌজিক ইরমদম কংলৈবাক অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা লুপ অসিগী মীং চৎ থিবা য়াবা থবক থৌরম কয়া চথরকপনা মরম ওইরগা তঙাফদনা লৈপাক মীয়ামদা কে সি তাইবংঙানবা গ্রুপ অসিগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী ৱারেপ অসি লৈবাক মীয়ামদা খঙহঞ্জরি হায়না গ্রুপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি লেম্বা খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট ১৮ দা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগা লুপ অসিগা খুৎয়েক পিনখিবা অদুগী মনুংচন্না লুপ অসিনা লৈবাক মীয়ামদগী শেলগী মতেং লৌররোই হায়বা ৱাফম অসি খঙহনজরি। করিগুম্বা লুপ অসিগী মীং শীজিন্নদুনা, শেনখায় থুমখায় চথুরকপা তারগদি লুপ অসিদা পাউ ফাওবিরক্লবসু খঙহঞ্জরি। লোয়ননা করিগুম্বা লুপকী মীংচৎ থিনবা হোৎনরক্লিবশিং অসি তঙাইফদনা লৈপাক মীয়ান্না অপাম্বা মওংদা ৱারপিনবগী অয়াবা অদুসু খুৎয়েক খুৎনম পীজরিবা লেম্বা খুমননা কে সি পি তাইবংঙানবা গ্রুপ অসিগী মহুৎ শিঞ্জরগা খঙহঞ্জরি।

লোয়ননা মতম খরগী মমাংদগী লুপ অসিগী মীংচৎ থিননবা হোৎনরকপগী মনুংচন্না মশানা মশাবু লুপ অসিগী লুচিংপুরেলনি হায়জদুনা মেদিয়াগী খুত্থাংদা এম টিকেন কৌবা মীং অমগী মায়খুম মরুমদা কে সি পি তাইবংঙানবা গ্রুপ অসিগী এক্টিং চ্যেরমেননি হায়না থাদোরকখিবা প্রেস রিলিজ অদু লুপ অসিগা হীরম অমত্তদা মরি লৈনদে। মরম অদুনা হায়রিবা মীওই অসি লৈপাক মীয়ান্না খঙজিনবিদুনা শেনখায় থুমখায় লাকপা তারগদি মীয়ান্না ৱারক–ৱাতেম তৌবিনবা লুপ অসিনা অয়াবা পীজরে।

হৌজিক হৌজিকমকসু কে সি পি তাইবংঙানবা গ্রুপ অসিনা কংলৈ খুন্নাই অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ কাঙলুপ খুদিংমক্কি অৱা নুংঙাইদা শরুক খুদিংমক্তা খোংফম চেৎনা লেপ্লি। অমদি তঙাইফদ্রবদি লুপ অসিগী কাদর পুন্বা অসি হৌজিকসু ইরমদম কংলৈপাক অসিগীদমক্তা থৱায় ফাওবা থাদোকপা পাম্মুদনা লেংদনা লেপ্লি হায়বা ৱাফম অসিসু নৌহৌননা মীয়ামদা নীংশিংজরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মহৈরোইশিং শেন্দালপোৎ...

লমায় ১গী মখা... হীরম অসিগা মরী লৈননা মহৈরোই লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট মুতুম চীংলেম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এ এম পি এসকী স্কুল য়েংশিন খোঙচৎতা টি ত্রাইও ষ্টেন্দার্দ ইংলিস স্কুলনা নিয়মগী ৱাংমদা থবক তৌরম্বা কয়া অমা থেংনখি। টি ত্রাইও ষ্টেন্দার্দ ইংলিস স্কুল অসি ২০২৫কী জুন ১৯দা এজুকেসন (এস) দিপার্টমেন্টনা থোকপা প্রাইভেট স্কুলগী প্রোভিজনেল রেজিষ্ট্রেসন ১১৬কী মনুং চন্না সেরেল নং ২২দা টি ত্রাইও ষ্টেন্দার্দ ইংলিস স্কুল অসিগী ষ্ট্রকচর অসি নর্জরিদগী ক্লাস ৮ ফাওবগী রেজিষ্টার তৌরগা লৈবা স্কুল অমনি। কৈরাও লিতান মখোঙদা লৈরিবা স্কুল অসিগী কো–ইদু রেজিষ্ট্রেসন নম্বর IE/037/ Nur-VIII/25 ইম্ফাল ইষ্ট হায়রিবা রেজিষ্ট্রেসন অসিনা ক্লাস ৮ ফাওবা তৌরগা ক্লাস ৯ অমদি ১০না উরুপ হায়র সেকেন্দরিগী প্রিন্সিপালগা মান্নদুনা এটেষ্ট তৌহল্লবা মতুং এগজাম থানবা থৌরাং তৌরম্বা গভর্ণমেন্টকী স্কুলশিং মুখৎনবা হোৎনবা লৈঙাক্কী ওজা চাওনা য়াওবরা হায়না চীংনরে।

প্রাইভেট স্কুলদসু ক্লাস ৯ অমদি ১০গী এদমিসন অমদি স্কুলগী মল্টি ট্যুইসন ফিসু লৌবা অদুগা ছাত্রশিংবুনা মখোয়গী শেন্দাল লম্বী ওন্থোকপা অসি এ এম পি এস এনা য়ানিংদে। টি ত্রাইও ষ্টেন্দার্দ ইংলিস স্কুল অমদি উরুপ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগা মান্নদুনা চথরল্লিবা ছাত্রশিংবু শেন্দাল লম্বী ওইনা ওন্থোক্লম্বসি মহৈরোই খুন্নাইবু শীংনবনি। স্কুল অনীগী ওথোরিটিশিংগা লৈঙাক্কা এ এম পি এস এগী অয়াবা য়াওদনা য়াশিন্নবা পুরকপা য়ারোই। স্কুল অনীসিগী প্রিন্সিপাল অনীমক অকনবা অচৌ–অশাংগী মরুমদা থবক তৌবা ঙাক্তনি। মসিগুম্বা থৌদোক অসি অমুক হন্না থোক্তনবা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়না পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

সেক্যুরিটিগী খূদোংথীবা মফমশিংদা...

লমায় ১গী মখা... থৌরাং অসিগী মনুংচন্না ষ্টেট অসিগী সেক্যুরিটি দেঞ্জর পোইন্টশিংদা থোমজিন্দুনা পুন্না এক্সন লৌখৎতুনা অৱা–চৈথেং পীরিবা লমহেন–তুহেনবশিংগী মথক্তা দবল পৱার শীজিন্নদুনা থেংনগনি। লোয়ননা ফোর্স অনিমক্কী ইন্টেলিজেন্স নেটৱার্কশিংসু স্যের তৌনরগনি। মসিদা নত্তনা ষ্টেট অসিগী দেঞ্জর পোইন্টশিংদা চঙশিন্দুনা অপুনবা ওইনা পেট্রোলিং তৌমিন্নদুনা মখল মখা কয়াগী ওপরেসনসু চথরগনি হায়রি।

মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি কম্যুনিটিশিংগী মরক্তা থোকপা ইরাং ওইদ্রে। মসিদগী হেন্দোরক্তুনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক দ্রগ অমদি খুৎলায় ললোনবা অমদি তোঙান তোঙানবা এজেন্দাশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা থবক তৌরগা মখোয়গী মতিক ময়াই হেনগৎহন্নবগীদমক য়ান্না শাথিবা মওংদা খুৎথানরকপনি হায়বা খঙলকপদগী সি আর পি এফ অমদি এ আর ফোর্স অনি পুন্না থবক তৌমিন্নবা ৱারেপ অসি লৌরকখিবনি হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না সি আর পি এফ অমদি অসাম রাইফলকী দি জি অনিগী ওইবা হায় লেভেল মীটিং অদুদা হন্দক কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্কী মনুংচন্না লৈবা সুদা লৈবা কুকি লালহৌবশিংনা লৈবা সিনাই কেম্পতা সি আর পি এফ, কোব্রা অমদি মণিপুর পুলিস য়াওনা পুন্না চথখিবা ওপরেসন অদুদা সুগী কেম্প অদুদা ওইরল্লিবা ফীভমশিংগী মতাংদসু খন্নখি। পনবা য়ায়বদি সিনাই কেম্পতা চথখিবা ওপরেসন অদুদা সুগী কেম্প অদুদা কুকি লালহৌবা পুন্না ১৫৯ লোম লৈগদবা অদুগী মনুংদা শুপ্পগী কাদর ১৮ খক লৈরম্বনি। মখোয় ১৮ অদুগী মনুংদা ১৭ তি কুকি নেসনেল আর্মি (কে এন এ) অমদি কুকি লিবরেসন আর্মি (কে এল এ) গী মীংদা লান্না রেজিষ্টার্দ তৌবনি হায়রি। অদুগা লেমহৌরিবা অদুনা অশেংবা রেজিষ্টার্দ তৌবা কাদরনি হায়নসু ফোঙদোক্লরকখিবনি।

সিনাই কেম্পতা লৈফম থোকপা সুগী এগ্রিমেন্টদা লৈগদবা কুকি লালহৌবা ১৫৮ অদু কন্দাইদা চৎখ্রবগে হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। বোর্দর ৱাংমদা চৎখ্রবরা নৎত্রগা মণিপুরদা তন্দু লৈতবা লৈহন্দনবগীদমক অমদি লো এন্দ ওর্দর থুগায়নবগী পান্দমদা গ্রুপ অমা শেমখ্রবরা হায়বগী চিংনবসু লৈতবা নত্তে। মরম অদুনা সিনাই কেম্পতা সুগী এগ্রিমেন্ট মনুংচন্না লৈফম থোকপা কুকি লালহৌবশিং লৈরমদবা অদুনা মরম ওইরগা অতোপ্পা কুকি লালহৌবশিংগী সুগী কেম্প ১৪ রোমদসু ওদিট চথরকপা য়ানা লৈরে হায়রি।

মীয়াম পুন্না শরুক...

*লমায় ১গী মখা...*ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক চিদাইদা লৈরিবা মণিপুরদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মশামক্কী ইন্দিজিনস সিটিজনশিংদা নার্কো টেরোরিষ্টশিং শীজিন্নদুনা অমদি শক উদবা অমা শীজিন্নদুনা চথরল্লিবা প্রোক্সি ৱার অসিনা লমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপশিংদা অঙকপা ফনা অৱাবা পীদুনা লাক্লি। অরোনবা অমদি অফোংবা লাল্লোং অমগুম চথরল্লিবা ইন্দিয়াগী প্রোক্সি ৱার অসি খুদক্তা লোইশিল্লু হায়বা লমদম অসিগী চীংমী তম্মীগী অপুনবা খোল্লাও পুদুনা লাক্লিবা ওক্টোবর ৩১ মেরাগী ২১নি পানবা থাংজা নুমিৎতা টিদ্দিম গ্রাউন্দদা মীয়াম পুল্লগা মফম অসিমক্তগী থাংমৈবন্দ থাও গ্রাউন্দ ফাওবা চৎকদৌরিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অসিদা ইরমদম অসিগী ইরৈচা খ্বাই খিবিক্লা পুন্না শরুক য়াবিয়ু।

মীয়ামগী খোঙচৎ অসিদা ইরৈচাশিংনা ইশা–ইশাগী লৈজবা গাড়শিং পুথোক্তুনা শরুক য়াবিয়ু। লোয়ন লোয়ননা পব্লিক ত্রান্সপোর্ট তৌরিবা লম লমগী ত্রান্সপোর্ট এসোসিয়েসন, সোসাইটিশিংগী বস, ৱিঙ্গর, মেজিক, ওটো, ই–রিক্সোনচিংবা সার্ভিসশিং তৌরিবশিংনসু খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াবা লাকপশিংদা ত্রান্সপোর্টকী মতেং পাঙবিদুনা খোঙচৎ অসিবু মপুং ফাহনবদা মতেং পাঙবিয়ু। ঙসি ঙসিমক তন্দু লৈতাদবা, ফুরুপ মশেল নুংশিনহন্দনবা থৌওং কয়া লমদম অসিদা লেপ্তুনা চথরক্লিবা অসি করম্বা মতমদা লোইগদগে হায়বা ঙমদবা ফিভম তাঞ্জা অমদা ঙসি ঙসিমকসু চয়েৎ–চনৈনবা খুন্নাই অমদা ঐখোয় হিংলি। অসিগুম্লবা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা শিংনরক্লিবা থৌওং অসি লৈপাক অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ কাঙলুপ খুদিংমক্কী অমত্তা ওইবা খোল্লাওনা মায়থিবা পীবদা মীয়াম্না অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা চঙশিনমিন্নসি। মপাল লৈপাক্তগী নারোলদা চঙশিল্লকপা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট অমদি নার্কো টেরোরিষ্টশিংনা লমদম অসিগী য়েলহৌমী ফুরুপচাশিংদাং লোন্না অমদি ফোংনা লান্দাদুনা জেনোসাইদকী থৌওং অমা লেপ্তুনা চথরক্লি। মসিগী মথক্তা লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংবু রিফ্যুজি অমগুম লৈহল্লক্লিবা অসি খুদক্তা লেপ্তনবা পাঙথোক্কদৌরিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অসি মায় পাক্লবা কোকোমীনা লৈবাক মীয়ামদা অপিল তৌরক্লি।

হীরম অমত্তদা মরি লৈনদেঃ আর পি এফ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস) ঃ
ইং কুমজা ২০২৬ কী ওক্টোবর ২৫ য়ুমশকৈশা নুমীৎতা স্পেসিএল কম্মাণ্ডো য়ুনিট মণিপুর পুলিসনা উরিপোক পঞ্চয় মনিংদগী ফারে হায়না মণিপুর পুলিসকী ফেসবুকতা ফোঙদোরক্লিবা তৌরাংবম অরুনবাবু (৬১) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি মধুমঙ্গোল, লৈফম উরিপোক পঞ্চয় মনিং, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হায়রিবা মীওই অসি আর পি এফ অমদি মসিগী লান্মী শিংলুপ পি এল এগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরি লৈনদে হায়না রিভোলুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ) কী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি পব্লিসিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং ১ হুন্দোক্লক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস)ঃ
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট (দি সি পি য়ু)গী মখাদা লৈবা এম এম কে এস চিলদ্রেন হোমগী ক্রেদল পোইন্টতা ঙসি অয়ুক পুং ৬.৫৪ রোম তাবা মতমদা পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং নুপামচা ১ লৈরম্বা থেংনরে হায়রি।

অঙাং অদু মেদিকেল ইগজামিনেসন তৌবদা মশা–মউ ফন্না লৈরম্বা থেংনখি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দি সি পি য়ুগী সি সি আই ষ্টাফশিং, স্পেসিএলাইজ এদোপসন এজেন্সি (এস এ এ) অমদি চাইল্ড ৱেলফেয়র কম্মিটিদা শিন্নখ্রে হায়রি।

পাউ অদু হেক ফংবগা সোসিএল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর সৈখ অব্দুল হকিম মশামকসু হোস্পিটালদা লাক্তুনা অঙাং অদুগী ফীভম য়েংশিনখি। অঙাং অদু হৌজিক মতম খরগী ওইনা এস এ এ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মখাদা থমগনি হায়রি।

ৱার্ক কলচর শাগৎনবগীদমক মেনষ্ট্রিমদা লাকখিবনিঃ তমঙানবা

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস) ঃ
লৈঙাক্কী মায়োক্তা মতম পুম্বদা লৈবগী মহুৎতা অফবা মপুং ফাবা অমা ওইবা ঙম্নবগীদমক লান হৌরুরবা মতুংদা ঙসি থেংনরিবা অৱা–অনাশিং অসি কোকহন্নবগী পান্দমদা ইচম চম্বা পুন্সিদা লৈদুনা ৱার্ক কলচর শাগৎনবগীদমক লৈঙাক্কা য়ানরবা মতুংদা মেনষ্ট্রিমদা লাকখিবনি হায়না খুৎলায় থাদোকখ্রবা কে সি পি (পিপলস ৱার গ্রুপ) কী চ্যেরমেন লাইশ্রম রঞ্জিৎ এলাইজ তমঙানবনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়খি, লুপ অসি হৌখিবা জুলাই ২১দা লৈঙাক্কা য়ানবা অমগী মখাদা মেনষ্ট্রিমদা লাকখ্রবনি। লোয়ননা লৈবাক অসিগী হৌজিক য়াম্না মথৌ তারিবা চাওখৎ–থৌরাংগী থবক তৌনবগী ৱাখল্লোলদা লুপ অসিনা লাল হৌরম্বা অদু তোকখিবনি। লুপ অসিগা পুন্না মেনষ্ট্রিম অমদা চৎমিন্নরম্বা গ্রুপ অসিগী কাদর খরাসু চৎন–কাঙলোনগী ৱাংমদা থবক তৌরকপগীদমক মীওই ৪ তান্থোকখিবসু লৈখ্রে। পামদবা থৌদোক থোক্তনবা অমদি য়ান্না শেংনা তুংদা লাক্তদবা কংলৈপাক অসিগীদমক য়ান্না ফজবা ৱার্ক কলচর অমদি চাওখৎপা ঙম্নবগীদমক পুন্না থৌদাং লৌমিন্নসি। লোয়ননা কে সি পি (পি দব্লিয়ু জি)গী মরুওইবা থৌমী কাদরশিং, ষ্টেট গভর্ণমেন্ট, চীফ মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর অমদি ৩১ শুবা এ আরগী কাঙবুসু থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়নসু পাউগী মীফম অদুদা মহাক্লা ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা গ্রুপ অসিগী পি আর ও অমরজিৎনা হায়, সোসল মেদিয়াদা পিপলস ৱার গ্রুপনা লাই হরাউবা, লাইবুং চঙবগী থৌরম পাঙথোকপা অমদি লগাউ খাউবনচিংবগী থবক থৌরমশিং থিংলে হায়না ফোঙদোরকখিবা অদু গ্রুপ অসিগা করিগুম্বা মখল অমত্তদা মরী লৈনদে। লৈঙাক্কা য়ানরগা মেনষ্ট্রিমদা লাক্লবা মতুং লৈবাক অসিগী চাওখৎ থৌরাং অমদি লমদম অসিগী নহাশিংগী মহৈ–মশিন তম্বা এদ্যুকেসনগী লমদা শরুক য়ারগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

দ্রগকা চান–থক্নবগা ওন্নদুনা...

*লমায় ১গী মখা...*খঙবা ঙম্লে হায়না ই দিগী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মশাগী মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেট (ই দি) গী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরকপা ৱাফন্না য়ুম্ফম ওইরগা লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ন্যুজ এজেন্সি অমগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ম্যান্মার অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা চথরিবা দ্রগ ট্রাফিকিং নেটৱার্ক অসিগা মরী লৈননা নুমিৎ হুন্নি চুপ্পা চথবা ইনভেষ্টিগেস অমদা ম্যান্মারদগী স্মল তৌদুনা পুশিল্লক্লিবা দ্রগশিংগী মমল মণিপুর, অসাম, ত্রিপুরা অমসুং ইন্দিয়াগী তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদগী শেল ওইনা হৱালাগী খুত্থাংদা খোমগৎতুনা মিরোজামদা খোমগৎলবা মতুং নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা তঙাইফদ্রবা পোৎলমশিং লৈদুনা দ্রগশিংগী মমল ওইনা ম্যান্মারদা থাবগী অনৌবা খোঙথাং অসি খঙবা ঙম্লকখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ই দিগী ওফিসিয়েল অসিনা মখা তারদুনা হায়, ম্যান্মারদগী পুশিল্লক্লিবা দ্রগশিং অসি চুরাচান্দপুর অমসুং চম্ফাই য়াওনা মণিপুর অমদি মিজোরামগী তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদা য়োন্দুনা শেল ওন্থোক্লবা মতুং হায়রিবা য়াম্লবা শেনফমশিং অদু কেস হেন্দল্লরশিংদা শীন্নবা নত্রগা তোঙান–তোঙানবা বেঙ্ক একাউন্টশিংদা হৱালা ওপরেটরশিংনা দিপোজিৎ তৌবগী থৌওং চথরি। মদুগী মতুং হায়রিবা য়াম্লবা শেনফমশিং অদু আর টি জি এস, এন ই এফ টি নত্রগা আই এন পি সিগী খুত্থাংদা মিজোরাম, অসাম, ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং ন্যু দিল্লিদা লৈবা পেট্রোল পম্প, ফ্লোর মিল, গ্রোসরি হোলসেল্লর, মেদিসিন হোলসেল্লর অমসুং ফুদৱেয়র ট্রেদরশিংদা ট্রান্সফর তৌই। অদুগা খ্বাইদগী ইরোই লোইবা খোঙথাং অমা ওইনা মিজোরামদা লৈবা ট্রেদরশিংনা জি এস টি ইনভোইস অমসু ঈ–ৱে বিলগী খুত্থাংদা য়াম্লবা মীওইবনা হীংবদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা মরু ওইরবা পোৎলম কয়ানা মহুৎ শীন্দুনা দ্রগকী মমল ওইনা ম্যান্মারদা ট্রান্সপোর্ট তৌবগী থৌওং চথে হায়বা খঙবা ঙম্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা থা অসিগী ২৫দা ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেটনা হৌখিবা চহী ২০২৪দগী হৌরগা ২০২৬ ফাওবদা মিজোরাম অমসুং ম্যান্মারগী মরক্তা পুন্না লুপা ক্রোর ১৭৫ রোম ট্রান্সফর তৌনখিবা মরী লৈনবা একাউন্ট কয়া সিজ তৌরে হায়না খঙহল্লকখিবসু লৈখ্রবনি।

স্কুল ১দি জে ই ও থোঙ...

*লমায় ১গী মখা...*দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা মহৈরোই লুপ এমসু, এম এস এফ, দেসাম অমদি কে এস অমদি স্কুলগী মহৈরোইশিংনা পেন্দবদগী জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং জোনেল এজুকেসন ওফিস থোঙ লোনশিনখিবনি হায়রি।

স্কুল থোঙ লোনশিনবগা মরী লৈননা কে এস এ, দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল জিরিবামগী প্রসিদেন্ট কে সোমোর্জিৎনা হায়, জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা কম্প্যুটরগী ওজা ওইনা থৌ পুরম্বা ওজা রোবিন্দ্রোগী মহুৎ পীরম্বা তৌদনা ট্রান্সফর তৌখিবগী মায়োক্তা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিদা কয়ারক হন্না মহুৎ থাবিরক্লবা হায়জখিবা লৈখ্রবসু ঙসি ফাওবা থবক অমত্তা পায়খৎলকপা লৈতে। মসিনা মহৈরোইশিংদা খুদোংচাবা কয়া মায়োক্লহল্লে। থৌওং অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা স্কুল থোঙ লোনশিনবনি। লোয়ননা জে ই ও জিরিবামগী ওফিসতা মহৈরোই লুপশিংনা য়েংশিনবা চৎলুবা মতমদা এল দি সি অমা খক্তমক লৈরম্বা হায়বসি অঙকপা অমনি। জেদ ই ও ওফিস অসিদা এল দি সি নত্তবা অতোপ্পা ষ্টাফ অমত্তা লৈতবরা হায়বসি মণিপুর গভর্ণমেন্টতা ৱাহং হংলি হায়না ফোঙদোরক্লি।

চীফ মিনিষ্টরনা লৈখিদ্রবা...

*লমায় ১গী মখা...*ক্ষেত্রিগাও এ সিগী এম এল এ সৈখ নুরুল হাসন, খাঙবোক এ সিগী এম এল এ ও সুরজকুমার, দি সি থৌবাল অমদি এস পি থৌবালসু শরুক য়াখি।

চীফ মিনিষ্টরনা লৈখিদ্রবা লাইশ্রম রাকেশকী ইমুং–মনুংদা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী অঙন্বা মতেং পাংগনি। মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফাদুনা অথুবদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনগনি হায়নসু ফোঙদোক্লমখি।

মসিগী মতুংদা শঙ্গাইয়ুম্ফমগী কম্যুনিটি হোলদা লাইশ্রম রাকেশকী মফমদা মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ইংন–চীক্লা তাইবং মপুগী নাক্তা লৈনবা থৌনিজখি। লাইশ্রম রাকেশকী মীশিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সিনা লাইশ্রম রাকেশকী য়ুমদা চীফ মিনিষ্টর অমদি লৈঙাক্কী লুচিংবা কয়া লাক্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপা লাক্লম্ববু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট ৪দা পাঙথোকপা এম এল সিগী মীখলদা কোংগ্রেস পার্টি তোরা তুনা মায়থিবা নংখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সি):

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ৪দা পাঙথোকপা পূন্না সিট ২৮গী বায়েনিয়েল লেজিসলেটিব কাউন্সিল (এম এল সি)গী মীখলদা কোংগ্রেস পার্টিনা সিট অমত্তা মায় পাকপা ঙমদনা তোরা তুনা মায়থিবা নংখ্রে। কর্নাতকা, উত্তর প্রদেশ বিহার অমসুং মহারাষ্ট্রদা পাঙথোকখিবা এম এল সিগী মীখল অদুদা সিট ১ ফাওবা মায় পাকপা ঙমখিদবা অসিনা মরম ওইরগা কোংগ্রেস পার্টিগী মনুংদা য়াম্না চাওনা নিংহন্নবা অমা পোকহনখ্রে।

কোংগ্রেস পার্টিনা লৈঙাক পায়রিবা কর্নাতকাদা পাঙথোকখিবা সিট ৪ খনবগী এম এল সিগী মীখল অদুদা বি জে পি অমসুং জনতা দল (সেক্যুলর)গী অপূনবা নেসনেল দেমোক্রেটিক এলায়েন্স অসিনা সিট ৪মক মায়পাকপা ঙমখ্রে।

বিহারগী ওইনা অপূনবা সিট ৮ খনবগী পাঙথোকখিবা এম এল সিগী মীখল অদুদা এন দি এনা সিট ৪, জন শুরজ পার্টিনা সিট ১ আর জে দিনা সিট ১ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অমনা সিট ১ মায় পাকখ্রে। উত্তর প্রদেশকী ওইনা অপূনবা সিট ১১ খন্নবগী পাঙথোকখিবা এম এল সিগী মীখল অদুদা বি জে পি অমদি পার্টি অসিগা মপাঙ ওইনা চৎমিন্নরিবা এন দি এনা সিট ৬ অদুগা এস পিনা সিট ২ মায় পাকখ্রে। লেমহৌরিবা সিট ৩ অদুসু বি জে পিগা মপাঙ ওইনা চৎমিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মাঙজিন থাদুনা চৎলি।

মহারাষ্ট্রদা পাঙথোকখিবা সিট ৫ খনবগী মীখল অদুদা বি জে পি অমসুং সেনানা সিট ৫মক্তা য়াম্না চাওনা মায় পাকখ্রে।

পনবা য়াবদি সিট ২৮ খন্নবগীদমক এম এল সিগী মীখল পাঙথোকখিবা ষ্টেট ৪ অদুগী মনুংদা কর্নাতকা নৎতনা লেমহৌরিবা ষ্টেট ৩দা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা লৈঙাক পায়দুনা লৈরিবা ষ্টেট ঙাক্তনি।

দি কে শীবকুমারনা লুচিংবা কোংগ্রেস পার্টিনা লৈঙাক পায়রিবা কর্নাতকাদা পাঙথোকখিবা অপূনবা সিট ৪ খনবগী পাঙথোকখিবা এম এল সিগী মীখল অদুদা কোংগ্রেস পার্টিনা সিট ১ ফাওবা মায় পাকপা ঙমদনা তোরা তুখিবা অসিনা কোংগ্রেস পার্টিদা য়াম্না চাওবা চৈথেং অমা পীখ্রে।

কর্নাতকাগী ওইনা পাঙথোকখিবা সিট ৪ খনবগী মীখল অদুদা জে দি এস (এস)না সিট ১ অদুগা বি জে পিনা পূন্না সিট ৩ মায় পাক্তুনা এন দি এনা সিট ৪মক মায় পাক্তুনা কোংগ্রেস পার্টিগী কেন্দিদেটশিংবু থাজবগী ৱাংমদা মায়থিবা পীখিবনি।

ওপরেসন সিন্দুর থা ১৮ ফাজিল্লকখ্রবা মতুং দেল্লিদা পাঙথোক্কদবা থৌরমদা পাকিস্তানবু শরুক য়ানবা ইনভাইট তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সি):

লাক্লিবা নবেম্বর ২০দগী হৌদুনা ২২ ফাওবা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা সিভিলাইজেসনেল দাইলোগ ফোরম হৌদোকপগী থৌরমদা সাংহায় কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সি ও)দা মেম্বর ওইরিবা পাকিস্তান য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১০গী রিপ্রজেন্টেটিবশিংদা লাক্তুনা শরুক য়ানবা ইন্দিয়াগী মরীলৈনবা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী ইনভাইটেসন পীখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা এস সি ওগী থৌরম অসিদা শরুক য়ানবগীদমক পাকিস্তানগী মহুৎ শিন্দুনা রিপ্রজেন্টেটিবশিং লাক্তুনা শরুক য়ানবা ইনভাইট তৌখিবা অসি ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তা লৈরিবা বাইলেটরেল রিলেসন অসিগা হিরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়নসু ইন্দিয়াগী ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা চহী ২০২৫তা টয়ানজিনদা পাঙথোকখিবা এস সি ও লিদরস সম্মিটতা ন্যু দিল্লিনা য়ুম্ন ওইদুনা চহী অসিদা পাঙথোক্কদবা দাইলোগ অমসুং মল্টিলেটেরিয়েল ইনিসিয়েটিব অসিদা সাংহায় কোওপরেসন ওর্গনাইজেসনগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংনা শরুক য়ানবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা প্রপোজ তৌখিবনি। অসিদা নৎতনা হৌখিবা চহী ২০২৪গী ওক্টোবর থাদা পাকিস্তানদা পাঙথোকখিবা এস সি ও কাউন্সিল হেদ ওফ গভর্ণমেন্ট মিটিংগী থৌরমদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা লৈবাক অসিগী এক্সটর্নেল এফিয়ারস মিনিষ্টর এস জয়শঙ্করনা পাকিস্তানদা চৎতুনা শরুক য়াখি।

হৌখিবা চহী ৯ লোম অসিদা ইন্দিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর অমনা পাকিস্তানদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়াবা এস জয়শঙ্করনা লৈবাক অসিগী অহানবা এক্সটর্নেল এফিয়ারস মিনিষ্টর ওইখিবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর অমসুং এক্সটর্নেল এফিয়ারসকা পূন্না খূৎশন্নদুনা নবেম্বর ২০দগী হৌদুনা নুমিৎ হুন্নি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা এস সি ওগা মরী লৈনবা থৌরম অসি হৌখিবা চহী ২০২৫কী এপ্রিল ২২দা পাকিস্তানদা বেজ তৌবা টেরোরিষ্টশিংনা পহলগামদা টেরর এটেক চথদুনা মীওই ২৬ হাৎখিবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং লমন খুন্বা ওইনা ইন্দিয়ান দিফেন্সনা চহী অদুগী মে ৭তগী হৌদুনা পাকিস্তানদা বেজ তৌবা টেরোরিষ্টশিংগী মথক্তা ওপরেসন সিন্দুর হায়না মিংথোন্দুনা চথখিবা ওপরেসন অদুগী মতুং থা ১৮গী মতুংদা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানগী রিপ্রজেন্টেটিবশিং ইন্দয়াদা লাক্তুনা থৌরম অসিদা শরুক য়ানবা ইনভাইটেসন পীখিবনি হায়রি।

‘নিয়ম লান্না টাটা গ্রুপপু মাঙহন তাকহনবগী থবক চথবদা লৈবাক অসিগী ব্যুজিনেস লিদর অমত্তনা ৱা ঙাংদনা লৈরি’

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সি):

লৈবাক অসিদা নৎতনা মালেমগী মকোকথোংবা ব্যুজিনেস টাইকুন অমা ওইরিবা টাটা গ্রুপপু নিয়ম লান্না মাঙহন তাকহনবগী থবক চথবদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ব্যুজিনেস লিদর অমত্তনা ৱা অমত্তা কাংথোকপা ঙমদনা লৈরি হায়না ফোঙদোক্লদুনা ব্যুজিনেস লিদরশিংনা মতম কয়াম শাংনা ৱা ঙাংদনা তুমিন্না লৈগদৌরিবনো হায়না কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোরক্লি।

কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা ওইবতা নৎতনা লোক সভাগী ওপোজিসন লিদরসু ওইরিবা রাহুল গান্ধীনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্দদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়, টাটা গ্রুপপু নিয়ম লান্না আইনগী ৱাংমদা য়ৈখায় থুগাইবগী থবক চথরি। অদুবু ঙসি ফাওবা ব্যুজিনেস লিদর অমত্তনা হিরম অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংবা ঙম্বগী থৌনা লৈত্রি। করম্না মতম ফাওবা কয়াম কুইনা ব্যুজিনেস লিদরশিংনা তুমিন্না লৈগদৌরি।

মশাবু মীখা পোন্দ্রিবা ফাওবা তুমিন্না ৱা ঙাংদনা লৈগদৌরিব্রা হায়না হংলদুনা ইন্দিয়াগী ব্যুজিনেসকী থবক অসি নরেন্দ্র মোদি অমসুং অমিত সাহনা শান্নরিবা তৌনিংবতা তৌবা য়াবা থবক থৌরম অমা নৎতে।

লল্লোন ইতিক্কী থবক তৌরিবা ব্যুজিনেস টাইকুন অমনা অরানবা থৌওং কয়া চথদুনা য়ৈখায় থুগাইবগী থবক চথরক্লবা ফাওবা ৱা ঙাংদনা লৈবা অসিনা তাকপদি লৈবাক অসিগী লৈরিবা ব্যুজিনেস লিদরশিংগী মফমদা থৌনা ৱাৎলি হায়বা তাকপনি। অদুবু কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনা কৈদৌঙৈদা হিরম অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংদনা লৈবগী থৌওং চথরোই। লৈবাক অসিদা চথরিবা ক্রাইম অসিগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী লেপ্পা লৈতনা মথৌতাবা থবক থৌরমশিং লৌকৎকনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা রাহুল গান্ধীনা এক্স একাউন্দগী খূৎথাংদা থাদোরকখিবা ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্দদা হায়, মায় পাক্লবা ইন্দিয়াগী ইন্দষ্ট্রিজ অমসুং এন্ট্রোপ্রেনোরশিংবু চিংথনবা তৎতনা হোৎনদুনা লাকখিবা রাহুল গান্ধীনা, মহাক্না মীয়ামগী মরক্তা শন্দোক্লিবা থাজনদবা অমসুং হু চেনবা কেম্পেন অসিদা লৈবাক অসিগী ব্যুজিনেস লিদরশিংবুসু শরুক য়ানবা হোৎনবগী থৌওং চথরে হায়না রাহুল গান্ধীবু মরাল শীরক্লি।

পনবা য়াবদি টাটা ট্রষ্ট অমসুং টাটা সনগী মরক্তা লৈরিবা সিয়ার হোল্ডরগী মতাংদা য়ানদবগী তোঙান তোঙানবা থৌদোক ৱাথোক কয়া হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিদা থোক্তুনা লৈরিবনি।

সনা-সুদোকু-১১২২ সোল্যুসন

7	6	1	2	5	9	8	4	3
4	8	9	7	1	3	6	2	5
2	3	5	4	8	6	1	7	9
6	7	3	1	2	5	9	8	4
1	2	4	9	7	8	5	3	6
9	5	8	3	6	4	2	1	7
8	4	7	5	9	2	3	6	1
3	9	6	8	4	1	7	5	2
5	1	2	6	3	7	4	9	8

Crossword # 1181



Across
1. Arrived
5. Out of port
9. Fundamental
14. Fibber
15. Shakespearean King
16. Got out of bed
17. Colleague
19. Look happy
20. Splash
21. Knockout count
22. Shoppers' delights
23. 12th-grader
25. Designated
27. Shop sign
29. Kind of type
33. Nasty
36. Singes
39. Flank
40. Sphere
41. Discussion group
42. Barbie's beau
43. Distance measure
45. "Sesame Street" character
46. Pork or beef
47. Picturesque
49. Astronauts' gp.
51. Prank
54. Medicinal amount
58. Bath powders
61. Gun lobby (abbr.)
63. Movie star
64. Upper crust
65. Electricity source
67. Resource
68. Chooses
69. Go up
70. Turnpikes
71. Experiment
72. Passed effortlessly

Down
1. Category
2. Theater walkway
3. Bricklayer
4. Wearing down
5. Famed boxer
6. Bench
7. Dined
8. Coliseum
9. Small hound
10. Fleets
11. Dirt
12. ____ of Man
13. Mediocre grades
18. Karate blow
24. Admiration
26. Deceive
28. At hand
30. Enjoy
31. Original thought
32. Penny
33. Dads' partners
34. Singer ____ Clapton
35. Talented
37. Raggedy ____
38. Bridle strap
44. Legislated
46. Eyelash makeup
48. Map parts
50. Glide
52. Gold bar
53. French pancake
55. Storage room
56. Honking bird
57. Was mistaken
58. Sad drop
59. Additionally
60. ____ Kudrow of "Friends"
62. Picnic nuisances
66. Detroit time zone (abbr.)

পাউখুম লমায় ৭ তা ...

In the Court of Sub-Deputy Collector Bashikhong, Imphal East

Ref. :- Mutation Case No. 332/SDC/B/IE of 2026 Dt. 28/10/2026

1) Okram Rani Devi W/O (L) Okram Loken Singh of Okram Chuthek Kitnapanung.
2) Okram Bikramjit Singh S/O Late -do- of -do-
3) Okram Tamuja Devi D/O (L) -do- of -do- *- Petitioners*

-Verses-

Late Okram Loken Singh @ Brojen Singh S/O Late Baruni Singh of Kitna Panung. *- Pattadar*

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ/NOTICE

Bashikhong, the 28th, October, 2026

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960গী মতুং ইন্না ঈঃ ইঃ তাহশিল খূল নং 57-Kitna Panung পাট্টা নং 171/400 অনৌবা দাগ নং 237/459 মোট এরিয়া 0.080000 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার Okram Loken Singh @ Brojen Singh S/O Late Baruni Singh of Kitna Panung দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পাট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পনলিবা দরখাষ্টকারীশিং অসিনা সত্তা ওইনা ফঙজরে অমসুং নমা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুং লাকপা অপটি (Objection) অমতা লৌজরোই কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,Bashikhong
Imphal East

SL/Mei/29

In the Court of The Sub-Deputy Collector Lilong Chajing, Imphal West

Ref. :- Mutation Case No. 205 of 2026

1) Laishram Kulachandra Singh S/O Laishram Moirangningthou Singh of Naorem Leikai.
2) Laishram Rajmani Meitei S/O Laishram Moirangningthou Singh of Singjamei Makha Naorem Leikai.
3) Laishram Bilasini Devi W/O Longjam Inaobi Singh of Singjamei Chingamakha Ningthoujam Leikai/Liwa Road.
4) Rajkumar Umabati Devi W/O R.K. Joy Singh of Bazar Makha Thoubal Achouba. -Petitioners

-Verses-

Laishram Moirangningthou Singh S/O (L) L. Muhon Singh of Naorem Leikai. *- Opp*

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE

Lilong Chajing Dated: 28-10-2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি মৃতু ওইখ্রবা Laishram Moirangningthou Singh S/O (L) L. Muhon Singh of Naorem Leikai গী মীংদা পানবা খুন নং 64-Naorem Leikai, Patta No. 11 অরিবা 28 অনৌবা C S Dag No. 133 গী এরিয়া 0.167510 একর চাউবা ইংখোল অসি Petitioners শিংনা মখোয়গী মিংদা নমা পানবিয়ু /ওনশিনবিয়ু হায়না উক্তা কোর্ট SDC-Lilong Chajing, Imphal West কী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ তরেৎ (৭) নি ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাকপিদুনা Objection তৌবিরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। Court কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Lilong Chajing, Imphal West

SL/Pradesh/29

ঝরখন্দ এসেমব্লিগী অখন্নবা মীফম পাঙথোক্লগনি ৱাথোক ওইরিবা এস আই আরগী ইসু খন্নগদৌরি

রাঞ্চি, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সি):

লাক্লিবা নবেম্বর ২৫দগী হৌদুনা নুমিৎ নীনি চুপ্পা ঝরখন্দ এসেমব্লিগী অখন্নবা মীফম পাঙথোক্লগনি। মীফম অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না পাস তৌখিবা স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন (এস আই আর) অমসুং মাইন্স এন্দ মিনরেল (দিভলপমেন্ট এন্দ রিগুলেসন) এমেন্দমেন্ট এক্টকী মতাংদা পুথোক্তুনা খন্নগদৌরি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা চীফ মিনিষ্টর হেমান সোরেননা চিয়ার লৌদুনা পাঙথোকখিবা কেবিনেটকী মীফমনা নবেম্বর থাগী অরোইবা শরুক্তা ঝরখন্দ এসেমব্লিগী অখন্নবা মীফম অসি পাঙথোক্লবগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

পনবা য়াবদি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা চীফ ইলেক্সন কমিস্নার জ্ঞানেস কুমারনা ইলেক্টোরেল রোলগা মরী লৈননা চথরিবা স্পিসিয়েল ইন্টেন্সিব রিভিজন (এস আই আর)গী থবক থৌরমশিংদা নৎতবা অরান অহুই কয়া চথরে হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা এস আই আরবু খুদক্তগী লেপ্পবা লৈবাক শিনবা থুংনা কোংগ্রেস পার্টিনা খোঙজং চংশিল্লিঙৈ চৈরক অসিদা ঝরখন্দ লৈঙাক্না অখন্নবা এসেমব্লি মীফম পাঙথোক্তুনা এস আই আরগী ইসু য়াওনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না পাস তৌখিবা তোঙান তোঙানবা এক্টশিংগী মতাংদা খন্নবগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

চীফ মিনিষ্টর হেমান সোরেননা এস আই আরগী ইসু অসি লৈবাক অসিগী য়াম্না মরুওইবা ইসু অমনি। অসিদা নৎতনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না পাস তৌখিবা মিনরেল লো অমদি মরুওইবা টোপিক কয়া খন্নবগীদমক অতেনবা মখলগী অখন্নবা এসেমব্লি সেসন অসি পাঙথোক্লবা ঝরখন্দ লৈঙাক্না ৱারেপ লৌবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা লাক্লিবা নবেম্বর ১দা কোংগ্রেস পার্টিনা লুচিংবা ইন্দিয়া ব্লোককী মায়কৈদগী ন্যু দিল্লিদা মশিং য়াম্লবা মীয়ামগা লোয়ননা অচৌবা রেল্লি অমা পাঙথোক্লবসু শেম শাদুনা লৈখ্রে।

‘অসাম য়ু এল এফ এনা কন্দুনা লাকখিবনি’

গুৱাহাতি, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সি):

য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম (য়ু এল এফ এ)না হৌখিবা চহী ৫০ রোম অসিদা অসামবু কন্দুনা লাকখি হায়না হেমন্তা বিশ্ব শর্মনা লুচিংবা অসামগী লৈঙাক্তা মিনিষ্টর ওইরিবা বিশ্বজিত দাইমারিনা ফোঙদোকখ্রে।

অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী ঙমখৈ পরিংদা লৈবা টিনসুকিয়া দিষ্ট্রিক্টকী দিরাক নাৱাজ য়োতি খূঙ্গংদা পাঙথোকপা মতক য়ুবা সাত্রা সমিলনগী থৌরমদা শরুক য়াদুনা অসামগী মিনিষ্টর বিশ্বজিত দাইমারিনা য়ু এল এফ এবু অসামবু ঙাক শেন্দুনা থল্লকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখি হায়দুনা থাগৎপা ফোঙদোকখিবনি।

য়ু এল এফ এনা মরম ওইরগা অসামগী মথক্তা কনাগুম্বা অমত্তনা খূৎ থাবা ঙমখিদে। য়ু এল এফ এগী কম্মান্দর ইন-চীফ পরেস বরুৱাগী কম্যুনিটি অমা ওইরিবা মোরান-মতক কম্যুনিটিবুসু য়ু এল এফ এগী লুচিংবা পরেস বরুৱা পোকপগীদমক্তা মিনিষ্টর বিশ্বজিত দায়মারিনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ফোরেন নেসনেল ৯ ফাদুনা বি এস এফতা শিন্নখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সি):

আইন কায়না ইন্দিয়াগী ঙমখৈ লানশিল্লকখিবা ফোরেন নেসনেল ৯ ফাদুনা মশাগী মরৈবাক্তা দিপোর্ট তৌনবগীদমক্তা বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)তা শিন্নখ্রে হায়না চীফ মিনিষ্টর হেমন্তা বিশ্ব শর্মনা ফোঙদোরক্লি।

হেমন্তা বিশ্বা শর্মনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্দদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা ইন্দিয়া অমসুং বঙ্গলাদেশকী ঙমখৈ পরিংদা আইন কায়না চংশিল্লকখিবা ফোরেন নেসনেল ৯ ফাবগা লোয়ননা দিপোর্ট তৌনবগীদমক বি এস এফতা শিন্নখ্রে হায়না ফোঙদোরকখিবনি। অদুবু আইন কায়না চংশিল্লকখিবা ফোরেন নেসনেলশিং অদু করম্বা লৈবাক্কীনো নৎত্রগা করম্বা ইথিনিক বেকগ্রাউন্দদগীনো হায়বা অদুদি হেমন্ত বিশ্ব শর্মনা ময়েক শেংনা পনখিদে। পনবা য়াবদি ফোরেন নেসনেলশিং অদু দুবৈদগী ফাবনি হায়না পাউগী এজেন্সি অসিনা হায়রি।

লমায় ৪০,০০০ পানবা চার্জসিট এস এ দি লিদর অমগী মথক্তা পঞ্জাব ভিজিলেন্সনা ফাইল তৌখ্রে

চান্দিগড়, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সি):

২০২৭গী অঙনবা শরুক্তা পঞ্জাবতা এসেমব্লি ইলেক্সন পাঙথোক্লবা শেম শাদুনা লৈরিঙৈ মরম চাদবা লন-থুম লেপশিনবগী কেসকা মরী লৈননা সিরোমনি অকালি দল (এস এ দি)গী লিদর ওইবতা নৎতনা হান্নগী কেবিনেট মিনিষ্টরসু ওইরম্বা বিক্রম সিংহ মাজিথিয়াগী মথক্তা লমায় ৪০,০০০ পানবা সপ্লিমেন্টরি চার্জসিট অমা পঞ্জাব ভিজিলেন্স ব্যুরোনা ফাইল তৌখ্রে।

তোঙান তোঙানবা কম্পেনিশিংদা পূন্না লুপা ক্রোর ২৩৬কী শেনফম দিপোজিত তৌবা, ফোরেন এন্টাইটিশিংগী খূৎথাংদা লুপা ক্রোর ১৪১ থাদোক থাজিন তৌবা অমসুং লুপা ক্রোর ১৬১গী শেনফম দিপোজিত তৌবা য়াওনা পূন্না লুপা ক্রোর ৭৩৬.৯৬ দ্রগকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা শিজিন্নৈ হায়না মরাল শীরদুনা মাজিথিয়াগী মথক্তা পঞ্জাব ভিজিলেন্স ব্যুরোনা কেস অমা পান্দুনা ইনভেষ্টিগেসন চথদুনা লাকখিবনি।

পঞ্জাব ভিজিলেন্স ব্যুরোনা মোহালি কোর্টতা পীশিনখিবা সপ্লিমেন্টরি চার্জসিট অদুদা এস এ দিগী সেনিয়ার লিদর বিক্রম সিংহ মাজিথিয়াদা নৎতনা মহাক্কা ইমুং মনুংগী মরী থোক্লবা গজপত সিংহ গ্রেৱাল, গুরমেহর সিংহ, হরপ্রিত গুলাতি অমসুং অমরদিপ সিংহদা নৎতনা তোঙান তোঙানবা কম্পেনি ১০গী মিং কয়াসু য়াওরি।

চার্জসিট অদুদা মাজিথিয়া অমসুং মহাক্কী এসোসিয়েট শিংনা তোঙান তোঙানবা বেঙ্ক একাউন্টগী খূৎথাংদা ফাইনান্সিয়েল ট্রাঞ্জেক্সন চথখিবগী খুদম চাংদম অমসুং বেঙ্ক একাউন্দ অমদি লন থুমশিংগী অকুপ্পা দিটেল রিপোর্ট কয়াসু য়াওরি।

ক্লাইমেট চেঞ্জনা ইন্দিয়াদা হকচাং শোকথবা অমসুং লায়না কয়া নাবা য়াবগী চাং ৱাংখৎলক্লে: রিপোর্ট

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সি):

হৌখিবা চহী ২০১৬ দগী হৌরগা ২০২৫ ফাওবদা ইন্দিয়াদা ক্লাইমেট চেঞ্জ থোকপগী চাং ৱাংখৎলকখি। ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা মায়োক্নরিবা শাবগী চাং অমসুং এয়ার পোলুসননা মরম ওইরগা মীয়ামগী হকশেল, হিংবগী পুন্সি মহিং অমসুং প্রদক্টিভিটিদা য়াম্না চাওনা অকায়বা পীদুনা মখল কয়াগী লায়না পোকপা য়াবগী চাং ৱাংখৎলক্লে হায়না লন্দনদা লৈবা ইনষ্টিট্যুট অমনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

য়ুনিভর্সিটি কোলেজ লন্দন (য়ু সি এল)না ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গা খূৎশন্নদুনা লানসেট কাউনদাউন হায়না মিং থোন্দুনা তৌরকখিবা রিপোর্ট অমদা হায়, ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীয়ামগী হকশেলদা লেপ্তনা চৈথেং পীবগী চাং হেনগৎলক্লি।

য়াক্লা শাবা নুংশাগী মৈশানা য়ৈবদগী অমসুং নুংশাগী মৈশাগা মরীলৈনবা অৱাবা চৈথেংশিংনা মরম ওইরগা ইনফেক্সিয়স দিজিজ নাবা য়াবগী চাং শ্লাংখৎলকপদা নৎতনা এয়ার পোলুসনগা মরী লৈননা শিবগী চাং লেপ্তনা হেনগৎলক্লি।

হৌখিবা চহী ২০১৬দগী হৌরগা ২০১৫ ফাওবদা ইন্দিয়াদা মায়োক্লখিবা শাবগী চাং অদুনা ইন্দিয়াদা ক্লাইমেট চেঞ্জ থোকহনবগী য়াম্না চাওবা মরম অমনি হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা নুংশাগী য়াক্লবা মৈশানা ফুবদা শোকথরবা হকচাংনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী ওইনা চহী ১দা থবক শুবা য়াবগী পুং বিল্লিয়ন ১৯৩ অরেম্বদা মাঙলি হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ইজরেলগী মীখলদা নেটান্যাহুনা মোজোরিটি ফংবা ঙমখিদ্রে
লৈঙাক শেম্বদা আরব পার্টিশিংনা মরুওইবা শক্লোন লৌরবা য়াই

টেলএভিব, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সি): ইজরেলগী মীখলদা শরুক ৪ থোকপগী ৩ হেননা মশিং থিখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটান্যাহুগী রাইট-ৱিং ব্লোকনা খজিকখক্তমক মাঙজিন থানা লৈ অদুবু মেজোরিটি য়ৌগদবা ৱাৎলি। মীখল অসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাঙথোকখিবনি। মসি গাজাদা অমসুং রিজন অসিদা ইজরেলবু লান তৌবা হৌহনখিবা ওক্টোবর ৭, ২০২৩ হামাজ এটেক মতুংদা পাঙথোকপা অহানবা ইলেক্সননি।

ইজরেলগী খ্বাইদগী মতম শাংনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখিবা নেটান্যাহু অমসুং ওপোজিসন ব্লোক অমগী লুচিংবা হান্নগী মিলিটরি চীফ গাদি ঐসেনকোট অনিমক্লা মথংগী গভর্ণমেন্ট অদু মখোয়না শেমগনি হায়না ৱাশকখি। অদুবু মেজোরিটি ওইনবগী সিট ৬১ অদু মখোয় অমত্তনা য়ৌবা ঙমখিদ্রে। ভোটকী চাদা ৭৭ মশিং থিখিবদা পার্লিয়ামেন্টকী সিট ১২০গী মনুংদা নেটান্যাহুগী ব্লোকনা ৫৪ অমসুং ঐসেনকোটকী ওপোজিসননা ৪৯ খক হৌজিক ফাওবদা ফংখ্রে।

অরোইবা মীখলগী ফলশিংদা হৌজিকসু অহোংবা খরা পুরকপা য়াই অদুবু য়াম্না ময়েক শেংবা ফিভম অমদি ইজরেলি আরব লিষ্টনা সিট ১৭ ফংলবা য়ারি।

মীখলগী ফলশিং অসি উবদা আরব পার্টিশিংগা এলায়েন্স অমা শেন্নবা ইজরেলগী মপুং ওইবা লেফ-ৱিং পার্টিগী মকোক অমসুং ঐসেনকোটকী কেম্পকী মেম্বর য়াইর গোলাননা আপিল তৌরকখ্রে। নেটান্যাহু মায়থিরে। ঐহাক্লা মশিং করন্না তৌনা থি হায়বা খঙই হায়না সোসিয়েল মেদিয়া পোষ্ট অমদা মহাক্লা হায়খি।

নাকন অমত্তনা লৈঙাক শেম্বা ঙম্বগী মশিং ফংদবা অসিদা আরব পার্টিশিংনা লৈঙাক শেম্বদা মরুওইবা শক্লোনশিং লৌরক্লুবা য়াই।

আরব লোমেকরশিংনা কোলিসন অমদা য়াওদনা এদ হোক বেসিস অমদা ঐসেনকোটতা শৌগৎতুনা মায়নোরিটি গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বা ঙমহল্লবা য়াই। অদুবু অসিগুম্বা থৌরাং অমনা মতম শাংনা লৈঙাক অদু হিংলোই হায়না ওবজ াভর খরনা থাজরি।

ঐসেনকোটনা ইলেক্সন মতুংদা অহানবা ওইনা ৱা ঙাংবদা ইজরেলগী সেক্যুরিটি চীফশিংনা শোয়দনমক নেসনেল ইন্টরেষ্টতা থবক তৌগদবনি অমসুং মেন্দেট অমা য়াওদনা কিয়ারটেকর প্রাইম মিনিষ্টর অমা ওইগদবা নেটান্যাহুগী পোলিটিকেলগী মথৌতাবশিংদা থবক তৌদনবা ৱার্নিং তৌখ্রে।

মহৌশানা মমিংতগী ওইনা থবক তৌরিবা অদুবু গভর্ণমেন্টনা শেন্নবা অহানবা তাঞ্জা অদু কনাদা পীগদগে হায়না শোয়দনা ৱারেপ লৌগদবা প্রসিদেন্ট ইসাক হেরজোগতা পূন্নমক্কী মীৎয়েং থন্নখ্রে।

ঐসোনকোটনা ফোঙনা নোটান্যহুগা থবক তৌমিন্নবগী ৱাফম ককথৎখ্রবসু প্রসিদেন্ট হেরজোগনা য়ুনিটি গভর্ণমেন্ট অমা শৌগৎখ্রে হায়রি।

মতম শাংনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখিবা নেটান্যাহুনা ইজরেলি সোসাইটি নাকপাক তানহনখ্রে। মহাক করপসনগী মতাংদা ক্রিমিনেলগী মরালশিং মায়োক্লরি।

গাজাদা মাঙ তাকহনবা লানগী মতাংদসু মহাক ইন্টরনেসনেল ক্রিমিনেল কোর্টনা ফাদুনা ৱায়েনবা পাল্লি।

হৌজিক গাজাগী মীয়াম্না মখোয়গীদমক করি ফিভম ওইরক্কদগে হায়বগী মতাংদা তম্বা ঙমদবা ফিভম মায়োক্লরি। ঐখোয়গী অকিবদি মসিগী মীখলশিং অসিনা অমুক্কা হেন্না শাথিবা লুচিংবা অমা অমসুং হেন্না হিংশা কনবা অমসুং ঈ খৌরাংবা অমা ওইরক্কদ্রা হায়বসিনি হায়না ইজরেলগী লান্না ময়ূম মকৈ থাদোকহল্লবা গাজাদা লৈবা মীওই হুদা অল-হৌরিনা পাউগী এজেন্সি এ এফ পিদা হায়খি।

স্পেনদা হায়-স্পীদ ট্রেন থেঙ্গায়নবদা য়ামদ্রবদা ৬৪ শিখ্রে

উরদা, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সি): ময়াই থংবা স্পেনদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা হায়-স্পীদ ট্রেন অমনা চেনবা লেপখ্রবা অতোপ্পা ট্রেন অমদা থোমগাইবদা দবা ২ গুরুং চৎখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই ৬৪ শিখ্রে।

খুদোঙথিবা থৌদোক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৮০ শোকখি অমসুং মরম অদুনা শিবগী মশিং অদু শোয়দনমক হেনগৎলকখিগনি হায়না কেষ্টিলা লা মনচাগী রিজনেল প্রসিদেন্ট অদুনা হায়খি। মসি চহী অসিদা স্পেনদা ২শুবা অচৌবা এক্সিদেন্টনি।

ট্রেনগী খুদোঙথিবা থৌদোক অদু টুলেদো প্রোভিন্সতা য়ুমশকৈশগী অয়ুক্তা থোকখিবনি হায়না স্পেনগী রেল সিষ্টেম ওপরেটর এ দি আই এফনা হায়খি।

রিজন অদুগী ৱাঙাংলোই এষ্টর পানিলাগী মতুং ইন্না, লৈবাক অসিগী

কোনুং মাদ্রিদতগী খা নোংপোক থংবা স্পেন্দগী সেভিলেদা চপ মান্নবা মায়কৈদা পেসেঞ্জর চা কয়া পুদুনা লাকখিবা হায়-স্পীদ ট্রেন অনিগী মরক্তা এক্সিদেন্ট অদু থোকখিবনি।

স্পেনগী গভর্ণমেন্টনা মপু ওইবা আর ই এন এফ ই কম্পেনিগী ট্রেন অমগা প্রাইভেট রেল কম্পেনি আই আর ৱাই ওগী অমগা থেঙ্গাইনখিবনি। মদুদা আর ই এন এফ ই ট্রেনদা ২৪ শিখি। অদুগা আই আর ৱাই ওদা ৬ শিখি। আর ই এফ ই ট্রেনদা পেসেঞ্জর ৩৯৭ অদুগা আই অর ৱাই ও ট্রেনদা পেসেঞ্জর ১৪৭ তোংলকখিবনি।

ইমর্জেন্সি সার্ভিসেস, ফাইয়ার ফাইটরস অমসুং পুলিসতা তেংবাংনবা মিলিটরি ইমর্জেন্সি ব্রিগেদ অমা শিজিন্নখ্রে। এম্বুলেন্সশিং অমসুং মেদিকেল হোলিকোপ্টরশিংনা মফম অদুদগী চখোক চৎশিন তৌরি।

খুদোঙথিবা থৌদোক অদুদা অহেনবা মীৎয়েং চংনবা স্পেনগী প্রাইম মিনিষ্টর টেদ্রো সানচেজনা মাগী এজেন্দা কেন্সেল তৌখ্রে। স্পেনগী কিং ফেলিফ-৬ অমসুং কুইন লেটিজিয়ানা ট্রেন এক্সিদেন্ট অদুনা ঐখোয়বু হকচিন্না থম্মোয় শোকহল্লে হায়খ্রে।

য়ুরোপিয়ান কম্মিসন প্রসিদেন্ট উরসুলা বোন দের লেয়েননসু লৈখিদবশিংগী ইমুং মনুংশিংদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। ঙসি নখোয়গা লোয়ননা য়ুরোপনা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়খি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE SURVEY & SETTLEMENT OFFICER
DS&LR, MANIPUR
NOTIFICATION
Imphal, the 27 th October, 2026

No. 100/11/REV/S&SO/2018/DSLR(Vol-XVII): Whereas, the CS Dag No. 44 (Old) & 45 (Old) arc situated in the Dag Chitha of 10 - Moijing Revenue Village during the 1960 survey as details given below:

Sl. No.	Dag no. (O)	Area in acre	Classification	Name of Encroacher
1	44	0.55	Sarkari School	Nil
2	45	0.61	State Lannd	Nill

2. Whereas, during the re-survey of land records of 22(A) - Tangjeng Revenue Village, the above-mentioned Dag Nos. were included as new CS Dag No.85, 86, 87, 88, 89, & 94 (New) as detailed below:

St. No.	Dag No. (New)	Area in Hectare	Classification	Name of Encroacher
1	85	0.0777	Sarkari Ingkhol	Md. Jameruddin S/O (L) Huisel of Moijing Litankhong
2	86	0.1310	-do-	Nil
3	87	0.0950	-do-	Moulubi Jalmuhamad S/O (L) Ojer Alli of Moijing Litankhong
4	88	0.0437	-do-	Moijing Litan Makhong Masajit
5	89	0.0437	-do-	Moijing Jamarnilia Madrasha
6	94	0.2509	-do-	Nil

3. Whereas, there was an erroneous shifting of the two CS Dag Nos. 44 (Old) & 45 (Old) of Sheet No.l of 10 - Moijtng Revenue Village as new Dag Nos. 85, 86, 87, 88, 89 & 94 (New) of Sheet No. 1 of 22(A)-Tangjeng revenue village during its resurvey.

4. Now, in exercise of the power conferred under Section 92 of the Manipur Land Revenue and Land Reforms Act, 1960, read with Section 81 of the same, the land record details of the plot covered Dag No. 85, 86, 87, 88, 89 & 94 (New) of 22 (A) Tangjeng Revenue Village are to be shifted back to Sheet No. 1 of 10-Moijing Revenue Village and are to be corrected accordingly.

In this regard, all concerned are hereby informed to submit their claims and objections, if any, in writing on or before 15 (fifteen) days from the date of publication in the local daily newspaper to the undersigned. No claims and Objections shall be entertained after expiry of the said period of 15 days.

Sd/-
(Ranjit Maisnam)
Survey & Settlement Officer
DS&LR, Manipuir

SL/S&SO/28

MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY
SECRETARIAT

NOTIFICATION
Imphal, the 27th October, 2026.

No.01/02(05)/2026-LA(E): In partial modification of this Secretariat notification of even number dated 05/10/2026, it is informed **to all those candidates who have applied Online** for the posts of Driver, Mali, Sweeper and Multi-Tasking Staff (MTS) in the Manipur Legislative Assembly Secretariat that the dates for issue of **Admit Cards (Online mode only)** is hereby extended as listed in the table below:

Particulars	Dates
Issue of Admit Cards (Online mode only)	***From the midnight (12:00 am) of 27/10/2026 till the midnight (12:00 am) of 30/10/2026***

Sd/-
(G. Tapankumar Sharma)
Addl. Secretary, (Admn.),
Manipur Legislative Assembly.

SL/Ath/28 & 29

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR,
POROMPAT IMPHAL EAST
ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE
Porompat, the 28/10/2026

নোটিশ অসিনা খংহনলি মদুদি শ্রীমতি Khusida Bagum লৈফম Minuthong Golapati Maning Leikai অসিনা লৈখিদ্রবা (Late) Md Riyauddin অসিবু মহাক্কী লিগেল নুপানি হাইদুনা ওফিস অসিদা মহাক্কী মিংদা লিগেল Wife certificate পিবিয়ু হায়দুনা ওফিস অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা কনাগুম্বা মারীলৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎ 5(five)গী মনুংদা ওফিস অসিদা Objection তৌবিরবা য়াগনি। করিগুম্বা মরী লৈনবশিংনা Objection লাক্ত্রবদি মখা তাবা থবক চত্থরগনি, তুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/Nanda/29

Office of The
Imphal Municipal Corporation
ꯈꯪꯍꯟꯕ/নোটিশ
তাং ২৮-১০-২০২৬

No. 4/19/2022/IMC/Rev/Notice- অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Purana Bazar (N/S), Shop No. 6 (B)I an area of 32 sqft. শ্রীমতি Sinam Somorjit Singh S/O (L) S. Lukhoi Singh of Thangmeiband Yumnam Leikai গী মিংদা পানবা Licence Holder অসি মশানা শ্রী Nongmaithem Surchandra Singh S/O M. Amujao Singh of New Checkon, Near Mandop, Imphal East, Manipur Licence Holder গী মিং ওনবিরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Licence Holder গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা Objection তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা Objection তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা Objection লৌজরোই অমদি Lessee গী মিং ওনখ্রগনি।

Sd/-
Deputy Municipal Commissioner
Imphal Municipal Corporation

SL/5727/29

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST (CENTRAL)-II : MANIPUR
Ref. : Mut. Case No. 496/SDC/IW(C)-II of 2026 dt. 22/10/2026

1) Moirangthem Jibanlata Devi W/O (Late) M. Bijoy Singh of Khagempalli Pankha.
2) Moirangthem Geetchandra Singh S/O M. Birachandra Singh of -do-
-Petitioner(s)

-Vs-

(Late) Moirangthem Bijaoy Singh S/O (Late) Birachandra Singh of Khagempalli Pankha. -O.P. (s)

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE
Lamphel, the 22/10/2026

Under Sect. 46(3) of MLR & LR Act.1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Moirangthem Bijaoy Singh মিংদা লৈবা Imphal west তহশিলগী খুল নম্বর 43-Khagempalli অরিবা পাট্টা নম্বর 387 অনৌবা পাট্টা নম্বর 480/1197 দাগ নং 1006/1321 অমসুং এরিয়া .00233 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পিরিবা দংকারিগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central)-II উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-II

SL/Nute/29

In the Court of The Sub-Deputy Collector
Lilong Chajing, Imphal West

Ref. :- Mutation Case No. 213 of 2026 date 28/10/2026

Konthoujam Cary (Cary) Devi D/O K. Sarat Singh of Lilong Chajing Chingkhong Leikai. -Petitioners

-Verses-

Late Ningthoujam Apabi Singh S/O (L) N. Jullon Singh of Lilong Chajing Chingkhong Leikai. *- Opp*

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE
Lilong Chajing Dated: 28th October 2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি মৃত্যু ওইখ্রবা Ningthoujam Apabi Singh S/O (L) N. Jullon Singh of Lilong Chajing Chingkhong Leikai গী মীংদা পানবা খুন নং 70-Chajing, Patta No. 581 অরিবা 304 অনৌবা C S Dag No. 298 গী এরিয়া 0.68 একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসি Petitioner না মশাগী মিংদা নমা পানবিয়ু /ওনশিনবিয়ু হায়না উক্তা কোর্ট SDC-Lilong Chajing, Imphal West কী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ তরেৎ (৭) নি ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাকপিদুনা Objection তৌবিরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। Court কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Lilong Chajing, Imphal West

SL/Pradesh/29

ক্রোসৱার্দ ১১৮১ গী পাউখুম

C	A	M	E		A	S	E	A		B	A	S	I	C
L	I	A	R		L	E	A	R		A	R	O	S	E
A	S	S	O	C	I	A	T	E		S	M	I	L	E
S	L	O	S	H		T	E	N		S	A	L	E	S
S	E	N	I	O	R		N	A	M	E	D			
			O	P	E	N			I	T	A	L	I	C
M	E	A	N		S	E	A	R	S		S	I	D	E
O	R	B			P	A	N	E	L			K	E	N
M	I	L	E		E	R	N	I	E		M	E	A	T
S	C	E	N	I	C			N	A	S	A			
			A	N	T	I	C		D	O	S	A	G	E
T	A	L	C	S		N	R	A		A	C	T	O	R
E	L	I	T	E		G	E	N	E	R	A	T	O	R
A	S	S	E	T		O	P	T	S		R	I	S	E
R	O	A	D	S		T	E	S	T		A	C	E	D

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR : IMPHAL

No. MU/9-99/1/23(C)/75
Date: 27-10-2026

PROGRAMME FOR BA/BCOM/BPES/BFT/BSW/BTT1ST SEMESTER EXAMINATION, 2026 (NOVEMBER) (NEP) (OLD/BACK)

Date & Day	10:00 am to 1:00 pm
14-12-2026 Monday	AECC-1
16-12-2026 Wednesday	CORE COURSE-1
18-12-2026 Friday	CORE COURSE-2
19-12-2026 Saturday	SEC-1

The practical examination shall be conducted after the completion of theory papers.

1) Last date of submission of online forms for students:
a) Without fine: 20-11-2026
b) With fine: 23-11-2026
2) Colleges are required to verify, submit internal marks and submit the completed forms and requisite fees to the University as follows:
a) Without fine: 23-11-2026
b) With fine : 25-11-2026
Link for online application: ugexamform. manipuruniv.ac.in

Sd/-
(T. Shantikumar Singh)
Controller of Examinations

SL/B-(MU)/29&30

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR : IMPHAL

No. MU/9-99/2/25(Exam-C)/74
Date: 23-10-2026

REVISED PROGRAMME FOR THE FOUR YEAR UNDERGRADUATE PROGRAMME (FYUP) 1ST SEMESTER EXAMINATION, 2026 (NOVEMBER) (NEP)

Date & Day	10:00 am to 1:00 pm
14-12-2026 Monday	MAJOR COURSE-1
16-12-2026 Wednesday	AEC-1 (Ability Enhancement Course-1)
18-12-2026 Friday	MDC-1 (Multidisciplinary Course-1)
19-12-2026 Saturday	VAC-1 (Value Added Course-1)
21-12-2026 Monday	MINOR COURSE-1
22-12-2026 Tuesday	SEC-1 (Skill Enhancement Course-1)

The practical examination schedule shall be issued separately.

1) Last date of submission of online forms for students :
a) Without fine: 20-11-2026
b) With fine : 23-11-2026
2) Colleges are required to verify, submit internal marks and submit the completed forms and requisite fees to the University as follows:
a) Without fine: 23-11-2026
b) With fine : 25-11-2026
Link for online application: ugexamform. manipuruniv.ac.in

Sd/-
(T. Shantikumar Singh)
Controller of Examinations

SL/B-(MU)/11&12

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR : IMPHAL

No. MU/9-99/1/23(C)/73
Date: 23-10-2026

PROGRAMME FOR BA/BSC/BCOM/BPES/BFT/BSW/BTT/BYS 5th SEMESTER EXAMINATION, 2026 (NOV.) (NEP)

Date & Day	10:00 am to 1:00 pm
4-12-2026 Friday	CORE COURSE-11
7-12-2026 Monday	CORE COURSE-12
9-12-2026 Wednesday	DSE-1
11-12-2026 Friday	GEC-3

The practical examination schedule shall be issued separately

1) Last date of submission of online forms for students:
a) Without fine: 17-11-2026
b) With fine: 19-11-2026
2) Colleges are required to verify, submit internal marks and submit the completed forms and requisite fees to the University as follows:
a) Without fine: 19-11-2026
b) With fine : 23-11-2026
Link for online application: ugexamform. manipuruniv.ac.in

Sd/-
(T. Shantikumar Singh)
Controller of Examinations

SL/B-(MU)/29&30

মণিপুরনা অন্দমান মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৮, (এস এন এস)ঃ

মহারাষ্ট্রগী পুনেদা চত্থরিবা ৪১শুবা য়ুঠ নেসনেল বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা মণিপুরগী অনীশুবা মেটচতা অন্দমানবু পোইন্ট ৮৭–১৪দা লাকচনা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা মণিপুরগী মায় পাকপগী পোইন্টশিং অদু অহানবা ক্বার্টরদা ২৩, অনীশুবা ক্বার্টরদা ২৭, অহুমশুবা ক্বার্টরদা ১১ অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা ২৬ স্কোর তৌখি। অন্দমানগী মায়কৈদগী অহানবা ক্বার্টরদা পোইন্ট ৪, অনীশুবা ক্বার্টরদা ৩, অহুমশুবা ক্বার্টরদা ২ অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা ৫ স্কোর তৌবা ঙমখি।

মণিপুরগী মায় পাকপগী পোইন্টশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ চিঙ্খোঙানবা, জর্সি নম্বর ১৩ সোতিন্দ্রচান, জর্সি নম্বর ১১ সতিশ, জর্সি নম্বর ৬ গিসন, জর্সি নম্বর ১৫ মালেমসন, জর্সি নম্বর ৭ ইরাবন্ত অমসুং জর্সি নম্বর ৯ এন্দরসননা স্কোর তৌবা ঙমখি।

পময়াল অমসং ৱাই দব্লিউ সি মালোম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৮, (এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা কে ৱাই সি (নোর্ঠ) খুরখুল প্লে গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অহানবা সলাম সনাতোম্বা সিংহ মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২৬–২৭গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা পময়াল পাৎশোই অমসুং ৱাই দব্লিউ সি মালোম মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা পময়ালনা চিকল লিলোং চজিংবু গোল ৩–১দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা পময়ালগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ ৱাহেংবম দ্রাভিদনা মেটচকী ৫০শুবা অমসুং ৬১শুবা মিনিটতা গোল অনী অমদি জর্সি নম্বর ১১ তোংব্রম মার্জেসনা মেটচকী ৭৪শুবা মিনিটতা চনখি। মায়থিহৌরবা চিকলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১৯ সনায়াইমানা মেটচকী ৭৭শুবা মিনিটতা চনবা ঙমখি।

অনীশুবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি মালোমনা য়ুম্বু ওইরিবা কে ৱাই সি (নোর্ঠ)বু গোল ৫–০দা মায়থিবা পীখ্রে। মেটচ অসিদা ৱাই দব্লিউ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৪ ইঙুদম সুরজনা মেটচকী ১৩শুবা মিনিটতা পেনাল্টি অমগী খুৎথাংদগী য়াওনা ৫৬শুবা অমদি ৬৩শুবা মিনিটতা পূন্না গোল অহুম চন্দুনা হেটত্রিক তৌখি। অতোপ্পা গোল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ৯ কোন্থৌজম লেম্বানা চনখি।

এস ই এস য়ুনা কে এফ সি মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৮, (এস এন এস)ঃ

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন (দি এস এ) ককচিংনা শীন্দুনা দি এস এ গ্রাউন্দদা চত্থরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস ই এস য়ু ককচিংনা কে এফ সি ককচিংবু গোল ২–০দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা এস ই এস য়ুগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু জর্সি নম্বর ১১ জিমস রাইখাননা মেটচকী ৪৯শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ২২ প্রভেসনা মেটচকী ৫৩শুবা মিনিটতা চনবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা কে এফ এ কৈরকনা আই ৱাই এ ককচিংবু গোল ৬–০দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা কে এফ এগী গোল অদু জর্সি নম্বর ২২ রাকেসনা মেটচকী ৩শুবা অমদি ৪৫শুবা মিনিটতা গোল অনী, জর্সি নম্বর ৪৩ কোহান মরিংনা মেটচকী ২৬শুবা, জর্সি নম্বর ৬৭ সনাতোম্বানা মেটচকী ৬২শুবা, জর্সি নম্বর ৩৯ ফিয়োনিক্সনা মেটচকী ৭২শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ২ কৃষ্ণনা মেটচকী ৭৭শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী হোক্কী প্লেয়র নিলাকান্ত শর্ম্মা মশান্না অসিদগী পোত্থারগনি হায়না লাউথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্তোবর ২৮, (এজেন্সি)ঃ

চহী ৯ চুপ্পা ইন্দিয়াগীদমক মেটচ ১৬৩ রোম শান্নরম্বা চহী ৩১শুরবা ইম্ফাল ইষ্টকী কোন্থা অহল্লুপতগী নিলাকান্ত শর্ম্মা হৌজিক পঞ্জাবনা য়ুম্বু ওইদুনা চত্থরিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী মতুংদগী মশান্না অসিদগী পোত্থারগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

নিলাকান্ত শর্ম্মনা মশান্না অসিদগী পোত্থারগনি হায়বা ৱাফম অসি পঞ্জাবনা য়ুম্বু ওইদুনা জলন্ধরদা লৈবা ওলেম্পিয়ান সুর্জিৎ সিংহ হোক্কী ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী ঙরাং শান্নখিবা ইন্দিয়াগী অহানবা মেটচতা বংলাদেশবু গোল ১৩–০দা মায়থিবা পীরবা মতুং লাউথোকখিবনি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কোন্থা অহল্লুপ্তগী হৌরক্তুনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা রিপ্রজেন্ট তৌরকখিবা নিলাকান্ত শর্ম্মনা ফোঙদোকখিবদা হন্দক জপাননা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমসকী মনুংদা মশান্না অসিদগী পোত্থাবগী ৱাফম অসি মহাক্কী কোচকা খন্নখি। মহাক্না কোচতা মথংগী টুর্নামেন্টগী মতুং মশান্না অসিদগী পোত্থাবনা মহাক্কী খ্বাইদগী মতম চাবা ওইগনি। মহাক্কী ৱাফম অদুগী পাউখুমদা কোচনা করিগুম্বা এসিয়ান গেমস অসিদা গোল্ড মেদল লৌদুনা ২০২৮তা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমসকী ক্বালিফাইদ ওইরবদি পোত্থাবা য়াগনি হায়বগী অয়াবা পীরকখি।

টোকিওও ওলেম্পিক্তা ফংখিবা মেদল অদুনা খুদোংচাবা ফংদুনা হৌজিক হৌজিক মণিপুর স্পোর্টস দিপার্টমেন্টদা থবক তৌরিবা নিলাকান্ত শর্ম্মা ইন্দিয়াগী টিমদগী পোত্থারবা মতুং মণিপুরদা ইনখৎল্লক্লিবা নহাশিংবু ট্রেনিং পীনবা মীৎয়েং থল্লি।

নিলাকান্ত শর্ম্মা ইন্দিয়াগী জুনিয়র হোক্কী টিমদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারক্তুনা ২০১৫দা পাঙথোকখিবা জুনিয়র এসিয়া কপ্তা ইন্দিয়ানা চেম্পিয়ন ওইবদা অচৌবা থৌদাং লৌবতা নত্তনা ২০১৬দা লক্ষৌনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা এফ আই এচ মেন'স জুনিয়র ৱার্ল্ডকপ্তসু গোল্ড মেদল লৌবদা শীংথানিংঙাই ওইবা পার্ফোমেন্স পীখি।

২০১৭দা বেলজিয়মগা শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়া সেনিয়র টিমদা অহানবা ওইনা শরুক য়াবা ফংখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী মরুওইবা মিদফিল্ডর অমা ওইদুনা লাকখি। ২০১৮দা ইন্দিয়াগী টিমনা পাকিস্তানগা লোয়ননা জেইন্ট ৱিন্নর ওইমিন্নখিবদা মহাকসু ইন্দিয়া টিমগী মরুওইবা মেম্বর ওইখি।

২০২০দা টোকিওনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসতা ইন্দিয়ানা চহী ৪১গী মতুংদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবদা মহাক্না লৌখিবা থৌদাং অদুবু মশক খঙদুনা অমদি ইকায় খুম্নবা উৎতুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা স্পোর্টস দিপার্টমেন্টদা চান্নবা থবক পীখি। অসিদা নত্তনা ২০১৮, ২০২৩ অমসুং ২০২৬তা পাঙথোকখিবা মেন'স হোক্কী ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখিবতা নত্তনা ২০২২গী বিরমিংহম কম্মনৱেলঠ গেমসতসু সিলভর মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়ান ৱুমেন'স লীগ–২: ৱাই দব্লিউ সি গ্রুপ ৱিন্নর ওইদুনা মথংগী রাউন্দ চঙবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৮, (এস এন এস)ঃ

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল লীগশিংগী মনুংদা অনীশুবা টিয়রদা লৈরিবা ইন্দিয়ান ৱুমেন'স লীগ–২ (২০২৬–২৭)দা শরুক য়ারিবা মণিপুরদগী ক্লব অমা ওইরিবা য়ুঠ ৱেলফিয়র ক্লব (ৱাই দব্লিউ সি) থম্বালখোং গ্রুপ–বিগী ৱিন্নর ওইদুনা মথংগী রাউন্দ চঙবা য়াবগী খুদোংচাবা চাউনা লৈখ্রে।

লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই দব্লিউ সিনা তেলঙ্গানাগী দি কে আর ফুটবোল একাদমিবু গোল ৫–১দা মায়থিবা পীদুনা চত্থরিবা লীগ অসিদা মেটচ ৩ শান্নবদা অহুমক মায় পাক্তুনা গ্রুপ–বিগী ৱিন্নর ওইবগী খুদোংচাবা চাউনা লৈখিবনি।

টিম মঙানা শরুক য়াদুনা চত্থরিবা গ্রুপ–বিগী অরোয়বা লীগ মেটচ ওইনা মথং থাগী ১দা ৱাই দব্লিউ সি থম্বালখোংনা নর্মাদা ভেল্লি এফ সিগা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সিনা দি কে আর ফুটবোল একাদমিবু গোল ৫–১দা মায়থিবা পীখিবা মেটচ অদুদা ৱাই দব্লিউ সিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচকী ৭৯শুবা অমসুং অনীশুবা হাল্ফকী ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনিটতা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙখিবা জর্সি নম্বর ১১ সেঞ্জম অলভা দেবীনা গোল অনী, মেটচকী ৪৪শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ৭ রোজি থঙ্গা, মেটচকী ৪৭শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১৮ সোরোখাইবম সিন্কি অমসুং মেটচকী ৮৮শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ৯ হেরিনা বাসুমতারিনা চনবা ঙমখি। মায়থিহৌরবা দি কে আর ফুটবোল একাদমিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু মেটচকী ৩৫শুবা মিনিটতা ভেনকতা রাজানা চনখি।

৩৯শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট:

মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এ) অমসুং অসাম রাইফলস পোলো টিম (এ) মায় পাক্লখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৮, (এস এন এস)ঃ

মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা পোলো গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ৩৯শুবা এন হজারি এন্দ এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সি–এ) অমসুং অসাম রাইফল পোলো টিম (এ) মায় পাক্লখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এম পি এস সি (এ)না লোয়ালাকপা পোলো ক্লব (এ) সঙাইপ্রৌবু পাঞ্জল ৭–৩দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা এম পি এস সি (এ)গী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চকরদা জর্সি নম্বর ২ ও সুরেসনা ২.২২শুবা, অনীশুবা চকরদা জর্সি নম্বর ৪, টিএচ রঞ্জিৎনা ০.৫৮শুবা সেকেন্দ অমসুং জর্সি নম্বর ৩ এস বিমোলনা ৫.৩৯শুবা মিনিটতা চনখি।

অহুমশুবা চকরদা জর্সি নম্বর ৩ এস বিমোলনা ০.০২শুবা সেকেন্দ অমসুং ২.০১শুবা মিনিটতা গোল অনী, জর্সি নম্বর ৫ ৱাই বিনোইনা ১.১৯শুবা মিনিটতা চনখি। মরিশুবা চকরদা জর্সি নম্বর ৫ ৱাই বিনোইনা ০.৪৮শুবা সেকেন্দদা চনখি।

মায়থিরবা লোয়ালাকপম পোলো ক্লব (এ)গী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা চকরদা জর্সি নম্বর ২ এল অভিনাসনা ৪.২৮শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৫ এ অবুংনা ৫.৩৬শুবা মিনিটতা অমদি জর্সি নম্বর ৬ নোংদ্রেনসনানা অনীশুবা চকরগী ৬.৪৩শুবা মিনিটতা চনখি।

অতোপ্পা মেটচতনা অসাম রাইফল পোলো টিম (এ)না পেরাদাইজ পোলো ক্লব ৱাঙ্খেবু পাঞ্জল৪–১দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা অসাম রাইফল পোলো টিম (এ)গী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ২ রিয়াকট অলিনা অহানবা চকরগী ০.৫৩শুবা সেকেন্দ, অনীশুবা চকরদা জর্সি নম্বর ৪ এল জয়কুমারনা ৫.৩০শুবা মিনিট, মরিশুবা চকরদা জর্সি নম্বর ৪ এল জয়কুমারনা ২.৩২শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ৬ এম কুবেরনা ৫.১৩ শুবা মিনিটতা চনখি।



UNACCO GROUP
WE ARE HIRING !
SOCIAL MEDIA MANAGER - 1
Requirements:
- 2+ years experience in Social Media Management
- Skilled in content creation, video editing (Canva/Photoshop), & graphic design
- Proven track record in audience growth & campaign analytics
- Excellent copywriting & communication skills
- Preferably Degree in Mass Communication

MIS ASSISTANT - 1
Requirements:
- Any graduate with at least 2–3 years of experience in the relevant field.

To Apply: Send your Resume to
unacco.hrmanipur@gmail.com
on or before 30th October, 2026 . Phone : 8974202164
CORPORATE HR UNACCO SCHOOL, MEITRAM

COMBINED TUTORIALS FOR CBSE
Estd. 2007
The Largest CBSE & COHSEM Tutorial Centre in Manipur.
SAGOLBAND MOIRANG LEIRAK MACHIN, PARKING IMPHAL.
CONGRATULATIONS TO ALL OURS 90%+ SCORERS
96.6% N. Henthoiba S/o N. Ashokumar
96% Th. Priston Singh S/o Th. Priyobrata
93.8% Philan Rajkumar S/o Rk. Jiten Singh
93.4% A. Lanthoiba Singh S/o A. Manyai Singh
92% Lineysha Maisnam D/o Roshen M.
91.8% Y. Holyson S/o Y. Homendro
91.4% Darwin Ayekpam S/o A. Debai Singh
91% Nancy Kh. D/o Kh. Satyajit
91% Ph. Krishakumar S/o Ph. Dinachandra
3 MONTHS REVISION COURSE FOR CLASS 12 Sc./ARTS (CBSE / COHSEM)
3 MONTHS REVISION COURSE FOR CLASS 9 & 10 CBSE
Class Starting from 2nd November, 2026 | Morning: 5:00 am to 7:00 am | Evening: 4:30 pm to 7:30 pm
Van Service
Hostel Available for Boys & Girls
LAST DATE OF ADMISSION 30th October 2026
Please Contact: 9436800790

THE BEST CBSE COACHING CENTRE IN IMPHAL
SAPE TUTORIALS, IMPHAL
SAGOLBAND KANGABAM LEIKAI, NEAR YUMJAO LAIREMBI, LANE NO. 6
96.2% JEWEL NINGTHOUJAM RAMKRISNA MISSION SCHOOL
ACHIEVEMENTS
TOP SAPEIANS OUTSHINE IN AISSE (X) - 2026
95.2% UC TAMNGANBI SHISHU NISTHA NIKETAN
94.8% KOIJAM HEEYAISANA KV LAMPHEL
91.4% SUNAINA SAIKHOM KV LAMPHEL
91% SATYAM LAISHRAM KV LAMPHEL
90% TRISSIE MAYANGLAMBAM UNACCO SCHOOL
89.2% NAVELEE THIYAM KV LAMPHEL
89% CHARANGA SHORTHANG KV LAMPHEL
86.6% ANGEL SINAM SHISHU NISTHA NIKETAN
86% SEONA SAMURAILATPAM KV LAMPHEL
85.6% TH. SASHIKANTA LUWANG RAMSRISHNA MISSION SCHOOL
85.4% KSH. CHINGLENSANA KV LAMPHEL
TOP SAPEIANS OUTSHINE IN AISSCE (XII)- 2026
XII ARTS
98.2% THOUDAM BABYNA KV LAMPHEL
98.2% SUPRIYASANA SAIKHOM KV LAMPHEL
95.6% BRAINY LAIKHURAM KV LAMPHEL
94.2% SHOAIB ABID KHULEIBAM KV LAMPHEL
93% HAOBIJAM MAYALUXMI KV LAMPHEL
92% SAPAM DEVSHREE KV LAMPHEL
92% SANIA MOIRANGTHEM KV LAMPHEL
92% SIMRAN NINGTHOUJAM KV LAMPHEL
XII SCIENCE
92.6% LEIMAPOKPAM NELSON KV LAMPHEL
90.8% KHUNDRAKPAM TAIBANGANBA KINDERGARTEN MONTESSORI SCHOOL
89.6% MEHEK KHAN IPHAM KV LAMPHEL
87.2% RIYA THANGJAM RK SANATOMBI DEVI VIDYALAYA
86.4% GHANAR KHONGBANTABAM KINDERGARTEN MONTESSORI SCHOOL
100% PASS PERCENTAGE
Achieved the lagacy of academic excellence and assurance 100% guaranteed success.
SUBJECT TOPPERS
POLITICAL SCIENCE 100/100 THOUDAM BABYNA KV LAMPHEL
HISTORY 100/100 SUPRIYASANA SAIKHOM KV LAMPHEL
HOSTEL FACILITIES AVAILABLE
ADMISSION OPEN ONLY CBSE
REVISION COURSE FOR CLASSES IX, X, XI & XII (SCIENCE & ARTS)
CLASS COMMENCEMENT FROM 22nd October 2026)
For more details please contact : 9863055737 | 7005958928 9402797965 | 8414930010
Sape Tuorials Imphal
SL/B/4(alt)15days

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com